নিংথৌজম সুরমা

পাউখুমনা হংলি



পাউখুমনা হংলি

পাউখুমনা হংলি

নিংথোউজম সুরমা



মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ,
থৌবাল মশা

ꯄꯥꯎꯈꯨꯝꯅ ꯍꯪꯂꯤ

PAOKHUMNA HANGLI

A Collection 18 Short Stories

by Ningombam Surma



অহানবা ফোঙবা ঃ ডিসেম্বর ২০০১

কপী মশীং ঃ ৫০০ (চামঙা)

মমল ঃ লুপা ৬০ (হুম্ফু)

মথুম ঃ বিদ্যা বাচসপতি

ফোঙবা ঃ নিংঙোম্বম ওংবী তোম্বীমচানা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল মশাগীদমক।

ফংফম থোকপা হক পুম্নমক অইবীগীনি।

নম্ফম ঃ *সিরোই ওফসেট প্রিন্টর্স, থৌবাল।*

অইবীগী ৱারোল

মী'ওইবনা খঙ-হৈবা হেনগৎনবকপগী মতুংইন্না অনৌ অনৌবা তেক্নীক্তা ফজ ফজববা মগুন লৈববা লাইবিক কযা পুথোকনবকলবা মতমসিদা ঐনা তৌবিসিবু হেক খল্লুবদা পঙইদা ইকাযজে, পঙকিদা কিজে। মীমাঙদা পুথোকপা যারা যাদব্রসু খঙজদে। যাম্না নীংজিং-মাঙজিংনৈ। ঐগী ইর্চেশিং অমাদ ইনাওশিংগী পুক্নীং থৌগৎপীবা কযানা লাইবিক অমত্তং ওইববসু ফোংদোক্লীংখি। ইকায-ইকায কিজবা কযা মীৎ-না চেজেৎ উইশিল্লগা হেক্তা ফোঙদোকলগে খন্দুনা ঐখোয ইচেতা (নিংঙোম্বম সুনিতা)দা ফোঙসি হাযকই। অদুদগী' ফোঙদোক্লবগী দাইস্ত্রা পূম্বা (ঐনা তৌফম থোকপা) মানা লৌখি। ইবসু মাগী মতুং ইল্লগা ইবা হৌখবনি। ঙসি ফোংজবা ঙমলিবসিসু মহাকমক নৎলমদ্রমদি ওইথোকলমদবস্ যাই।

অদুগা তাবিদ্যা (বিদ্যা বাচস্পতি)না তৌবীখিবশিংদুগী লমন্দি প্যূক্সসিদা শিংবা ঙমদনা তোনশিন্দুনা লৈবগনি। খুৎই ওইনা লৈবিঙৈদা পাবিদুনা অশোয-অঙাম যেংবীখিবা, প্রুপ ককপীখিবা, অমদি লাইবিক্তী মখুম যেকপিবতা নত্তনা তাথোক তাশিন তৌমিন্নখিবা মদুগী মমলদি ঐখক্তনা খঙই।

লাইবিক্কী মমিং থোনবসিমক ঐঙোন্দা অচৌবা অৱাবা অমা ওইখি। মমিংসিসু তাবিদ্যা অমদি ইচেতা মখোয অনি চঙদুনা থোনবিখি। অতোপ্পা ৱাবীমচা অমা-অনিগী মমিংসু মখোয অনিনা থোনবিখি।

লাইরিকসিদা য়াওরিবা ৱারীমচা খরদি অথৌবা অমদি য়েন্নিং চেফোঙদা হাপখ্রে। লাইরিকসিদা হাপ্নবগী শিন্দোকপা মতমদা শেমদোক-শেমজিন তৌখিবা অমদি মমিং হোংখিবসু য়াওরে। মসিগীদমক মরী লৈনবশিংনা ঙাকপীনবা হায়জরি।

লাইরিকসিবু থৱায় যাওনা হোৎনবীদুনা নম্বীখিবা সিরোই ওফসেট প্রিন্টর্সকী তামো সরতচন্দ্রা অমদি স্তাপকী মীওইশিং, ঐখোয়বু মতম খুদিং লমজিংবীদুনা লাকখিবা ওঝা যুগেশ্বব (যুগেশ্বর ৱাইখ্বা), ঐবু পুক্লীং থৌগৎপীখিবা অমদি ইতেং পাংবীখিবা মরুপ-মপাংশিং পুম্নমকপুসু থম্মোয় শেংনা থাগৎচবগা লোয়নননা তৌবীমল খঙবা উচ্চবি। মণিপুবী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল মশানা ফোদোকপগী অযাবা পীবিরকখিবগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

অবোইবদা লাইবিকসি সাহিত্যবু নুংশিবিবা অমদি থৱায যাওজবশিংগী মফমদা শিন্নজরি।

এন: সুরমা

য়াওফম তাকপা

বারীমচা/লামায়

গোকুল/১
লীপুন অমসুং লীপুন/৭
পুন্সিগী মচু/১৪
নুমিৎ তারক্লিঙৈ/২৩
ব্রায়েল/২৮
পাউখুমনা হংলি/৩৪
শকউদবা লৈইশিং/৪৩
নোংলক্তা থাবল মঙাল/৪৭
মরী অমা/৫২
মাঙজবগী তোংজবা/৬২
মৈগী চীং অমসুং য়েন্নীংথা/৬৪
মপুং ফাদবা সংসার অমগী মফজ/৭১
লাই হরাউবা/৭৯
লম্বীগী অরোইবা/৮৭
নুমিদাংব্রাই অমা/৯৩
পম্বুং তাল্লিবা খোঙথাং/৯৭
মরৈবাক নীংবা নুপা/১০৫
পৃথিবীগী খোঙচত্তা/১১২

গোকুল

বাধামনিগী অশোনবা অমা লৈ। মদু মাগী মনীং তম্বা পুম্বা যাজিল্লিবা, থম্মোযবু শোম্বহাল্লগা মচানুপা যাযমা হরিদাসনি। বাধামনিগী মবাল লেফদ্রিবা থম্মোযদু হরিদাসকী মামাংদ্রবা ফাংমদুনা হেক হেক মবাল লৈহল্লি।

ভুস য ডশং মৈথবনি। বাধামনি যাম্না চোকথৈ। যমলিনদুদগী শুকহৌ হৌগংলাংদে। মচানুপী অতোম্বী মমাগী নাক্তা ইশি শিনা তুমলি থংনবা কাদা হরিদাস মতোমতা লাওলি। মবক মবক্রেস্ মমাবু কৌযকই। নহালমখৈ ওইবম্লবদি শাগমানি মবুদ্ধি থাংথবা মচানপাগী মনাওগা ফমদুনা মচানুপাবু শেন্নবমগদবনি। ভসাই যাচঙলকপগা থবক কম্না চিল্লিহৌদুনা, হরিদাসনা অবেব থবম অমা পযবা। মচানুপী অতোম্বীবু কোয তান তাখিবদু। যৌবম্বা ফি-বোল মথং মথং লৌশিন্দুনা থুপচিল্লিহৌদুদা মচানুপানা বাধামনিগী খ্বাওদা কোল্লগা হুক হুক লৈনা লোংহৌ। অদুবু বাধামনিদদি যৌদোক্নুনা চহী ১৭ / ১৮গী নীংথীবা পুম্বনা তিল্লবা বাধামনিদুনা অদুগা মাগী মীমাল্লদ্রবা হরিদাসনা মীওইবগী জ্ঞান যাওদবা গোকুলনি।

মতমদু গোকুলগী মথোঙ-হুত্তবা মতৌদুনা বাধামনিবু যাম্না খোযবাও খোযশাউনহনখি। কযাবক তানথোকখি-থেমদুনা নত্তুগা থীনা চৈদুনা। নোংঙানবগা

হেক্তা যৌবকই, অমুক হেক্তা ওৎলৈ। নুমিত্তুমগী মাবু কোযশেন শেন্নদুনা, কোযতান তান্নদুনা লৈখি। বাধামনিগী মমানা বাধামনিগীদমক কযা ব্রাজখি।

"গোকুল, মবম ওকপা ইচানি। নচেদা অদুম তৌবা হৌনদে।" বাধামনিনা গোকুলদগী থাদা খবা হল্লি।

"অবেবদি যাওশঙ মৈ থাফমদা নমান্নবা মযামদা তৈগদবনি। চৎলো চৎলো লম্মাঙদা।"

বাধামনিগী মমানা খেন্না তাবীখিদে। বাধামনিগী ঈকায খোযশাউনবদু খঙবীখিদে কাদা [illegible] খাঙখি। খোঙজীন্দনা মখুত্ত অবেব [illegible] লেপ্পি। [illegible] তাল্লকপদগী অবেব পৃদনা লাকখিবনি। [illegible] ফমদনা [illegible] উমখিদে। বাধামনি [illegible] ঈবজিহ [illegible] [illegible]

[illegible] বাধামনি [illegible] চৈনি,

"[illegible]"

[illegible]

"[illegible] চেংবা [illegible]।"

"[illegible] চৎসুদনা [illegible] চৎখোক্কস্রা?"

"যাদে, খোঙ [illegible]।

খোঙদা হন্না থান্নি [illegible] মমানা [illegible]পাশিং তৌবগা মযুমদা থিলহনখি। থোঙ্গালদা লাউ খো[illegible] চ[illegible]খি।

পিচকারী নুমি[illegible] [illegible] অদুম বাধামনিবু তৌফম খঙহনখদে। খুত্তা অবেবগী মহুত্তা অশংবা শাখেনা [illegible]দগী তমীন্না চঙলকুন্না বাধামনিগী যাঙলেন্দা শেং লাউনা কল্লবৈ। মবম ইবে [illegible]ত্তনা চৈনা যংলবা বাধামনিনা চৈখি,

"ওক্কবা, গোকুল!"

বাধামনিগী চীন্দগী খোকখিবা মীচৈদু গোকুল ওইবমদদুনা কনাগুম্বা অমা

ওইবমলবদি বাধামনি অমুক হন্না মায উৎপা ঙমখিগদ্রা ?

"ঙাওচৎ-ফৈচৎনববা নঙনসু কবিবু খঞ্জদুনা ইনাক্তা নৈববিবনো ? চৎখ্রো মী ওক্তুনদা লৈকদৌ শকক শাবৈ হৌবকপদা ঈশিংদা তাদুনা শিজকবো।"

মীওইবগী জ্ঞান যাওদদুনসু ব্রাহৈদুর্দদি চৈথেং ফংখিববা ? তুমীন্না চৎখি। মমানা বাধামনিবু চৈবীখি অদুম্না ঙাঙবা হৌনববা হাযনা।

বাধামনি য়াম্না নুংঙাইবক্তে। ফনা ওইসনু অদুক তমথীবা ব্রাদুদি হাযবমলোইদবনি। কবিগুম্বা গোকুলনা ঈশিংদা কুমদুনা [illegible]নবা হে[illegible]নবমলবদি মশাগী খম্মোযবু ঙাকপীবা ঙমগদ্রা ? পুন্সিগী ইন[illegible]ৎলকপা পুন্না[illegible] [illegible] [illegible] মতা[illegible]দা গোকুলনা হন্না হন্না [illegible] মা[illegible]যাওবা লেপলে [illegible] অদু[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]না [illegible] পান্সদগী অদ[illegible] [illegible] [illegible]কাখিনা পাম[illegible]নবা ? মদুদি শুকনা[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] গোকুলনা [illegible] [illegible] [illegible]। অদবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]দা[illegible] [illegible]নবনো ? [illegible] [illegible] [illegible] মী[illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] পুন্নী ঈথ[illegible]দনা লৈশাৎ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]নবা পাব [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]নুংঙাইহে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মখোযগী পুন্দা [illegible]পুন। অমত্তুন পুন্দে। অদুবু গোকুলগীদি লাপুন অমা লৈ। কবিগুম্বা নুমিত্তা [illegible] লাপুন্দুদগী [illegible]কপা [illegible]। মদুসু গুপ্নগী বাধামনিগী [illegible]।

মথংগী নুমিৎতুদি গোকুল উবা ফংখিদে। বাধামনিগী মমানা নুংঙাই[illegible]না হায়, "মা[illegible], নঙসি ও[illegible]কপনিদা, গোকুলদু শাউথ্রমাল্লে, লাক্লেনে। মীমাগদ্রে খঙলমক্তদা নঙনা মাবু হেক হেক থীনা তৌবীবা। মীওইববু তম্বা ঙমব্রা ?" মমাগী ব্রাদু বাধামনিনা কবি হাযবিবনো খঙখিদে। মানা খনবা হাযববু থীনা ঙাঙলুবদুনা গোকুলনা লাক্লিবনি। ইবায লাযনা খন্দোকই- ফনদুম ফবে, কবিগুম্বা শুকলাকপু লাক্লবদি মাগীদি পক্কানি। অদুম ওইনমক নীংজং-মাঙজিংনবা অর্মাদি অদুম পোকই।

নুমিৎ ফনা যাম্না হৌখ্রে। গোকুলদি অমুক উখিদ্রে। নোংমদি বাধামনিনা তাবে, গোকুল লাইহৌ তৌদুনা নাবি। “ফনদুম ব্রাই শংলে, খবা কুইনা নাদুনা লাক্তসনু” হায়না মমাগী নুংঙাইজদবদুদা থৌশাদনা হাযদোকই। অদুবু বাধামনিগী ব্রাকৎপু অবেম্বা তাহন্দুনা ফাওবকলে অমুক মপুং মবৈ ফাববা, ইনখৎলকপগী অঙাওবা ঈথক্কা লোযনববা গোকুল।

মতমনা বাধামনিগী পুন্সিদসু অনৌবা ঈথক হৌহল্লবে। কলেজগী ক্লাস লোইববা তুংদা অমুক প্রাইভেৎ-ট্যুসন্দা ঙাইহাক্তা শংলক্রবা মতমদুদনি লেমহৌবা মাগী মতমবু মেনশিল্লবিবদু শকখঙদবা অসিনা। মসিদা গোকুলনা লীৎশিল্লুনবগী তাঞ্জা লৈতে। নুমিৎচুপ্পা কোম্থোঙদা ফমদুনা বাধামনিনা হল্লকপা ঙাইদুনা লৈ। হল্লকপদু উবদা অমুক হন্না নীংবা কায। অদুক কুইনা ঙাইজবগী মহৈ ওইনা বাধামনিগা লার্কমিন্নবিবা শকখঙদবদুনা মাবু মুন্না যেংদুনা নোকফেৎ তৌবীবম্মী। মদুদা ওইবে গোকুলগী শাউনীংবীসু।

“এনা মাবু মখোঙ খুদেক্কনি, অমুক লাকপা ঙমদনবা।” বাধামনিদু নোকখোবকলে।

“হোয়নে হবংচা, মচনা মাবু কিতল্লুর্দিনি। মত ক অমুক চংশি যাদে। মচবু কেবমাল্লে।”

মখোয় হাকরে তাবদা গোকুলদু হনাউরে।

“অদুদি ঐসু কোলেজদা লাক্কে?”

বাধামনিদি মহৈশাং লৈবানি। লাইব্রেরি শাউবসু মদুগা লায়রিক চংবা শারই। মদুগা হন্দক্রে নোকনরিদনা খবা তৌরে। মপনদা গোকুলগী মাদা অমুক খোমশাউরদ্রে।

“ঐ লাইসু কোলেজদা লাগে হায়বিরো? অদুদিনো ফিরোলদ্ অহনবা শেংনুখো। ঐ ওইনা গেঙ্কো থুনা লাবগে।”

বাধামনিগী হোৎনবনিংবা মতৌদুনা গোকুলবু যাম্না ঙকহনখি। কনবিগী ঙকলিবনো হায়না খন্নবা বুদ্ধীদি গোকুলগী লৈতে। হবাউ হবাউ বাধামনিগা কোলেজ চৎমিন্নবগী আশাদা বাধামনিখোযগী যুম যৌবক্পদদি বাধামনিদি চৎখিবমলে। নুমিৎ তাবমদাইদা শকখঙদবদুনা থিল্লকই। গোকুলগী শাউববা মাযখোঙ উবদা বাধামনি মতোমতা থীক থীক নোকই।

“ঙসাই কাউবমদুনা তৌবনি। হযেংদি শোযদনা পুবীবগে ?” গোকুলনা ওয়না খুমলকই,

“নঙ হযেংখৈ কোলেজ চৎলনু মনি। নঙগী থবক ঐ লোইনা তৌবীগে, ঐখোযগী মনীংগী হৈনৌদুসু মযাম হেকপীগে ?”

“এ, অওইববানে গোকুল ? ঐগী থবক তৌবীনি, হৈনৌসু হেকপীনি হাযবদি হযেংদগী লাইবিক্কা তমলবোই। নঙগা শুম শান্নদুনা লৈথোক্কুওই। মপা কনানা কনবিবু তৌজবনি হাযগে, নত্ত্রা ?”

অদুবু গোকুলগী লাইবক্তদি নুমিত্তু অমুক লাকখিদ্রে। মথংগী নুমিত্তুসু মাব তাকলমদনা কোলেজ চৎখ্রে। নমীৎ কযানি তৌখ্রনা ফাওবা বাধামনিদি লাইবক তম্বা তোক্ক্রে। গোকুলগী থম্মোযগী ব্রাকৎতু মনিনা থৌশাবিখিদ্রে। পূমকাউবু কাউথোকখ্রে।

অপঙবা গোকুলগী থম্মোযদসু ব্রাবৌনবগী হক অমদি লৈ। পীকলিংদগী চংমিন্নবকই, শান্নমিন্নবকই, মদু বাধামনিনসু খঙফম থোকই। অদুবু খঙাশিন্নখিদে ব্রাবৌদুনা গোকুলসু ফনা কইনা লাকখিদ্রে।

লোংমা ঈখন্ত্র হংদুক্লৌদনা বাধামনিখোযগী চাকশঙদা মমানা মনাক্তা ফমলগা গোকুলনা চাক চাবগ্নদ ৮ রে। বাধামনিনা থোঙ কানশিল্লকপগা ঙক্কুনা হাযনখী,

“এ, গোকুল সাংহৈবাননা ! শুহালমখৈদি কৈদৌকববা ?”

কুক হৌগক্তুনা গোকুল চেনথোকখ্রে। বাধামনিগী মমানা সংসাবদা কনানসু হন্না যেংবীদ্রনা বুদ্ধি ব্রাৎলবা নুপামচাদুনা চৎখিবদু যেংদুনা লৈহৌই।

বাধামনি যুনিভার্সীতদা ওন্নবগী তোষ্টেলদা লৈকবে। গোকুলবু উনবগা তাঙ্গা ফংখিদ্রে। গোকুলগী ব্রাবৌবদুসু পাক হেক ফখো যাখিদমাল্লে। বাধামনিনা যুমদা লৈববা মতমদসু গোকুলদু শকফাওবা উৎলদ্রে। ঈশ্বরগী কবস্বা খুৎশেম্মো মহাকপু মাগী থম্মোযদা কবস্বা ঈশ্বরনা চঙদুনা বাধামনিগী মাযকৈদা পুক্লীঙ চিংশিলহল্লিবা? অদুগা অমুকসু অপঙবা মাগী থম্মোযদা ব্রাবৌবা কৌবা পোৎশক্কুনা কমদৌনা চঙখ্রিবা ?

লুহোংলমদাইদু গোকুলবু অমুক্তং উনীংখি। মতম পুম্নদা মাবুতা খঞ্জবা মীমান্নদ্রবা মাবু অমুক্তং অবোইবা ওইনা যেনীংলকখি। নোংমা চাকশঙদা উখিবদু নত্তনা বাধামনিনা মাবু উখিদ্রবনি। ফনা উনদদুনসু গোকুলনা বাধামনিবু মাগী পুক্সিদগী চৎখ্রে হাযবা খঙলমদবা যাই। ঙসি মশামক্লা শেংনা খঙজগদবা পূংফমসিদদি গোকুলগী ব্রাবৌবদু কবিদা ওনখিগদগে লাম্বা ফংদে।

কবিগীনো খঙদে, ঙসিদি বাধামনিগী পুক্লীংনা অঙাং ওইবিঙৈগী মকপতুবু যাম্না কন্না-হেক নীংশিংলক্লিবা। মমাদা হংগে খল্লি। অদুবু তমথীবা পাউ অমা তাগদবগুম নীংজিং মাঙজিংনবকই। মমা মশানা চঙলক্কুনা তাঞ্জা অমদা হাযবকই,

"গোকুলদু যাওজববাদ নুংঙাইগদবনি। ওস্থোক্লসু লাপ্না পুবীখ্রেনে। ইমীৎসিনা উজববু ফংলবোইদ্রা ?"

"কদাইদা পুবীখ্রবনো মাবু ?"

"মনে থোকই হাযব্রা আঃ কছাবদা। মফম খঙদ্রপোৎনি। মীনাইবু ওইহল্লীববা? ঐগী গোকুলদু কবম্নবু মফমদুদা লৈবিগবা ।"

মমাগী মমাগী পি চপ্পকল্লে। ফজিনা তাবকপা পিদু তৈথোক্লগা মখা তাবকখি,

"মমানা হেক লৈখিদ্রবগী মফম খঙখিদ্রবনি। মযাম্ননেনা তৌনীসিদু মানুংশগাদু লৈখদ্রমানে। হে, ঈশ্বর অপঙবা মাবু কবিগী সংসারসিদা থাবিবক্লিবা।"

বাধামনি নোংমতা ঈশ্বরগা অঙকপা থুৎশেম অদুবু খন্দুনা যেংলুদে। মমাগী মীৎকী পিদু উববৎদা খঙলকই গোকুলগী মপোক থীববা পুক্সিদুনা চল্লম্বা পাঙখোঙদুগী অর্থ।

"ইমা, হনিসি কাঙনা লোযবান।"

মচানুপা অহলনা লাঙবমলগা মশাগী কাদা চঙখি। ফুক হৌগৎতুনা তৃমদুনা লৈবিবা মচাগী নাক্ত চঙদুনা লেপলুই। পমখৎতুনা অতৃম্বা মচাগী মবাইবক্তা নান্দুনা মমাৎ কুপতনা যেংলকই।

লীপুন অমসুং লীপুন

কবিগুম্বা সনদাবু অদুম্না হোটেলগী মৈখু মবক্তা নমশিল্লমদদুনা অতৈ নুপীমচাশিংগুম স্কুল চৎত্রল্লমলবদি মহাকসু স্ববসতিগুম মহৈ মশিং হৈরমগদবনি। লাইবক লাইসু থব্রায যাওজবা মপুবোক্লা মশূনুপীবু স্ববসতিগুম মহৈ মশিং হৈত্নীংদুনা থোল্লম্বা মিং ওইবম্বা যাই। সনদানা মপুনোক্কী অনীংবা পুম্না পুমতোই তেংহন্দ কাযহনাখদে। মমান্নবীশিংনা স্কুলদা হৌশিংলিবা অদুগা শরুক কয় তেল্লা মহাক্লা থোংবা থাকপদা হৈ শিংই, বুদ্ধি লৈ।

মদুবু লাইবক্লা মাবুদি শাথানা ওৎপিনকই। মমা ঙম্তানা কাযনখি। মপানা হোটেল ফমদুনা মখোয মচিন মনাও অহুমবু যোকলকই। সবদানা মচিন মনাওশিংগী মবক্তা অহল ওইকবদুনা লাইবিক তম্নবা মতম ফংলক্তে। ঙসিদি মাগী মপাসু হোটেলগী থবক্তগী মায ওম্লোকখবে। যু ঙাওদুনা অযাম্বা মতম লেনখ্রে সবদানা পার্কইদেগী মাগী যু ঙাওবা মপাবু ব্রাবৌবকই। ব্রাবৌবদু নোংমা নোংমগী মানা চাওশিল্লকপগা লোযননা মৈচাক মপৈগুম থম্মোযদা ওমখৎলকই। মদু কবিগুম্বদা মৈবী থোক্লক্কদ্রা হাযবা চিংনদবা ঙমদে।

চহী কযা অমম্বা হোটেলগী মৈখুনা চুশিনহনখ্রবা মাগী থম্মোযগী অতিযাদা নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা নোংথাঙ কুপলখি। মহাক থাজখিদে, মাগী হৈনীংদ্রবা

পুক্লীংবু অসুম্না অনৌবা ঈথক হৌহনবা ঙম্বা পোৎশক অমা লৈবমখিনি হায়বা। নুমিৎতু সবদা শাউখি। মপাগী মথক্তা শাউবসি মাগী ফজবা নত্তে হাযবা খঙদুনসু মহাক শাউদনা লৈবদি ঙমদে। মাবু হেক্তা শাউহল্লি। অশাউবদুগী মকমদা ব্রাকৎ যাওবি। মসি মাগী মপানা কৈদৌঙৈ খঙবিগনি?

"ববা ঙসিদি চৎথোকখ্রনু। নাওবসি মশা যাম শাগৎলি।"

"নখোয অহুম থাক্লবা হোৎনবদনিনে ঐনা মীমান্নদ্রিবসে। হোটেল ফম্বা, চা বোবা হৌবা' সিবু নুপানা চৈনবা থবকনা' হৌজিক্তি নোই চাওবে। ঐবু সুম চেন্নাবিবসি কবিগীনো।"

মবী মনী ঙাঙখনকলিবা মপাগী মতৌদুদা সবদা শাউনীংবনা লোইবে। অদুগু অশাউবদু নমদুনা ফাজনবা হোৎনৈ।

"নাওতোম্বীদি স্কুল চৎকদৌবিনি ববা। যুমদা কনাসু লৈত্রদ্রি নাওবদু মথন্তা নংখ্রাইনবোই। ববানা হোটেলসিদা ঙাইগা ক্তা লৈবীবন্মু।"

"নোইম্সি ঐনা হোৎনবরিব্দনি। হৌজিক্তি ইপাসি পোখাঙ্গবসনু হাযবা বাগন মচেৎ মমত্তা পক্তবনিনে। ঐ হোটেল ফম্নবোঙ হাযনা ফমদ্রবনি।"

মু থকলবগী মমাংতু উইনম উইবন চৈন সবদু খবা হোৎলগা মথং ... ,

"কান্নদে, টৈশা কযাম শাৎলে? কদাই যেংগে কৌটাদু।"

সবদাগী নাকলদা লৈবরা টৈশা। গাপ্পা কৌটাদু তাপ পাযখৎলি। সবদানা থুনা ফুক হৌগৎতুনা কৌটাদু যাল্ল।

"ঙসিগী চেঙ বাদ্র। লৌখিনু ববা।"

মুন্দুনা লৌখ্রগা মথম হংদোকহ্রে। উপায লৈতনা সবদানা যেংদুনা পোব পোব ঙাঙলি।

"অঙাংশিং চবা হেল্লনি। নাচাশিংনা চবা হেল্লগা যু ঙাওদুনা লমজাওদা লাউবা ঙল্লিবা নঙবু কনম্বা মপানো?"

হাইবং হাইবং মানা ঙাঙলিবদু তাশিন্নদনা অযাওবা শেলমখৈ পুদুনা থোকখি।

তাঞ্জাদুদনি তুংলোমদগী অনৌবা খোঞ্জেল অমা তাখিবদু।

“মৈখেৎ অমত্তা লৌজগে ?”

তাবক্লিবা পিদু মখুৎ ওযনা শৎ তৈথোকই। মায লৈথোকলুববদি লাক্লিবা মীদুগী মীৎযেং চিংশিনখ্রনি খন্দুনা লৈথোক্কনা খুমলুই,

“ইশানা হেক্তা লৌবীগে ?”

ঙাইহেদু অদুক হাক্লা ফজদবা নক্তুগসু শাউখিবগী মমিদুদি খোঙ্জেলদুনা কোকঙনবা চমদ্রে। খোঙ্গোক মতাদুনবা নক্তুগা মাযফাও' ওনশিল্লক্তবদুনবা কবিনো অমুফসু হাযবকই,

“মৈখেৎপাদ লৌজগে। শেলগিদি কমদৌনা, যাগো চংপানি ?”

হেন্না মৈচাক হাপচিল্লকই নদাইদগী যাগো [illegible] অচাইবফা ও যা ওদ্রকানসিদা।

“[illegible]না লৈতে।”

“[illegible]”

[illegible] খুমলমগদগনি। [illegible] [illegible]

“[illegible]”

[illegible] লাযববা অমগী [illegible] অকলে অনিং শাংলগনি ? মসিদি [illegible]

“পামলগবু হেক্তা [illegible] খনববা ?”

শাউনা শৎ লৈথোক্লনা হাযকই। ওসাই মখৈ বপলুবগী [illegible] মাম, শাউনীংলবা মীৎতু নুপাদুনা উখিনি খন্না তোৎনকবদু অনেম্বা তাখ্রে।

কবিগীনো খঙদে, মাগী অশাউবদু অঙকপা অমদি তৌফম খঙদবা ওনখিবস্মা। ঙাং চাওবা নুপাদুনা অঙকবা লিংজেল অমা লোযনবি হাযবা উবদা খঙলম্মী। অদুবু

অদুম্না তমথীবা মী অমা ওইবগী মমিদি মাযথোঙদুদা মচেৎ অমত্তসু তাবা উদে।

পঙথবগুম ঙাইহাক লেপলুববা তুংদা মশাবু নীংশিংজবক্তুনা নোম্থবম্মী। মহাক্না খঙলম্মী নুপাদুগী মীৎযেংদি হুম্থখিদ্রে।

"শাউবীবমালে।"

নুপাদু নোকলকই। অচম্বা খোম্থোক্তা মখা তাবকই,

"অসুম্না মবক মবক্তা উপায লৈজদ্রবা মীওইশিংদা অকন অবিং শীংবগীসু নুংঙাইবা লৈ।"

কাব লাইনা পৃথিবনো খঙদে মতুংদা কযাবক লাকখি। ফনা যাম্নসু নকশিন্নখি। অদুবু নুপাসিবু খঙবদি মঙমখিদ্রে। নোংমনা নোংখাঙগুম শৎ হেক ঙাল্লে। অমুক নামং এযর্নি চুপ হেক লুপখি। অঙক অঙকপা লমগী মীওই মখল কযাগী বাবী লাবৈ। কবিশুম্বদনা ইচম চমজ্রনা ইনখৎলকপা নুপামচাশুম নোক খেদুনা লাঙলৈ। পল্ট কযাসু মীগা চান্দনী তাখা মহাকসি মপা হাংলমলগা জেলদা চহী কয লৈরুবনা মাওর্নি। গুক্তবনি, যু থকপা জলাবীনি।

নোংমা থাজদনা নুপাদুনা হাযবৈ,

"ঐদ নাম্না ওক্রবা মীনা।"

"অদু কৈদৌববা?"

"ঐগা মবমদা মীনা কাব কবিদি হাযনৈ?"

"যাম্না ঙাঙনৈ।"

"নঙদি থাজববা।"

শুকথামক হান্দনা মলম্লবদি অসুক লুনমলোইদবনি। মহাক্না হংলর্কাল "নঙদি থাজববা?" মাগা অচুম্বদুবু খঙতন্নীংদুনবা নক্তগা সবদাগী মফমদগী কবম্না পাউখুম পামখিবনো?

"অচুম্বদা থাজবদি মশানা তাবনি।"

মসিবু মতীক চামনদ্রিববা? হোয, নোংমবুদি মহাক্না হাযদোকলুবা অমবুদি লৈখি "মপান্দা উবিবা নঙগা অশেংবা নঙগা কযাদা খেন্নবিবা?"

অদুগুম্বা সরদাগী ব্রাফমদু মহাক্কা ঙসি অমুক মিহৌদুনা হংলরিবরা ?

সরদানা নুপাসিদা শুমহৎপা লৈ। মদুবু মহাক্কা মমল ব্রাংনসু লৌনীংলুদে। অদুগা করিসু লৈতবনি হায়না খল্লুবসু লৈতে। মসি মহাক্কা মশাগী থম্মোয়বু খুদুম চনবা ঙমদবনি হায়বসিদি খঙই।

"তারবা নত্ত্রা, ঐ কয়াম ওক্তবগে হায়বা? অদুনা ঐ ইশাগী অমোৎপা মরক্তা কনাগুম্বা অমত্তবু চিংশিন্নীংদে। নঙগী তরু তরুবা পুন্সিসিদি কয়াদা ফজখ্রবনো?"

সবদানা নোক্কুনা খুমখি,

"ঐদি খঙদে, নঙবু য়াম্না ওক্তববা?"

"ওক্তে। যাম্নসু ইনীং তম্মী।"

"অ ওইহবগীবা? অদুদি কিজবেদা।"

নুপাদু নোকথোবকখি। মহাক্কী মীনোক্ত অযুক্কী অতিয়া গুম নীংথিজে। মীনোক্তগী ঈপোল্লক্তা সরদাগী থম্মোয়গী ঈথকসু যেৎশিন্নখি।

অদুবু ঙসিদি মহৌশাগুম সরদাদা শুমহৎপদুনা অমুক খুদুম চনবা ঙমদ্রে। ঙসাই নুপাদু লাক্ক্রিঙৈদা মশাবু চেকশিনজখ্রবনি। হঞ্জিল হঞ্জিল মপুক্কীংদা হাযজৈ "মফম মবাং খঙদবা নুপাদুগীদমক ইশাগী থৌদাং কাউথোকচবা ঙম্লোই।"

"ঙহাল মখৈদি অচুম্বনি হায়বা খঙলমদববা?"

"করিবো?"

সবদাগী ঙক্কা হংলকপা ব্রাহংদুদা নুপাদুসু মঙোন্দা ঙক্কা য়েংলকই।

"হৌজিক নঙনা হায়খিদাই, ঐগী মরমদা ঙাঙনরিবশিংসি থাজৈ হাযনা" নুমিৎ অমদাদি নঙনা হায়খি, অশেংবা ঐগা মপান্দা উবিবা ঐগা অমত্তা নত্তে।"

সরদাগী পুন্সিদা থম্মোয় শোকপা কাউগে ঙমদবা অমথক লৈ। মাগী মমানা শিখিবা মতমদু। মহাক য়াম্না অঙাং ওইরি। অদুবু মমাগী মৈচাক্তুদি মঙোন্দা চপ চানা ফাওখি। নাদুনা লৈবিবা মমাগী নাক্তা মীৎকুপ অমত্তসু মপানা ফম্বীখিদবা। মমাগী পেন্দবনা থল্লবা খৌরাংলবা মীৎয়েংদু মাগী য়ু ঙাওদুনতা লৈবা মপানা খঙবীখিদবদু।

করিগুম্বা মতমদা মহাক্কী পুক্কীংনা নীংতমগে তৌরকপদা মদুনা হেক্তা অপনবা

ওইবে। মাগী মমাগী মৈচাক্তু নৌহৌননা হেক্তা ফাওবকই।

নুপাসিগী লমচৎকী মবমদা কযা তাবক্লে। মসিদা মহাক্লা মমাগী লাইবকপু নীংশিদবা ঙমগদ্রা? মাগী মমানা যু ঙাওবা মপাগী খুত্তা মাঙখিবগুম মহাকসু শকখঙদবা কনাগুম্বা অমগী খুত্তা মাঙখিগদবা? নত্তে, মাংখিবা যাদে। মাগীদি থৌদাং লৈবি। মাগী কনাসু লৈত্রবসু যু থকপা মপা অমদি মনাও অনিগীদি মহাক লৈতবা যদে।

কপ্পা ককম্লবা খোনফমদা সবদানা খুমলকই,

"ইশাগী শক্তি ইশানা খংদনা বদুনা অতোপ্পদগী তাবনা কবি কান্নদগে?"

ঙসিক্ত নুপাদুগা শকফমদু পূমণ্ডনা ওনখ্রে। মহাক্লা সবদাগী মফমদনা অদুগুম্বা পাঙাংগী অশা তৌনন্দনা যাই।

"এনা অপোকপা ইপামকপু হাংখ, মাহাক্পা মীবু হঙ্গোইদবা বিদনা কনা যাওবগে? কানগুম্বা নুমীত্তম্ ঐ ইশানা ইশাবু কাউথোকচদে। অদুগা ঐগা ওইনবা ফিভমসিদা ইশানা যানাংদবা নাংহনবা লোংমগুস পাংলু। মদবু কানগা নাখ ওদে, নঙগা থেংনকনসিনা ঐ ইশানা ইশামকপু লাপ্পা ইন্নোকনাংই। এসে ঐ ওইনাংলক্ত্রে।"

"অসেগীদি ফংলো। নাবীদ নোংমা তানগ। পাঙ তাল্লগ?"

"ঐ, অসুক ঙম্লা?"

"গুমদা থবক লৈ মদনা"

নুপাদনা সবদাবু থামদনা হায়,

"নঙনা খল্ল, ঐগীদ লাপ্না লেপ্পে। অমা এনাসু হায়খি ঐদ শাথানা ইনাং তম্মী। ভুশেংবদি ঐগীসু লপুন অমা লৈ। নঙ তাগেবা?"

"নত্তে। তাবোই, নঙ চৎখ্রো।"

ঙসি সবদাগী মতৌসিদা মহাক পূমঙক ঙকপদি তৌদে। অদুবু মপুক্লীংদা নুংঙাইতবা অমদি ফাওবকই।

"ফবে চৎখ্রগে। সংসাবদ ঐগুম্বা ওক্তবা মীগী লেপফম লৈতে। অচীকপা অথোৎপা হাযবদু মনম ফাও' নমলুবা যাবা নত্তে হাযবা ঐ শুকখঙমক খঙদবদি নত্তে।"

"মদু খণ্ডলবদি অমুক লাক্লবা হোৎনরনু। ঐখোয়গী শিনফমসিদি মীনা ভাণ্ডনগেদনি।"

"মীনা ভাণ্ডনবগীদি ঐ থোইনবু খল্লুদে।"

মাগী ৱাঙাঙদুদা সরদা খঙশাউ শাউনীংবা পোকলকই অদুবু ফাজিল্লগা অচেৎপা খোনফমদা হায়রকই,

"নঙ চৎখ্রো, শুকলাক লাকলনু।"

"চৎখ্রগে, অমুক লাকলরোই। পুন্সিসিদা করিগুম্বা অথোৎপা অমেঙবা হায়বদু মশক খঙখিবা থোকলবদি মদু নঙগী ননাকসিদনি। নঙবু কৈদৌঙৈদসু কাউবা ঙমলোই। নঙগী লম্বীসিদা ঐনা অমোৎপা অমত্তসু তাহনগে হায়না খনখিবদি লৈতে। নঙ মসিমদি থাজৌ। অদুবু থম্মোয়সিদা - "

ৱাদু লোইশিনখিদ্রে। তপ্না নোকলকই।

"ফরে তোকলসি।"

খোঞ্জেলদু তাবদা ঙকখি। অসুক কন থৌরবা তমথীবা নুপাসিদগী অসিগুম্বা খোঞ্জেল থোরক্কনি হায়বা সরদানা থাজরমদবা য়াই। সরদাগী থম্মোয়গী শরুক খবদা মৈশা লাংহল্লকপগুম তৌরকই। করিনো চুমদবা অমা তৌরুবগুম মপুক্লীংদু ইশোন শোম্থরকই। মাগী ফিরেপ্তু লাল্লব্রা ফাওবা খল্লকই।

নুপাদু হৌগৎতুনা থোকখ্রে। অমুক্তং খামসিরা খল্লকই। অদুবু য়েংনা য়েংনা মীৎয়েংগী ৱাংমা লানখ্রে।

এপ্রিল ১৯৯৪

পুন্সিগী মচু

কিবন্না নর্মকী [illegible] জোল শেংচিন্নবা কাদা [illegible] কপগা মং [illegible] নস [illegible]

অমা চঙলক্লা [illegible] জীল [illegible] লেপলগা হায়বকই,

"ইচে কিবন, খবা থুনো, বম নম্বব ম [illegible] দা।"

"কবি তৌব'গে।"

কিবন্না হোসপিতেল্দা থবক তৌনব [illegible] চই [illegible] মুকাসি তত্তনা [illegible]

অনাবা শাখীবদগীনা [illegible] ফাওনা [illegible] মকম খদাংদা দনকাব [illegible]

সৈত্রবদি অনাবা ফবা [illegible] গামালে

[illegible] মাগী মনা [illegible] পাই [illegible] চউম্ব [illegible] পাম্বাবা [illegible] দগীস [illegible]

ঈশিং ফাওবা মযাদা নংদনা নংনবা চেল্লব [illegible] । তৌবগা চা কপ [illegible] ওই [illegible]

[illegible] কল [illegible] । [illegible] মতমদা শাং চৎলগা [illegible] খনাখি।

[illegible] মতমদা চোংথবগা [illegible] পদনা চঙলকই। অনাবদু তমলম্মা,

[illegible] নস [illegible] পশাবা মচাদনা হায়বম্মা, অনা [illegible]

[illegible] শাখাপ্রে। কনম্মা ওতদা শাখাবা ওইনদৌনো হায়না মপুক্কীংদা খল্লকই।

[illegible] বিমোলনা মাপু হংতৌই হায়বদুবু কম নম্বব মঙা হায়বা নত্তা। কনাস

লৈতেনা ? থোঙজীন্দা লেপতুনা কাদুদা কোযনা অমুক্তং যেংলকই। থোইদোকপা কবিসু অহোংবা উদে। অতৈ কাগা অমহাগী অমহানি। অনাব'মা ফম্মুংদা হীপলি, অনাবগী হিদাক লাংথক খবা সাইড টেবলদা লৈবি। কিবন্না চৎকদবগী মায লৈথোবকপদা ডাক্তব বিমোলগা থেংনবে।

"এ কিবন, ঐ নঙগা ব্রাবী অমা শানগে খল্লমলিবনি।"

ডাক্তবনা অনাবা লৈবিবা কাদুদা মীৎযেং থমলগা হাযবকই,

"যেংঙু, অনাবসিগী লিভবসি শাথীনা শোকলে। অদুমক্তদা য়ুতবু কৌদুনা লৈ। যু থক্রবদি হিংলোইদবগুম লাউ খোংই। মাবু খবা কুপ্পা শেন্নবা দবকাব ওই। নঙনা খবা যেংশিল্লু।"

কিবন্না হংনীংলকই, কাবগী নর্স অসুক যাম্না লৈনা লৈনা মঙোন্দনা যু ওংওনশিল্লু শানবগী থৌদং শিন্নগদৌরিবনা। মতোংপা অনাবা ওত্তলমললবা কিবন্না কবিসু হল্লমলোইদবান অদুগ্ নপাদু মদুক হাক্না নিশা চুই হায়না। মতমগী মাগী পুক্নীংনা নারৌবিরদসি। মখোয়গী নসতগীনা ডাক্তরশিং ফাওবা মাগী বাবী খওনবা যাওদ্রবনি। কিবন্না মাগী নুপা অনিলবু যুগী থগাৎতগী কননা ওয়াখিদে। কন্না হায়নরি। অদুবু মহাক মায়গ্গাখি। মাগীনি খঞ্জনা মাগী অনিল ফাওবনা মানা বা চাখিদে। মাবু সংসারসিদা মতোমতা ওন্দোকলমদুনা চৎখি। কিবনগী পুক্নীং নাবৌবা অমদি অনকনা নাংখশং চৈথেংদা শাথীনা শোক্নখ্রে।

"ঐনা হৌজিক্তা পোখাইনাখ্রবনি।"

"মাগা হমুংগা মীওইশিং কনাসু উদেনা ?"

"নুপা লৈত্রে। মচা অমা খোইংদা লৈ হায়। ইমুংগা মীওইশিং [illegible] যেংনবা মীওইবনদা।"

ডাক্তব বিমোলনা মাগী বাবী তশিল্লি,

"ওনাং নুংদং এর্ডমন্ট তৌবল্লিনি। মনাওনুপানি হায়বা অমনা পনখই। যাদ ওসি অযুক চৎখ্রে। মপাদু হৌজিক্তা লাকলম্মী। মানা বাবী লৌবল্লিনি। ওস্ত্রেক্ না মখোং হনবা মীওই ওইনমালে। নুপী শিখিবদগী যুদা থকপদা থবক ফাওবা তৎলর্বনি হায। হান্নদি কলেজদা ওঝা ওইবম্মী যাম্না ফবম্মী'না তম্মী। নুপী অতোপ্পী অমসু লৌখম্মীকাসু হায।"

ও! মাগী অনিলগা কয়াদা মান্নবা খেৎনখ্রবা! মানা খান্না থৌওইদনা অনিলনা য়ুগীদমক মাবু থাদোকলম্মী। অদুগা নুপাসিনা মাগী নুপীগীদমক য়ু থকলি। অদুবু নুপাসিনা কিরননগী ব্রা তাবীগদ্রা ?

"মাবু য়ু থাদোকহনবা ঙমগনিদনা ?"

অদুক য়াম্না মাবু থাজবদা মতীক চাবরা ? মাদি মায়থীরবীনি। পুন্সিগী খ্বায়দগী চাওবা লানফমদা মায়থীব্রবীনি।

"য়েংঙু কিরন, ঐনা হোসপিতালসিদা হেক লৈবিবা নর্স পুন্বদগী নঙবুনা খ্বায়দগী হেন্না থাজে হায়বদি মখোয়না ব্রারৌখিনি, অদুবু হাযদবসু ঙমদে।"

ফাগীওই ডাক্তবদুনা নোক্লা নোক্লা হায়বকই,

"মরম খঙনীংবরা কিরন ?"

কিরনসু নোকলকই।

"কবিগীনো হাযবীয়ু।"

"অনাবশিংনা নঙবুনা ইহেন হেন্না নুংশি অদুননি।"

নোংমসু ডাক্তব সোমেন্দ্রোনা অদুম্না ফাগী তৌবম্মী। মাবু অনাবশিংনা নুংশিমন্দুনা পোত্থাবা ফংদ্রবনি হায়দুনা। তশেংবসু হোসপিতাল অসিদা ডাক্তবদগীনা চৌকিদাব অদুদগী অনাবা ফাওবনা মাবু ঙাইহাক্তা পোত্থাবা শংহনদে। মাবুতা থিনৈ মাবুতা হংনৈ।

অয়ুক মানা চঙখিবদা অনাবদু মোন ঙাকখৎলগা ফমলম্মী। মনাক্তা নর্স অনিনা হিদাক চানবা তক্লরম্মী।


"ইচে হিদাক অমুক্তা পীথকপীবম্মু। থকহন্দ্রবদি ডাক্তবনা ঙাঙবদা লোইরনি। থকউ হায়বা যাদ্রে।"

"থকনীংদে হায়রগা কোক হৈদোকখো।"

ঙাঙনা ঙাঙনা চঙলকলগা ফম্মুং মনাক্তুদা লেপ্পী।

"কদাইদে য়ারদগে, য়ু ওইরদি হায়নরোইদবা।"

অনাবদুদা ওনশিল্লগা কিরন্না মখা তারকই,



"কয়াম থকপা ঙম্বীগদগে? নোংমা যে[illegible]ই। থকপীগে[illegible]? নুপীমচা নর্স অনিদু মচীন খুম্লগা নোক্তুনা থোকখ্রে। অনাবদু ফি[illegible] লে পাউখুম পীকদে।

"অদোম্না খনবীবমগনি, সংসাবদা অদোমদগী হেন্না যুদা লাইচুবা মী অমা লৈবম্লোই হায়না, অদুবু অদোমদগী হেন্না শাথীবা মী ঐ থেংনবক্লবনি।"

নোংমা নর্স অমনা কিবনগী নুপাগী ব্রা পল্লম্মী।

"দদা ইচে কিবনসে মবাইবক যাম থীববনি। মাগী নুপাদু যু থকমন্দুনা শিখিবনি।"

নুমিৎতুমদি মহাকসু শাথীনা নুংঙাইখিদে মবমদি মানা অযুক্তু কিবনদা হায়খি-

"অদোমগী নুপা ওইবিবা মহাক্তু খ্বাযদগী মবাইবক থীববনি। মীকুপ অমা ফাওবা নীংতম্না থকচবা ঙমলমলোই।"

ব্রা অমত্তা শ্রাঙলমদনা কিবন কাদুদগী তপ্লা থোকখি। মহাক্লা কিবনগী মাযথোং যেংখিদে। কিবনগী নাংবা কাযনা মীৎযেং উনবসু হোৎনকদে। নর্স নুপীমচাদুনা নুংথিল নুমীদাংব্রাইবম ব্রাদু হাযববতদা খল্লকই-কিবননা কবিনো খল্লমগদবা, মাগী পুক্নীংদু কযা শাথীনা শোকহল্লমগদবা।

"এ কৈদৌবে, তুমীন লৈবির্বদ ?"

কিবননা নোক্তুনা মখা অমুক ভাবকই,

"থাজবীদববা ?"

"কবিবো ?"

"অদোমদগী হেন্না শাথীবা মা- ?"

"সিষ্টবগী নুপাগী বাবা ?"

ব্রাফমদু হাযদোকলুবগা নুপাদু খজিক নীংহন্নবগুম তৌই।

"ও! মদুসু তাবিববোইবে? ফবে কবি খনবিবগে? ঐবু অদোমনা যু থকপা থীংবা ঙমলোই খনবিববা ?"

"খনদে। অদুবু সিষ্টবনা ঐগী অপাম্বগী মাযোক্তদি লৈবোই মসিমদি খঙই।"

নুপাদু খজিক্তং নোকলকই-

"ভ্যুটী! অদোম হন্দোকপীখো। অতোপ্পা নর্স মযাম লৈবি, মখোযসু মখোযগী

মথৌ তৌজসনু। সিষ্টরগীসু অতে থবক কয়া লৈবীরমগনি।"

"ঐনা অদোমবু য়ু থাদোকহনগনি হায়না ডাক্তরদা হায়দোকখ্রে। হন্দক্তি ঐ মায়থীবা পামদে।"

"মায়থীরোই! করম্না হায়বিরিবনো ?"

"হেক্তা খঙই। ফরে হিদাকসি পুক্লীংনা পামলবা মতমদা থকপিয়ু অদুগা নর্সশিংগদি নিঙাই শংদানবীগনু। হোসপীতাল পৃম্বা অদোমগী ব্রারীনা পোত্থাফম ওইবদু পাম্বীববা? হৌজিক্তা নুপীমচা নর্স অনীদু মচীন খুমদুনা নোকখিবা উবীহৌরমগনি।"

নুপাদু মমীৎ উইশিল্লগা হীপথখরে। মাযথোঙদা তাবিবা মমিদু কিরনগী ব্রাদু য়ানীংদবগী মমিদি নত্তে।

অনাবদু ফনদি শাথী। নুংগুল্লবা কিবনবু মানা মথক মখা ওন্থোকপমক ঙমদ্রগসু ফনা ফজনদি ফ্রে ফ্রে হাইহনবা ঙম্মী।

"সিষ্টর, ঙসিদি ঐ পুক্লীং যাম্না নুংঙাইতে। যামদবীদা পুক্তা খজিক্তং তাহনবীয়ু। মদুগী লমন কাউজরোই।"

"পুক্লীং নুংঙাইবীদবা ?"

কিরম্না করেম্নবা মীনোক্তা লোয়ননা হাযবকই,

"হয়েংনা পুক্লীং নুংঙাই। খজিক্তং থক্লগা নুংঙাইর্বসি মপৃং ফাহনগে হায়গদৌরিবরা? ঙরাংনা কার হায়বীখিবগে?"

"অদুবু পীথকপদি লাযরদনা থীনা চৈবীবর্ম্না।"

"ঙসিসু হয়েংসু চৈগী। মফমসিদা লৈবিবমখে শুকযা য়াবোই।"

"লৈত্রগদি ?"

ব্রাহং মতাসি কিরন্দা হৈনদনা থোকই। মহাক্তি কিরনগী কনাসু নত্তে। করিগী ব্রাহংসি হংফম থোকপগে? কিবন্না মাগী শাউনা লেবা মাযথোঙদু লোৎশিন্দুনা অচম্বা পাউখুম পীরকই,

"হোয়, লৈত্রকান্দা ননীং থুংনবা থকলুচো। অদুবু অমুক হল্লকপদি য়াদে।"

মাগী পাউখুমদু নত্তবা অতোপ্পা পাউখুমগী আশা তৌরম্বা য়াই। নুপাদু তুমীন্না

লৈখি। কিবন্না তেম্পবেচব বেকোর্ড লৌবা ইশিনবা তৌবিঙেদু কনাসু ব্রা অমত্তা ঙাঙনদে। কিবন্না চৎনবগী মায লৈথোকপগা নুপাদুনা হাযবকই,

"নঙনা লৈহন্নীংঙদবা মফমসিদা ঐ শিবদৌবিনি।"

খজিক্তং নোকলগা মখা তাবকই,

"যু থাদোকপদি ঙমলোই। নখোযগী মতম মাঙদুনা তোক্কনি।"

কিবন খুমলমদনা কাদুদগী থোবকলে। ফনা কুইবা ফাওবা টেবলদা মমায উপশিন্দুনা লৈকই। মাগী হৌখ্রবশিংদুনা মাবু কোযথৎ থৎলি। কাউগে খল্ল খল্লগা হেন্না নীংশিংবগী মতম কযা মীৎমাঙদা লাকলি। মাগী কনাসু নত্তবা নুপাসিবু মাগী অনিলগী শাযোল অমবা? মাগী থম্মোযদা অনিলনা কাউঙমলবোইদবা চৈনাখোল কযা পীবম্মী।

নোংমা শাউদুনা কিবন্না চৈখি। মদুগী পাউখুমদা অনিলনা হাযখি, "কিবন নঙগী ননাকসিদা নত্রবদি ঐগী হনজিনফম অতে লৈতে। শিবসু ননাক্তা শিগনি। নোংমদি ঐ ননাকসিমক্তদগী চৎখির্গনি। মীৎমাঙদা নঙবু থমলগা, নঙগী ইঙথবকলবা মাযথোঙ যেংনা যেংনা।"

মাগী অনিলবু নীংশিং নীংশিং কযা কপলে।

নুপাদু হোসপিতালগী ব্রাইশীৎপা মী মচাদুগা মান্নবগা লোন্না যু থকলম্মী। ডাক্তবনা থাউণ্ড লাকপদা যুনম নম্বদগী কিবন্দা মীচৈ তাখি। পাউদু নুপাদুসু তাখিমালে। কিবনবু উবদা কিথী কিকম তৌনা হাযবকখি,

"ঐগীদমক মীচৈ তাখ্রে তাবদা যাম ঈকাযজবে। ঐনা হাযজবদুনি ঐদ যাম্না ইনীং তম্বা মীনি। ঐবু শেম্নবগী থৌদাংদু লৌবীগনু হাযনা।"

কিবন্না নোক্কনা খুম্মী,

"অদোমগী নীংতম্বা খুদীংদা কনাগুম্বনা হঞ্জিল হঞ্জিল অথিংবা পীববদি অদোম শাউবক্কনি নত্রা? অদুবু কযা কুইনা শাউগদগে? মমৈদদি অদোমগী নীংতম্বদা কনাগুম্বদুগী অযাবা লৌবগী দবকাব ওইবকলবদি?"

"নঙনা হৌবদগী ঐগী অপাম্বা অনীংবা খুদীংদা অথিংবা পীবকলি। অদুবু নঙগী অথিংবশিংদা ঐনা নঙবু ব্রাবৌকনবা থৌনা লৈতে।"

থম্মোযগী ঈথক্তা কিবন্না হায়দোকখি,

"মদুমক্লা অচুম্বা ওইববদি খোযদ্রিং খোযদ্রাংবা লম্বীদা চৎলুদুনসু পুন্সিগী পঙ্গুংদি যৌগনিদনা?"

নুপাদু নোকথোবকখি।

"কিবন, মসি হিংবগী নিযমনি। মাযযোক্লবা লানফমদা মায় পাকপা মাযথীবগী অর্থ লৈখ্রববা? ঐ মীকিথী ওইনা চেনবা নত্তে, চাংযেং অমখক তৌরুবনি।"

কিবন ওক্লা নুপাদুদা যেংদুনা লৈ। নুপাদুনা মখা তাবকই,

"অদুবু মাযথীবে। পুন্সিদা কনাগী অপাম্বা অযেৎপা যাওদনা কনা'মদগী পুন্সিগা মবী লৈনদনা হিংবা ওইথোকলমদ্রে।"

"মদুবা অদোমগী চাংযেং" নোক্লীংবা ব্রানী অদোম শাথীনা ওইজবা থি। ইশাগীতা খল্লি। অদোমগুম্বা মীওইদা ঈশ্ববনা মচা পীবীরিবসি ঈশ্ববগী অশোযবা খুৎশেম নত্ত্রা?"

কিবনগী ব্রাহংগী পাউখুম পীদনা নুপাদুনা হাযবকই,

"মদুদগী হেন্না নোকনীংবা অমা তাগেবা? মসুক ওকখিদ্রবা ঐগীদমক বাবানথা মী লৈ খণ্ডবদা কনা অমবু ওইববসু পুক্লীংসি চা ওথোকচবা যাওবকই।"

নুপাদুগী ব্রাওাওদুনা কিবনগী থম্মোযবু তথক তথকহল্লি। মাগী হৌখ্রবশিংদুনা মাগী পুন্সিগী মশক্তি খঞ্জবকখিবনি। অদুবু হৌদক্তদা খল্লকই, পুন্সিগী মশক্তি মচু যাম্মী। পুন্সিগী তাঙ্কক খুদীংগী মচু তোংডাল্লি। মচু কযাদুনা পুল্লগা মী ওইবগী পুন্সিগী অশেংবা মশক লেপ্পি।

"হাযযু মসিবু ঐগী চা ওথোকচনীং চাই নত্ত্রা? মসিমদি ঐগী চাংযেংগী মায পাকপা শকক অমনি।"

নুপাদু কিবন্দা যেংলগা নোকলকই। কিবনসু হন্দক্তি নোকথোবকলে। অদুবু নুপাদুগী মা ওদা লেপ্পদু ওসিদি কিবন মায চাঙক তৌবমই।

হন্দক্তি অনাযসু যনা ফজনা ফগৎলে। হযেংসি চৎখ্রগনি মাগী নীংতমগনখ্রবা থম্মোযদু পুদুনা। কিবনগী খুত্তগী চুপ্পীদু নাম্বোকখিবগা কনানা খণ্ডবা কদায যৌনা চেনখিগদবা। নুংথিল নুমিদাংবাইবমদু কিবন নুপাদুগী কাদা চঙলকই। মতমদুদা

নুপাদু মপুক্লীং মকা লাম্না থোঙনাও মনাক্তা লেপলম্মী।

"অদোমগুম্না তৌবীমল খঙদবা মী পুন্সিদা থেঙনজরক্রি অওইবা।"

নুপাদু থোঙনাওদগী মমায়দু লৈশিল্লকলগা নোকলকই।

"চঙবীবকউ। মনুংদা চঙলগা চৈবীনীংবা চৈবীরবো। ঙসিদি ঐ মবৈ অমুক তৌজরবোই।"

কিবন্না মরৌ লৈনা হায়রকই,

"ঐবু অদোম পান্নবা লৈরিবরা? নর্স নত্ত্রগা ডাক্তর অনাবদা দবকার ওই। অনাবা ফরকান্দদি মখোযগী অমুক দরকার লৈররোই।"

"অদুম্না হাযবীবিবা কবিগীনো? সিষ্টরনা ঐগীদমক হোৎনবীখিবা পুন্সিদা কাউজবোই। কবিনো অমা তৌবগা লমন্দু শৎ হেক শিংদোকখিবসু পামজদে।"

"যাবোই ঐদি লমন থৌগে লাকলিবনি। ঐনা হোৎনখিবা ব্রাখিবা খুদীংঙমক্কী লমন অমত্তা চীংখদনা শিংহনগদৌবিবনি।"

"লমন শিংদোকলে হাযদুনা তৌবমীল কাউথোকখ্রবদি'৷"

কিবন্না নোক্লনা পাউখুম পীগদবগী মায লৈথোবকপদা নুপাদুনা খঙহায হাযনকই.

"যেংবীযু লমন শিংবা তৌজগদৌবে।"

নুপাদুগী মীৎযেং মতুং ইন্না যেংথোকলুই। মৌনহা অমা চা অমাদ বিস্কুটকী প্লেট পাযদুনা চঙলকলি। নুপীদু কিবন্না অমুক্তা উখিদ্রি।

কিবনগী অঙকপা মীৎযেংগী পাউখুম নুপাদুনা পীবকই,

"চাগী থৌবাঙ হান্না তৌবর্স্বাসদা ঙকপীরমগনি। পূং মাপল মখাযদা লনাই ক্লিনিক অমদা থবক অমা চৎকদবা লৈ হাযনা ঙবাং নর্স অমদা হাযখিবদুদা পূং মাপল মখাযগী মমাঙদগী শোযদনা চঙবীবমগনি খঞ্জদুনা ঙাইজরমলিবনি।"

নুপাদুনা থব্রায যাওনা মাগী ব্রাবু তাশিন্দুনা থমলম্মী খঙবদা কিবনগী মায়থোঙদা নুঙাই ইথক হৌবক্কে তৌবগা অপনবা অমা থোকলে। নুপীদুনা মমাঙগী তেবলদুদা চাদু থম্বগা নুপাদুনা হায়রকই,

"মাসু খঙলমখিরোই। মা ঐগী নুপীনি। যু থকই হায়দুনা শাউদুনা মযুমদা

চৎখিবদগী হল্লকতনা চঠী অহুম্মুক শুববনি।"

নুপীদুসু নোকলগা কিবনগী নাক্তা চঙলক্লনা লেপলৈ অদুগা হাযবকই,

"ইচে, মানা ইচেবু খেংনবদগী যু থাদোকলে হাযনা চিঠী ইবকপদগী মাবু লৌবা লাকপনি।"

চাগী কপ অমা লৌখৎলগা কিবন্দা পীনা পীনা হাযবকই,

"ইচেগী ব্রা যাম্না মানা চংথী। নোংমা ইচেগা য়ুমদা ঐখোয লাকচগে।"

মখাসু কবি কবিনো ঙাংবা। কিবন্না মুগা তাশিল্লদ্রে। অদুবু খঙই, হৌজিক্তা মানা শিংহনগে হাযখিবা লমদু শিংনবগী শোযদনা ওইবমগনি।

"পূং মাপল হেল্লে ঐ থেংগলে খোকচখ্রগে।"

হাযবমলগা কিবন কাদুদগী থুনা থোবকলে। থোংজীল কানথোনকপগা ঙসাই মখৈ চিল্লম্বা ব্রাইদু খংযাং যাংবগুম ফাওবকই। হৌজিক্তা নীংশিংলকলে, নুপীদুনা থরায যাওনা লোল্লকপা চাদু থকলমদ্রে।

নুমিৎ তারক্লিবৈঙে

ঙবাংগী তম্ফাসনাদু ঙসিগী পুক্নীং লুপ্না লংচাক চাকলিবী তম্ফাসনাসি নত্তে। ঙসিদি মহাক যাম্না লেম্মী। মথৌদুদা অশুক্কী মতীক পুক্নীং চঙবা মাল্লি। মনাক্তা লেপ্পুনা মশামক্তদা হেক থাহং হংল্দ্রিমখে বা ঙাঙলক্কনি নীংদে। চহী মতাংসিদদি অসুমনা লেমজবসিনা পকচবনি।

মনাক্তা মনম্মা অনি বাবী শাবি। অমনা ফি শাবগী কোন মথক্তগী, অমনা শনীংদবীগুম কোন মনা ক্রুদা লেপ্পুনা। মখোযগী বাবীদুদা তম্ফাসনা যাওশিল্লদে। মৌ খনিনা বাবী শানা শানা মংডান্দা ফল্লপ ফল্লপ যেংই। মশি তম্ফাসনাসু খঙই। কবিগুন্না মফমদুদা মহাক লৈবমদ্রবদি মাগী বাবীমক শানিমগদবনি। হায়বসু তম্ফাসনানা খঙই। মাগী পুক্সিদা ওখাক চাংনা থৌদোক অমা থোককলে। মসি মাগী নক্কবশিংনা খঙদবা লৈত্রবনি। অদুবু তম্ফাসনা ঙবাদি যাম্না শাউনাংখি। মপুক্নীংদু লৈতাবা শুকডম ঙমখিদে। তৌফম খঙলক্কবদগী ফিবোল শেংচিল্লগা থোবকখি সুন্দবীহোযদা চংননবা।

শমজেৎ ফাওবা হাংখিদে। কাউবা নত্তে, মিংশেল মমাঙদা লেপলুবগা শমজেৎতু হাংকে তৌবম্বদগী মিংশেলদা লাক্কুনা লংশিল্লম্লগা থোবকখি। গাডী থৌনা থৌনা মহাক মহাদেবগী তাণ্ডব জগোয যাওকই। সডক্কী নালাদা নমাশনগে

তৌবকপদা ভাব তাবকই। মদুগা লোযননা সুন্দরী উননীংবগী মুড়সু পুম্মাঙ মাঙখি। সুন্দবীবুসু মীকুপতুদা ব্রাবৌবকই। মখোযমক্লনিদনা মাবু ইনশিনখিবা। মাবু ব্রাখল খলহনখিবা। সুন্দবীহোযগী যুম যৌবমদনা অমুক হল্লকখি।

"ইনম্মা কবি ব্রাবীনো ?"

সুন্দবীনি। পাউ তাদুনা লাকপা শোযদনা ওইর্বিনি। মানদি খঙলমলোই, ঙবাং তম্ফাসনা মখোযদা লাকলম্মী, যুম যৌবমদনা হল্লকখি হাযবা।

"মদুনা ফববরা ?"

তম্ফাসনাগী মাঙদা [illegible]। বাহং হংফম খঙদনা হংলকপনি।

"কবিবো ?"

ভাব তাদে। অদুনা মাসু হংই,

"কবিবুনো ফবা হাযববো ?"

নোকনীংদে শুন্দবীসু। অদুবু চীনবালদদি [illegible]োকহন্দবা যাদে বাহং মত্রাশিন্দুনা।

"লংচাক চাকলিদু। ঊচিদা অমুক হনজিনবা।"

হন্দাক্ত তম্ফাসনাগী চীনবালসু সুন্দবী[illegible]ম [illegible]নাকলকই।

"ঐাদি উচিদা ওইনকলিসিদি" [illegible]কে ওন[illegible]গে [illegible]কুনদ খনায থানমদৌ[illegible]

ঙবাংগী থৌদোক্ত নাংশিংলকই। অদুন তম [illegible]দ্রে। মহাকমক্কী মমাংনীদন মনাল শীকই হাযবদু তম্না যাবা ন[illegible]

মখোয আন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অচৌনদুগা মপান্দা। ঙ্গাশং মনাঙ্গা চৎপগী নুংশীৎতুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওইহল্লি

সুন্দবীনা বা হৌদে ববহ,

"নুপাশিংসে ওইজবা যাম্মা খি।"

তম্ফাসনাগী পুন্দিদা [illegible]লবা থৌদে [illegible] মবমদা নুংঙাইতবা ফোংদোকলিবা হাযদু ওইবা তাহ।

"তা'ওকেন্না অসুম্মা তৌবক্কানি হাযবা ঐাদি মঙদফাও' খল্লুদে।"

হেন্না শাউনীংলকপগী সুব মাগী খোঞ্জেলদা তাবকই।

"ইস, অদুগাদি-"

তম্ফাসনা তুমীন্না সুম তাবি। পাউখুম পীদে। য়েৎসু যেৎলক্তে।

"অসুক কুযববসি মাবু ঙাইবকলে। হৌজিকপু অঙাং নত্ত্র'কানসিদা।"

অকোনবগী ব্রাহৈসিনি তম্ফাসনানা খ্বায়দগী থম্মোয শোকলিবসু। মাবু খঙবীবা খুদীংমক্লা শোয়দনা হায়নবগদবা ব্রাহৈনি,

"হৌজিকপু অঙাং নত্ত্র'কানসিদা।"

ওকেন নুপী চেল্লে হাযবসি মহাক থাজদে। থাজনীংদে, অদুনা ব্রাফমদু মপুকনীংদা লাপ্না থন্না পামখি। পাউদু তাবা নুমিত্তুদি অঙাংশিংগা কোযশিন্নদুনা লুডো শান্নদুনা লৈথোকই। অদুবু লাপ্না ইস্থোকলিমখৈ ব্রাফমদু মপুক্লীংদা নৈশিন্দুনা লৈ। ওকেনবু পাম্মুজকবগী ঙাকসু নত্তে। মাবু নমথাক তৌবম্বগীদমক মতোমতা থাজবা ঙমদবনি।

মহাক থবক ফংদে। ফংলর্কাখিনি হাযবগী থাজবসু লৈত্রে। চহী লিবে। মাগী আশা হাযববু ওকেন্দা ঙাযবকলবনি। মদুমক্তী ওইবমদবসু যাই অদুবু মাগী পুন্সিগী অচৌবা আশাদি ওকেনদা থমদুনা শাগৎর্চাখিবনি। মাবু ঙাইবদা পুন্সিদা খুদোংচাবা কযা নানথোকহর্নাখিবদা তম্ফাসনানা কবিসু নাচুংখিদর্বানি। মাগী মাঙর্জখিবা মতম, মানা নাংথিজবী লৈশাবী মচা ফাগৎলকপগী মমল পূপ্না ওকেন্না শিংলবগদবনি। নত্তুর্বদি মহাক হৌজিক কবিনা হিংগদগে ?" মসিননি তম্ফাসনানা পাউদু শুকথা থাজনীংদ্রিবা।

"নঙবু থাজব্রা ? খঙদে, ঐদি নঙবুসু শাউনীংই।"

" অদুক পাঙদবা। চহী ১৪ / ১৫ নুংশিনবকপবু অদুক লাযনা নানথোকহনবা।"

সুন্দবীনা তম্ফাসনাবু চৈ। মহাক্লা তম্ফাসনাগী ফিবম খজিক্তা ওইববসু খঙনবা হোৎনকদে। সুন্দবী মশামকসু মচীন্দা হৌজিক্তা পনখি, "নঙবু থাজব্রা ?" মহাক্লফাওবা থাজদবা পোৎতু কবিগী তম্ফাসনাবু চেকশিন্দে হাযনা চৈবিবনো ? মদু মহাকসু ভাব তাদে। পেন্দবদগী পঙত্তায হাযবিবনি। অদুবু মখোয কনানা খঙবগে, সংসাবদ "অঙকপা" হাযবা পোৎসিনা শোকপা ঙমদবা কবিবু লৈবিবা ''

"চেল্লমদবসু যাই।"

ইতেন তেন্না অসুক কুইববগী তুংদা অসিতমক খুমলকই। সুন্দবী মতমসিদসু নোকনীংলকই। অদুবু নোকতে।

"উম যাই, অদুবু লুহোংবদি লেপ্পব্রমালে।"

সুন্দবীগী কবেম্নবা ব্রাঙাঙসিনা তম্ফাসনাবু খজিক্তসু হোংহনদে।

"নঙদি পাউ লোইনা খঙইনা ?"

তম্ফাসনানা মনাক্কী নৃংদুদা ফমথবগা হায়বকই,

"ঐনা হায়বদি চেনবা ওইরমদবস যাই, হায়নবগা ...।"

সুন্দবী তপথবা ঙমলক্রে।

"চেনববু ওইববসু হায়নববু ওইবদসু ব'ব খেন্নবগে ? মশানা যাবেদনা, নঙঙোন্দা মাঙজবদি চপ মানে।"

চেনবগা হায়না-শীংনবগ মাঙজবা চপ নাংন্নবসু অনিদু অমত্তনি হায়বা তম্ফাসনানা যানীংদে। ওকোয়া মাবু খজিক্তসু খনবীদে হায়বা মহাক থাজনীংদে, কানিগুম্বা লুহোংবদনা ওইথোক্লবসু যাদবা ফি ম অমদগী ওইহন্নীংই। অদুগ মাগী পুক্নীং খঙহনবা অদুক মক ওইবা নত্তে অদুনা চুমীন্না লৈ।

"চেনবনি, নঙসু তাববা নত্রা ? মশানা যানাদনা চেনবা যাবনানে ?"

তম্ফাসনাবু মুন্না যেংলগা হায়বকই,

"খল্লুবনুদা।"

"খন্দে।"

খন্দে হায়নাদ খুমখি অদুবু নাসিদা খল্লোইদৌবিগী মবম্ব লৈববা ? মসি সুন্দবী মবানিমক ইখঙ খঙনৈ।

"নোংমদি মাসু খঙলকখিনি, ঈশ্বরদি পূম্নমক খঙলিনি।"

সুন্দবীনা হয়া হয়া মাগী থাজগে হোৎনকলা পুক্নীংবু থুগায়গদবগী তৌবকই।

"ঐদি যাম শাউনিংই।"

"ফবেদা।"

“কদায়দা ফবিনো ?”

ব্রাবৌবা পেন্দবগী মমি অমত্তা তাদবা মীনোক অমগা লোযননা তম্ফাসনানা ইচম চম্না হাযবকই,

“কৈদৌএগে মানা নুপী থিব্রগা ?”

“তৌবিসিবু নঙ নশানবু যানীংলববা ?”

তম্ফাসনা নোকথোবকলে। মীনোক্তু মহাউদি চেন্দ্রে হাযবা সুন্দরীনা লাযনা উবা ফংই।

“নুমিৎ তাবক্কদৌবমালে, ঐ চৎলে।”

ফুক হৌগৎতুনা লাকলে। সুন্দরী লৈহৌবি হাযবা হন্না ফাওবা যেংলমদ্রে ‘নুমীৎ তাবক্লীঙৈদা যুম যৌহৌরনি তম্ফাসনানা পান্নদি।

মে, ১৯৯৬

য়ায়েল

নোংমা নুংখিল অমা সনাতোম্বীগী দুকান্দা চৎলুই। য়ুনিভর্সীতীগী গেট মথাদা ফম্বা সনাতোম্বগী দুকান্দু অযাম্বা মতমদা ভাবা। লৈবী লৈশাবীনা কক কক ইগ্নে। য়ুনিভর্সিতিদা তম্বী ভাবাদা লৈবীশিংদুনা সনাতোম্বগী দকান্দগী লৈদবা পোৎ লৈরে। ডাবী-ঙাতাই, হবাই-চেঙবাইদগীনা মতম মতমগী যেনশাং নাপী, মনা মশীংফাওবা শুনা যাওবা দুকান্দুদা সনাতোম্বনা ফম্বাদ ফনবু পকৈ। দুকান্দু মানা লৌবিবা য়ুম্বদুগী দুকান্নি। অদুবু মাগী নত্তুনস্ মাগা অদুম মাল্লে।

মাগী দুকান্দুগী মমাঙ ওইবপনা লেপতুনা ভুইহাব লৈকই। লৈশাবী খবনা ঙাঙনবিবদু তাবা যাম্না নুংঙাই। লৈশাবী গ্রুপ অমা থোর্কাখ্রবদু যেংলগা ঐনা হায়কই,

“লৈশাবী চবুন চবুন, নঙদি ফনবু নুংঙাইহনে।”

ঐবু উবদা নোক্তুনা কৌবকই,

“এ কযাম কুইরবে। চঙলকউ, ঐদি উবু উৎকদ্রে।”

“লৈশাবী ফজবীশিংদুগী মবক্তা ঐবুদি কদাইদগী উবনি।”

ঐনা ফাগী তৌকই,

“নঙগী দুকানসি লৈশাবী যাম চঙই হাবা পাউ তাযকো।”

মহাক হৌনা নোকথোরকই। মায়থোঙদু ওম্থোক্লা হরাউ তয়াম্মী।

"পাখঙনা য়োল্লদি লৈশাবীনা লৈবা তাইদনা।"

সনাতোম্বগী মায়থোঙদু মুজরবসু ব্রাহৈশিংদু তম্বদা ইরং লংনা মঙাল নাই,

"নত্তেনে, ঙারীদুবু খরা য়াম্না লৈবা য়াদবরা হায়বা। হায়রুবগা মী অহুমতা চাবনি কোকফাই কানি' তৌনি হেক্তা খুম্মী।"

"ফরেনে,"

ঐনা মাগী মায়থোঙদু উবদা হংলুই,

"ঙসি মোন্দা অদুক নুংঙাইনা উরিসিবু দুকান মপুনা তলব হেনগৎপিনিকা হায়ব্রা'?"

পাউখুম পীবগী মহুত্তা মঙক হাইফেৎ হাইদুনা 'নত্তে' হায়নদমক ফোংদোকলগা নোকফেৎ নোকফেৎ দুকানগী পোৎ চৈশিংদু মফম হোংদোক হোংজিন তৌদুনা লৈ।

ঐ মাগী মওঙদুদা লক্লনীংলকই,

"নত্তবদি হায়য়ু, ঙারী লৈবী লৈশাবীগা থম্মোয় থেংগায়নরুরব্রা ?"

"হোয়নে, ব্রাইশিল্লমলিবনিনে।"

ইবানী পুকলী পায়'খৈ নোকমিন্নে। কুচু ব্রাউবা, চীনবাল উমশিনবা ব্রারপ তাবা সনাতোম্বগী মায়থোঙদু ঙসিদি রাশী অমা য়াওবগুম তৌই। সনাতোম্বগী মহী চেনফম লৈরমদ্রবা থম্মোয়গী মুচুম তাফম ওইরিবীদুবু উনীংলকই।

"ব্রারীদু লীয়ু। কমদৌনা থেংগায়রম্বা, মদুদা নঙনা কমদৌখিবা। অমত্তা চীথদনা তম্মু।"

"লন্নাইগী ব্রানি। নঙসিমা তানীংমনখ্রে।"

হেন্নদুম তানীংবা পোকলকই। মীৎসিদা উরকই, মশক খজিক ব্রাৎচরবসু, মীনুংশিগী ঈফুত্তি পাথোকপমখৈ চেনবী, ইঙতপ্পী, ঈকায়থীবী সনাতোম্বগী চান্নবী। সনাতোম্ববু নুংশিরিবা মহাক্কুগী অঙকপা থম্মোয় অমা পাল্লমগনি।

"ইস, অহাউবনিকানা।"

ৱাদু লোযশিনখিদ্রে। ঐনা ফৎ যেংথোকখিবদা বাদু খঙতৎ তৎখি। কনাসু লৈবম্মোই খন্না ইকোই কোইজদনা হাযজবকপা ওইবমাল্লে। মসিবু সনাতোম্বগী দিলকী বানীদুবা ? থাজবদি বাংনা থোকই। মওংতানা কেববা মাযথোঙ, মতমগী চপ চাবী ফিজেৎ চাকচা, মশক্লা লাই মচাগুন্নী।

সনাতোম্বদু ঐঙোন্দা হাযফেৎ যেংলগা নোকলকই। ঐসু ঙক্লা নুপীদুদা অমুক যেং, সনাতোম্বদা অমুক যেং তৌদুনা লৈ। থাজদবা থম্মোযসিবু নমদুনা থাজহনখিবা সনাতোম্বগী মরৌ লৈকাবা ... শকতেনবাগা কাথ কোথ কেজ ওইনজবা মওঙদু যেংবদা ফনা নুংঙাই।

"অদুবু ঙাবীনেনা যোল্লদুদু ঈকাযদজাৎলা খঙদে।"

ঐ লৌব হাগনা কাউথোকাখিবগাৎলা নত্ত্রগা খঙনা খংনা কবি তৌই হাযগে খনবজাৎলা খঙদে।

"হাওত্রদি অতোপ্পদগা লৈবীনবো। কনানসু ঐঙোন্দগী লৈদবা যাদে হাযজখিদে।"

"যাম শাউগল্লিনা। ঐখোযবুদি হাউত্রসু অদুম লৈর্জনিযে।"

কবি কাবনো এক্টীংও, কানও মামন ঙাঙাইবনি। ঐদি বাবা পাংশিনমসু খঙদনদগী ঙবাংগী খববদু হংগা হন্না পাদুনা লৈনি। মীৎাং খববদুদা থর্মন অদুন ৱাখলদি নাংথিবীদুগী মনুংশদ লৈনাব।

ঐনা খল্লন্নী মীনুংশি চাওনা থম্মোয পাথোকপমখে নুংশি ইচেল চেনবীদুদা অমুক ভাবনা শাগৎলবা ঙমদ্রে।

"হযেংদি নোবান হমলনা গ... মেংলং ... । খবা ঙন্না লাকউকো।"

সনাতোম্বনা হৌনা হাথাখানা ন ... ফবেংদ ... কোঙদা থাক্লা চঙলকপদু তদা ভাব তাবকই, নুপীশিংদু চংখ্রে হাযব।।

"নুংতিগী লাকইনিনে ।"

ঐগী ৱাংহংগা পাউখুমদি পীদনা মযা ইনং লংনা হাযবকই,

"মশক্তু কমদৌই, খবা ভৌবীদু ? অঙকপা মীওইনি, ঐ ঙাওদুনা চৎতৌবি।"

মীনোক্তু, মীৎযেঙদু, তশেংনা সনাতোম্বনা ঙাওবোইদবগী মবম লৈতে।

ঙাওবদা নত্তে, পঙথবোইদবগী মবমসু লৈতে। অদুক নীংথিবীদুনা শুজ্ঞাৎহল্লমলবা কনাবু অমুক মহৌশা মহৌশা ওইনা লৈগদৌবিবনো ? মদুসু ঐখোযগী সনাতোম্বদা থম্মোয নৌগনবা, ঈকাযথীজবা মীনুংশিগী ইচেল অমত্তা চেপ্তবীবক্তবা সনাতোম্বগী পুক্সিদা।

"যেংঙোই, ঙাবী লুপা ৫গী লৈবদা লুপা মবীগা পৈশা মবীফুত্তবাদি থম্মোযদি ওইনা তমখিবসি।"

"লুপা মঙাগী হেক মবৈব্রনে দুকান ইবুংঙো। ফর্জবি নশক্তুগ।"

"লৈবিবনিনে। নোংমতা লুপা মঙাদগী হেনজপোৎ নত্তে। থম্মোযদি চেৎখ্রবা। ঐনা তমখিবদুর্বাদ লুপা তবাগী মফম্নান"

পুক্লাংদা হল্ল হন্না মমাং লিশিং পানবা ঈশ্বরবু খুকমজ্দুনা সনাতোম্বগীদমক নিঙবম্মা "হে ঈশ্বর, সনাতোম্বনা মমীং অনীদমক পান্দুনা উকবা ঙমদ্রবসু মমাং লিশিং পানবা ইবুংঙো নঙনা সনাতোম্বদা খবা চীবোল তৌবীযু নত্রবদি যুম্বুনা তান্তোকপীবা তাবে।"

নুমিৎ নবেৎ নিপাম্নিগী তুংদা অমুক্তা চৎলুই। দুকান্দা চহী তবানিখোই হুমদোংগী লুপামাং অমা লৈবম্মা। কদোমদনীনো খঙহৌদে, পুক্লাংস ইনুং নুংঙাইবক্তে। সনাতোম্ববু যুম্বুনা তান্থোকপীখ্রগদৌরিবলা ? অদুম তৌরবদি সনাতোম্ব কবি চান্দুনা চিংদদনে ? কদাইদনো তৌজিব মানা লৈগদর্বাসনো ? যুম্বু, দবান্দুগী মপুসু চৈনবা কোকতাঙবা মীৎচোংপদুবু খঙশাউ শাউনীংলকই। মহাক খঙলিবনি, সনাতোম্বগীনি হাযবা মাগী দুকানসি নত্তনা সংসাবদা কনাসু লৈতে হাযবা। অসুক কইনা অবাবা খাঙলকলবা সনাতোম্ববু অসুম্না মীনুংশি হৈতনা তান্তোকপীবাদ থম্মোয কনমল্লি। সনাতোম্বা নহার্নি, নহা ওইবগী ঙাইহাক অঙা ওচুবদি সনাতোম্বা নত্তে, নোংমাদ মহাকসু সনাতোম্বদগী তানা ঙাওবমগনি হাযবা ঙমদে।

"হে, অঙাওবদৌনা কৈদৌবিনো ? মনুংদা চঙসি, চা থকখিসি।"

মযা ইহি হিগৎলগা সনাতোম্বনা ঐগী লেংবান্দা কোল্লকপদুদা খংপ্রেক খংই।

"কদাই চৎলুই ? ঐদি নঙ দুকান মপুনা তানথোকপীববোই নীংদুনা জাৎ জাৎ খল্লুবে।"

"এবা, ঐ সনাতোম্বনিনে।"

মাগী মায়দা মীত্তা নুপাথোকপা, চাওথোকপা ঙম্বগী মমি তাবা উই।

"ঐগী দুকানসিদগী সনাতোম্ববু তানথোকপীগদবা কনানো ? চাদুম থকসি।"

ঙসাইগী নুপামচাদু চা অনিগা চানবা খবগা লৌকনবা থাদোকখ্রে।

মতম অমদা অদুক তুশোন্নবম্বা সনাতোম্ববু ঙসিগী অসিবা ? অসুক চাওথোক্লা মশাগী মমীৎ শিজিন্নবা ঙমহল্লিবা পোৎশক্কুগী অঙকপা গুণদুনা সনাতোম্ববু কদাই তান্না পুবীব'দবা!

"অদুবু নঙনা চৎলুবিবদুবু কদাযদনো ? হেল্লোযনা চেল্লুবদি নত্তেদনা?"

"চেল্লুবির্বনিনে, ঙসিসু সিনেমা যেংম্নিন্নকই।"

"মদুদি ফত্তে দুকান ইবুংঙো। নঙ নশাগী হিংনবা লম্বী হান্না শেমখো। পঙঙাও ঙাওকখিনু। নঙগী দুকানসিনা যুম পানবা যাবা নত্তে।"

মানা শাগৎচবিবা মঙলান ফুবাদু লোইশিনবা ঙমদনা নীংখাযখিবদি শোযদ্রবনি। অদুবু মঙোন্দা হাযকববদি স্বগগী লৈকোন তম্না পাইজববিবা মাগী পুক্নীং মশাদু তেকতুনা তাখিগদ্রা চিংনৈ। লাইবিক লাইসুসু ইবেঞ্জনা তমহৌদবা, লাযবচুদৎনবা অদুগা মশক থীবা সনাতোম্বগীদমক এম, এ তর্মলিবী নীংথিবীদুনবু কদায যৌনা মাগী থম্মোযদা মফম খাকলমগদগে ?

"ঐবু অদুক পঙববনে ভায। হেল্লোযদু মতোমতা পোকই। লৌ-শীং দুকান প্লোট যাম্না লৈ। এম, এ লোইবগসু থবক অর্মাদ শোযদনা ফংগান হায।"

ও! সনাতোম্বা নঙ ঙাওবেদনা। শুক্ষৎপীনা শুক্ষৎহনখ্রবা মাগীদমক খল্লুবদা ওঃ খোংনা কপনীংলকই। শুক্ষৎপীনা থাদোবকপা মীৎকুপ্পু, হে ঈশ্বব, ঐবুতদি উহনবীদবা।

থা মঙা তবক্ক তৌখ্রবা তুংদনি। অযুক্তু অঙাং ট্যুসন তম্বা লাক্লিনৈদা ব্রোজেন লাকই। মচন্নুপীনা স্কুল কাবদা হেক হেক পুনবা লেডি বার্দ সাইকলদু মাঙদা থাম্মী। সাইকল মথক্তা ফমনা ফমনা হাযবকই,

"সনাতোম্বদু নুপী অমা চেল্লে। লোইশিল্লকও ঙাইহাক্তা চৎলুসি।"

"কনানো নুপীদুবু ?"

"মাগী দুকান্দা হেক হেক ঙারী লৈবীদুনি।"

ঙারী লৈবী হায়রগা ঐখোয়গী মরুপ মঙা তরাদি নুপীদুবু লায়না খঙনৈ।

"অওইবগীরা ? সনাতোম্বা মরায়বক ফৈদা।"

প্রপ প্রপ চৎনীংলকই। নুপী শুক্কৎহনবা ঙন্না মন্ত্রদু সনাতোম্বদগী তন্নীংলকই। অদুক ফজবীদু সনাতোম্বগী নাক্তা ! ঙাইহাক্তংদুদা সনাতোম্বগী মরাইবকপু কল্লকউই। উদুনতা লৈরবা মাগী মশক্তু অমুক্কা হন্না য়েংনীংলকই।

প্রপ প্রপ লোইশিল্লগা থোরকলে। ইতৈমদা লাউবম্মী,

"ঙসিদি চাক হাপলুরনু, য়েনশাং অহাউবা অমা লৈরে।"

অঙাং ট্যুসন্দু তৌরবোইফাও হায়রমদনা থোরকলে।

সনাতোম্বনা লৈবা ভারাগী য়ুমদুদা সাইকলদু গ্রোং গ্রোং থৌজিল্লি। শুমাঙদা নুপী মযামনা পূমচোল চোল্লম্মী। পুলিস খবসু উই। চিংনবা অমা যাওনা থোঙ্গাল মচীন্দুদা খঙলেপ লেপলগা ব্রোজেন ইবানি যেংনৈ। কবি তৌরিজাৎনো ? মীৎনা হংনৈ। নুপী মযামগী মরক্তগী পুলিসনা চিংথোবক্লিবদুবু সনাতোম্বা নত্ত্রা ? ঈহিং নাইহিং শানা পুথোর্বক্লিবদু ইবানিমক্লা ময়েক শেংনা উবে। মান্নি, সনাতোম্বনি। নুপী মযামগী মীচৈ কযাদুসু নাকোঙদা য়ং য়ং চঙলকই।

"শক মাগুম্বা মীনাই মচা মানসু নুপীগা ফারিনে। মক কোকথোকলগা শুনু য়াইঙং তৈগদবনি।"

অমনা অমুক ওকলকই,

"মতীক মপাদি হেক চাদনা। নহাবোল তাকলগা ব্রাবকহনগদৌনি। কনানবু পুলিস কৌকবিবনো ?"

হৌনকবা তৌদনা ব্রোজেন ইবানিমক সাইকল মমায় লৈথোক্লুনা থৌদোরকই। ঐখোয়না থোরকপদু কনাসু উহৌদমাল্লে। পুক্লীংদা ইতোমতা হংজৈ "লাল্লিবসি কনানো ?"

ওক্তোবর, ১৯৯৭

পাউখুমনা হংলি

"মফমসিদা ঐগী কনাসু লৈতে। ঐ লৈবসু লৈনীংদে। অদুবু ইনে তম্ফা, ঐ চৎপা ঙমদে।"

তনুজাগী য়াহৈশিংদু ঐ হেক্তা নীংশিংলকই। তমথীবা ফংনা ওৎ-নৈবা, মীয়া মৈশা'বক্তুদা কবিগীনো মানা অদুক থৌনা লৈনা লেপখিবদু ' কবিননো মাবু অদুমনা থৌনা হাপখিবদু ' ইমুং দুদ' মাগী চঙজফম শুপ্নগী বীনাবানীগী মচা অনিদুতনি। মখোযনা ফিজি যান্নদুনা খাম্বখক্কুনা মাগী পাঙ্গল ওইখিববা '

নুমিত্তু ঐখোয নুপী মযাম যুমদুদা যৌখিবদা ইবেম্মা জাদুমনিগী মনাওনুপাশিংনা হনগৎ হন্দা চত্তুনা তনুজাগী মর্কশিল্লবা, কিবনা মিপাইজববা মাযথোঙদা মমীং ঈ কানা লোন্না লোন্না যেংলিবদু। ঐখোয নুপী মযাম উবদা জাদুমনিগী মমানা কপ্পা-কপ্পা তমলকই,

"ওক্তবীসিনা ঐগী হৃশিংসে পুম্মাঙ-মাঙহনগদৌবে। কবিসু খঙজদ্রিবা অঙাংশিংসিদা ইনশিন্দুনা মখুবাশিংদা ফাওবা খুৎ থাগে তৌইনে।"

মীপুম খুদীংবু পুক্লীং চিংশিনহন্দুনা জাদুমনিগী থংনবা মনাওনুপা নন্দোনা লাউ খোংদুনা হায়বকই,

"মাগী ময়াং-তাৎতু ঐখোয়দা চৎনবোই। মযাম পূন্নমক্লসু খণ্ডবীবমগনি। নুপীসি লমচৎ নাইদ্রে। ঐখোয মাবু থন্বা ঙম্লোই।"

ঐনা মতমদুদা হাযনীংলম্বদি তনুজাবু মখোযনা থমলিববা ? মখোয়গী মীনুংশিনা অসুক কুইবসি হিংলকলিববা ? ঐনা তাখিবদি জাদুমনিনা য়াওবম্বা এল, আই, সিগী পৈশা ফাওবা মখোযনা পায়শিনখ্রে হাযবসিনি।

বীনাবানীনা চৎখ্রবা তুংদা মাবু অতোম্বী ওইনা জাদুমনিনা পুবকখি। মমাগী মীনুংশি ফংজদ্রবা অঙাং অনিদুনা তনুজাবু মমা ওইনা ফংজবদা হবাউজখিবদুবু তনুজাগী লাংদা থুবনি হাযনা মখোযনা হেক হেক হায।

"কান্নদে ইনে তম্ফা, ব্রাসি শাংদোকহন্দুনা। মাবু লৈকাই মযাম চঙদুনা তাম্থোকখ্রগা লোইবে। নত্ত্রবদি ইচা অনির্দি নাতে য়াম' চাবোইদৌবি।"

ঐখোযগী ইনে তম্ফানা নুপী মকপকী সেক্রেটবি অমা ওইনা ব্রাযেন্নবা খ্বাঙচেৎ লাকখৎলকই,

"নন্দোগী ব্রাবীসে তাবদি খবা তাবে। অদুবু নখোযগী চীন্দগী তাবগা লানবা-চুন্বা যেংবা হাযবদুনি।"

ঐখোযবোমদা অমুক্তং হন্না যেংলম্লগা নন্দোনা বাবী লীবা হৌবকই,

"বাবী হাযবব্ ইনে, অঙাং অনিসিবু মহৈনা ফাজিনবত্রা নত্তনা ইযাম্বদসু মানা হাংপা শোযদনা ওইগনি। মশা মউ ফবমখ্রবা ইযাম্বনি, অদুবু ইখঙ-খঙহৌদনা হেক্রা শিবা যাববা ?"

ঐনা তাখিবদু জাদুমনিদি মাগী থবক মফমদগী নাদুনা লাকখির্বনি, কিডনী ফেল ওইবনি হাযবা নত্ত্রা ?

"মানা স্কুল কাবিনে তৌবিসে নাতে চাদবা যাম্না তাবে। মদু মানা ঐখোযবু উশিত্তদুনা তৌবিবনি, লৈকাযসিবু উশিত্তর্বনি।"

তুমীন্না ফমলিবা তনুজাদা লোন্না যেংলুই, পুক্লীংদা হংজে "মাবু লমচৎ নাইদবীবা ?" ঙসি নুমিৎ মঙা-তবানিসি অদুম্না মুশুক-মুশুক ঙাঙনবদি ঐসু তাববনি। অদুবু থাজবদি ঙমদে। নোংমসু নন্দোগী নুপীনা ব্রাফমদুমক পল্লন্মী। ঐনা থাজবা ঙমদ্রিবসু মদুনা ওইবম্বা য়াই।

"কৈকান্নদগে সুম খন্নরগা ? কোক তাম্থোকখ্র' লোইরে।" মনাওনুপা বিরেন্না মখোয়দৌ থীৎপা শানা ঙাঙলকপনি।

"অঙাং অনিসি ঐখোয়না য়োক্কনি।"

কিরুপ কিরুপ লেপলিবা অঙাং অনিদুগী মশাইগল পায়রগা ইবোম্নানা মখা শমথৈ,

"মাগীদি মখোয়সে মীতোপনি। মচাসু নত্তে, ময়াং নুপীসিনা মখোয়বু নুংশিবা নত্তে। পুম্নমক তাৎনি, সিদা লৈবা য়ানবা। অদুবু তুংদদি ঐখোয়দা তাগদবা লৈরে। ইয়াম্বনা থমলম্বনি ঐখোয়না ইম্থোক্লবা যারোইদবা।"

মখোয় নুপাশিংদা নত্তনা মখোয মখোয়গী নুপীশিং, মচন্নুপী, মমানচিংবা ময়াম্ন সু মাগী মাগী মত ফোংদোক্লুরকই। মখোয় পুম্বনা তনুজাবু থম্বা পামদ্রে. মহাক লমচৎ মোৎলে হায়না মত পীনৈ। অসুক যাম্না মিংচৎ থীবগী ব্রারী তারবদবু কনানা মাবু মবাল লৈতবীনি হায়খিগদগে ? খবনা মরু কোকথোকসি অদুগা লম্বীদা চৎহনসি হায়বা য়াও. খরনা তাম্থোকখ্রসি, পুলিসতা পীসি. খরনা ময়াম চঙদুনা সেন্দলনা অমু'ম্মক কনসি হায়বনচিংবা ঙাঙনরকই। ইনে তম্ফাগী নাকোঙদা ঐনা লোম্না হায়রুই,

"ইনে, তনুজাগী ব্রাসু অমুক্তং তাখিসি।"

"কৈদৌনগে হায়রিনোনে ? ফজদবা মিংচৎ হায়সিদি লোৎপা য়াবা নত্তে।"

"অদু ওইরসু অমুক্তংদি হংখিসি।"

"হোয়-হোয়, নঙনবু খল্লবদি হংবা হায়দুনি। অদুবু মাগী হায়নীংঙাই ব্রাবী লৈরমগনি নীংদে।"

ইনে তম্ফা চঙশিনখ্রে। ময়াম্বু থামদুনা হায়রকই,

"অমুক্তা ঙাইনীখো। তনুজাগী ব্রাস্ ঐম্খোয় তাখিসি।"

তুমীন্না ফমলিবা তনুজাগী নাক্তা লেপ্তুনা হংলকই,

"তনুজা, নঙনা করি হায়নীংলিবা ? নঙসু তারম্লনি ময়াম্না ঙসাইদগী ঙাঙনরিবা পুম্বসি। তৌজিক কবি হাযনীংঙাই লৈবিবগে ?"

ইনেদা মমীতুু য়েংখৎলকই। করিসু হাযবক্তে। যানা ঐখোয় কনাবুসু থাজবমদবা য়াই।

"মানা কবিমুক হায়কনি ?"

জাদুমনিগী মমানা হায়বকই,

"মবাল লৈতে হায়দুনা চেল্লগা কনানা থাজবীগনি ? মৈতৈ ওইবসু মফে। পাঙল নুপাদুগবু .. তাবদা তুদুম চুংই।"

ওঝা বসিদ ! ঐখোয়না ট্যুসন তৌবকপা ওঝানি। ঐনা ওঝা বসিদপু ফজনা খঙই। মহাক অদুগুম্বা মীওই নত্তে। পুকচেল চাওবা মীনুংশি খঙনা ওঝানি। সবকাবগী থবক্তা শেল পীজদুনা তৌবোই হায়দুনা তনুজানা ওর্তাবব' প্রাইভেৎ স্কুলদা ওঝা ওইদুনা লৈবিবনি। তনজাগী লাইবক থাবনা পুন্সিদুদা মতেং পাংথোক পাংশিন তৌনবম্বদি যাহ। অদুবু ফজদবা মিং চৎসিনু ঐবু থাজসিবা ?

"মবমচৎ চুমদবসি ইচাশিংনা যাদে। মাবু অমুক থমনীংদ্রে। মযাম্না মসিগী অচুম্বা বাযেল তৌবাবম্মু।"

মবমচৎ চুমদ্রবদ মাবু লৈকাইসদা কবম্না থমগান ? শন্দোক্কনবা লায়নাগুম অঙাং নুবশি দা শন্দোবক্লবদি মদু থিংলুনবা উপায় লৈতে। অদুনা মাবু তাস্থোকপা ওটাই যদ্রে। মযাম পূম্নমক্না লেপ্লবে। লমচৎ চুমদবী তনুজাবু যমসিদগাদা নত্তনা লৈকাইসদগাসু চৎহনখিগদবনি। ঐখোয় পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপ্লবা অদুদদি তনুগদু উপায় লৈ তনা কপখোবক্লে। মাগী মীকপ তাবদ। কিথা কিকম্লনা লেপলিবা অঙাং অনিদু চঙশিল্লক্রনা মাবু কোল্লবে।

"ইমা নঙ চৎখিবা যাবোই। নঙ চৎখিনুকো।"

অঙাং অনিদু হাক হাক কপ্লি। মীযামদগী থম্মোয়দা মীনুংশি পোক্লবগী তাঞ্জা ফংদে। মখোয়দা হন্না ঋাওবা যেংদনা তনুজানা নৃংগী মুাঙ্গুম চপ যুংনা ফমলি।

"তোম্বীস্না, অঙাংশিংদু পুথোকখো। চাক ঈশিংগা পাজবচো।"

মমাগী যাথং ফংলবদা অঙাং অনিদু চিংখোক্কদবগী চঙশিল্লকই। অঙাং অনিদুনা তনুজাদা চেৎনা কোনশিন্দুনা খাঙই।

"ইমা ঐখোয় চৎলসি, যুমসি মোয়দা পীথোক্লম্লসি। ককা নন্দোনা নঙ তাস্থোকখ্রগা মাগা লৈমিন্নসি হায়। ঐখোয়দি কনামত্তগা লৈমিন্ননীংদে।"

নন্দোদু ঙংদুনা পাইশিল্লকই। খবা চাওবা জ্ঞান হায়ফেৎ তাববা মযাম্বগী মচা অহন্দুগী ঙকশম পাযদুনা চিংখৎলকই,

"নচীন্দু অদুম্না কনানা থীযু হায ?"

উযুংগুম ফন্নমবা তনুজাদু মমায লৈথোবকই, নন্দোদা মুম্না যেংলকই। মীৎযেংদুদা কবি যাওবনো খঙদে অঙাংদু খংথা থাদোকই। মচীন থী- থীদুনা হান্নগী ফম্ফমদা অমুক হাঞ্জিল্লকই।

ঐখোয পূম্নমকসি যেংবা লাকপা নত্তে। ঐখোযগী ইথৌদ তনুজাবু তাম্থোকপনি। ইনে তম্ফানা লুচিংদুনা ঐখোয তবা কুন চঙশিল্লম্মী। ইনেনা ব্রা হৌদোকই,

"ইবেম্মা, নঙ সিদা লৈ গা কৈদৌনগে হাযবিনো ? জাদুসু লৈত্রে, নঙ চৎখ্রো।"

হন্দক্তি তনুজাদু পাউখুম পীবকই,

"ইনে ঐ কদাযদা চৎকনি ? ঐগী ইচাশিংবু হুন্দো ক্লনা ঐ চৎনীংদে।"

"মদু যাবোই। অঙাংশিংগী খল্লুনু। মখোযগী মবোক মখুবাশিং লৈবি। নঙনা মখোযদগী হেনবা নত্তে।"

"ঐবু মফমসিদা লৈহনবীযুনে ইনে।"

ঐগী খুৎ পাযবগা অমুক হাযজবগী মওঙদা মখা তাবকই,

"নঙসু হাযযুনে ইনাও, ইচানা লৈবা মফমাসবু ঐগীসু শরুক যাওদবরা ?"

ঐনা তৌফম খঙদনা মযামদা যেংলম্মী।

"অবেম্বদা মতম মাঙহল্লবোইসি তনুজা। ঐখোযনা গর্যাবসিনি নঙনা চৎখিবা হাযবসি অমসু অমসু ইফ-ফর্বান। নঙগীসু মাসিনা হেন্না ফর্বান।"

"ঐ চৎলোই ইনে। অঙাংশিং হন্দোকপা ঙমলোই।"

"নঙনা চৎপা-চত্তবা হাযবসি নঙগী অপাম্বগী মখা পোন্দে। নঙোন্দা শীবিবা নবালসিগী মবমদা শেংদোক্লীংলবদি শেংদোবকউ। মদু ঐখোযনা খন্নবগা তৌগদবনি। অদুবু নঙর্নাদি কবিসু হাযদ্রবনিনা নঙবু তাম্থোকপসি ব্রাবেপ ওইবে।"

ঐখোয পূম্নমক্লা ইনে তম্ফাগী ব্রাদুমক শৌগৎনবম্মী। পূম্নমক্লা মাবু তাম্থোকপসি ইথৌনি খল্লম্মী। অদুবু হৌবদগী হৌনা ঐখোয মযাম চঙদুনা তনুজাগী মফমদা চুমদবা অমা তৌবে হাযনা ঐগী পুক্লীংদা যাম্না কন্না ফাওবম্মী। অদুনা মযামগী ব্রাদুদা যেৎলুদ্রবসু ইপুক্লীংসিদা হৈনীংদবা অমা পোকলম্মী।

"ইনে, ঐ চৎখ্রগে। ঐ কলেজ চৎকদবনি।"

"নঙগী কলেজদু ঙসিদি লেপ্লো। মসি লৈকাইসিগী ইজ্জৎকী ব্রাফমনি। লমচৎ মক্লবদি তাম্পোকপা হায়বসি ইবৈকাইগীদা নত্তনা সমাজ অসিগীসু অচৌবা থবক অমনি।"

ইনেগী ব্রাদুনা ঐবু চৎপা ঙমহল্লমদে। লৈবাক্কী সেবাগীদমক ঐসু কলেজ লেপ্লে। উপায় লৈজদ্রবী নুপী অমগী ফজদবা মিংচৎ শন্দোকপদুদা ঐসু শরুক যাবা যাওবে।

"ফবে ফবে নঙ চৎনবা তৌবো ইবেম্মা। অঙাং হায়বসিদি অঙাংনি, মবাইনা কাউজখিনি।"

ইন্দোমচা অশংবীনা ব্রাদু লোইশিন্নবা হায। অঙাং অনিদুনা কপ্পা-কপ্পা হায়জবিবদু কনাসু তাবীনবা লৈতে। পুম্নমক্কা খঙবগুম তৌই, অঙাং অনিদুগী তুংগী যাইফবদি তনুজানা চৎখ্রবদতা ওইগনি।

অদুক যাম্না লৈকাইগী মীনা যাথং পীববদুদদি মহাক হৌগৎলকলে। ম'গী চত্তনবগী উপায লৈতে। মহাক চৎনীংদে হায়বদু নত্তবা অতৈ ব্রাকৎ অমত্তা লৈত্রববা ? মঙোন্দা শীবিবা মবালদু, মাঙোন্দা যেংলিবা মীৎযেংদু শেংদোকচনবা মাগী কবিসু লৈত্রববা ? অদু ওইববদি মহাক তশেংনা মবাল লৈববীবা ?

তনুজাবু তাম্পোকপগী থবক লোইববদুদদি লৈবাক্কী অফবা থবক অমা তৌকবে খন্না যুম যুমদা হংনবক্লে। ইনাক নক্লা চৎমিন্নবিবা নুপীদুদা লোন্না অমুক্তং হংগে খল্লই "তনুজাদু কদাযদা চৎকদৌবিবনো, লোন্না অমুক্তং যেংলুসিবা ?"

তনুজা চৎখ্রে, মাগী মোৎলবা মিংচৎ পুদুনা। মমা মপানা হন্দোক্লম্লবা অঙাং অনিদু কবম তৌনা হিংলি কনানসু নীংশিংনখিদ্রে। মবক মবক্তদি খল্লি, তনুজানসু মখোযবু কাউখ্রববা ?

যাম্না থাজদনা থা অহুম্মুক্কী তুংদা বসতা তনুজাবু থেংনখি। মহাক ক্লাকৈথেলদা ভাবাগী কা ব্রাযবগা লৈ, অনকপা স্কুল অমদা ওঝা ওইবে হায। কবিগীনো মানা মবমদমদা হনখিদ্রিবা ? মাগী মবুং মৌপ্পা লৈবিবা মফমদুদা হন্দনা মাগী কনাসু লৈত্রবা লমসিদা লৈবিবগী মবম অমা লৈবিববা ? মবমদু বীনাবানীগী মচা অনিদুনা ওইবমগদ্রা? নত্রগা ... ? নত্তে, অতোপ্পা নত্রগা হায়বা ব্রাফমসি খল্লুবা শুকঙম

ঙমলোই। ঐ নীংশিংলি নোংমা মানা হায়খিবদু,

"ইনে তম্ফা, মফমসিদা ঐগী কনাসু লৈতে। ঐ লৈবসু লৈনীংদে। অদুবু ঐ চৎপা ঙমদে।"

ইনে তম্ফানবু লক্লখি,

"নখোঙদা জাদুমনিনা থৌবী থুজিল্লমলববা ?"

মহাক নোক্তুমক নোকখি ঐনা খঙনীংনা হংখিবনি,

"কবিগীনো অদুদি ?"

"মসুক নুংশিবা ইচাশং লৈরোলবসিদি ?"

"মীনাবানিনদি হন্দোক্লম্বা ঙম্লগা নঙনদি কানগী ঙমাদ্রবনো ?"

ঐগী ব্রাহংদু মহাক যানাংখিদবা থংদে, মাগী মাংথোঙদু খঙমক মকশিনখি। কাবনোমা হায়নীংবদা হাগবা ঙমদবগুম তৌখি। ঐ ইতোমতা ঈকায়জনখি। কনিগী মীগী ইমুংগী বাফমদা মশেংপা শাববিবনো ? কবিগী মানা চঙবগা নুং খঙনীংলুবিবনো ?

"মখোয় অনিনা পাখং ফংগদৌসি বাংলি ?"

মশাগী বাখলদা মশা মতোমতা নউজদনা হায়খি,

"চহী মনি/মঙা লৈবদি গোগোদ পাখঙ ফানবিননা ?"

অগ্রাং অনিদুনা পাখঙ ফাদুনা মপোমদোম লেপত্রৌবদ ঙাইবম্লসু যাই। অদুবু মদুদা মাগী তোংজবা কবিনো ?

"নঙবু কদাই চৎলুনিনো ?"

এগা বাখলবু থুগায়দুনা মানা হংলকাখিবনি। ঐনা নোক্লুনা খুম্মী,

"ঐবুনো ? তনুজাবু থেংননবা কোয়কবনি।"

মাসু নোক্লুনা হায়,

"থেংনবগা কৈদৌনগদোইনো ? ঐ থেংনবকই হায়না তমলুদোইবা ? ঐদি নখোয় কনাগসু থেংনদনবা লোৎলগে খল্লুববনি।"

মানা ঐবু যেংলগা খঙনীংনা হংলকই,

"অঙাংশিংদু স্কুল কাবিববা ?"

"ইনাওবদুদি কাবি। গোগোদি মীগী যুম শাবা যাওবিমাল্লে।"

"অঙাং মানবো ?"

মপি তৈথোকখিববা ?

"ঐ নোংমা লাক্কে, মখোযগা অমুক্তং উনগে। নঙ খবা শীনবীগেবা ?"

"তনুজা নঙ মখোযবু কাউবোদা।"

হাযফম থোক্তবা রাদু ঐনা হাযকই। মবমদি মখোযবু উনহনবা ঐ তশেংনা কি।

"ঐসু কাউনীংলে। অদুবু কাউথোকপা যাদ্রি। ঐবুদি অঙাংশিংনা থাজে অদুবু বীনাবানীদি মখোযনা তুকচে। মানা অমুক হন্না মযুম পানখিবদুদা মখোযনা মাবু ঙাকপীবা ঙমদনা ব্রাবৌখি। বীনাবানীগী অচুম্বদু মখোযনা জ্ঞান তাববকান্দা ঐনা খঙহনখিগনি।"

"নঙবু মাগা তোযনা উনববা ?"

"ঐদি মাগা তোযনা উনৈ। মানা থাজে মাগী অচুম্বদু খঙহন্নবা ঐ নত্তনা কনাসু লৈতে। অদুনা মাগী হিংদুনা লৈনবা উপার্যদি ঐনা অঙাংশিংবু ভাব তাহল্লক্কনি হাযর্বাসিনি। ঐসু নুপীনি মাগী শোক্লবা থম্মোযগী ব্রাকৎসি ঐনা যাকুদবা ঙমদে। মাগী পিদুগী মবম অমা ওইখিববা ? ঐনা লাক্লমদ্রবদি ঐনা মাগী মফম মুল্লমদ্রবদি ...!"

"অদুবু মাগী অচুম্বা হাযবনা কবিনো ?"

"মশা মবোমদোম লেপচনবগীদমক উপায লৈজদবী নুপী অমনা মীব্রা মৈশা লাংদনা হিংদুনা লৈগে হাযববদি নুপা অমগী মকম খুপ্না হিংবা তাবকই। মাগীসু মর্দুনি। মচা অনিনা চাওবা ঙাইনা হিংনবা উপাযদি মদুমত্তা ঙাযখি। ঐদি মাবু লান্না খনবা ঙমদে। গোগোগী মপাদু যাম্লদি ফত্তবনি। মানা নুপীবু শকখঙবা ঙমখিদে। শুপ্নতগী শান্নপোৎ ওইনতা উখির্বনি। পামদ্রগা হেক্তা লংথোকখিবা যাবা পোৎকুম মহাক্লা বীনাবানীবু ইন্থোকখিবনি।"

মানা বীনাবানীগীদমক ব্রাবীবি অদুবু মাগী পুন্সিদি ? ঐনা যাম্লা হংনীংবা, মতম কুইনা খন্দুনতা লাক্লবা ব্রাফমদু হংলুই;

"তনুজা নঙগী মবমদা মযাম্মা ফজদবা মিংচৎ শন্দোকখিবদুদা নঙনা কবিসু হাযখিদবা কবিগীনো ? তুমীন্না লৈখিবদুনা নঙবু মীযাম্মা লান্না উখিবনি। নঙনা অশেংবদু হাযবল্লবদি ?"

মহাক নোকলকই। কবিনো মীনোকর্সিদি ? বাযেল্লুবা ঐখোয়মক্তদা নোকলিবগুম ঈকাযবা ফাওবকই।

"ঐখোয কনাসু নঙনা থাজখিদববা ?"

"মদু নত্তে। ঐ ইশানা হৌশাগী ইবাযবকপ্ থাজদবনি।"

"মদুদি ঐখোযবু থাজদে হাযবগা চপ মান্নে।"

"নখোযবুদি কবিগী থাজবোইদৌবিবনো ? অদুবু ঐনা কিখিবদি ঐনা নখোযবু থাজহনবা ঙমলোইদ্রা হাযবদুনি।"

"মবমদি ?"

"মবম ? ওঝা বসিদ মশামক্না হাযববদা নখোযনা ঐবু অমুক থার্জখিগদ্রা ?"

"ওঝা বসিদ ?"

ঐ ঙকপনা খম থেংলম্মী। শিংলী যাওনা ফাজ্জিনখ্রবগুম তৌবম্মী।

"ঐনা মাবু থাজকবনি ইবুং অমগুম। মহাকসু যাওনা ঐবু মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনবল্লবদা ঐনা কবিমুক হাযকখিগদৌবনো ? ঐগী অশোনবতবু তাঞ্জা ঙাইবিবা মখোযগী খুদোংচাবা ওইখিবদি শেমজিনবা বদনামদুদা মহাকসু যাওখিবদুনি। মদুদা মাগী ওইজবা কবিনো ঐ খঙদে।"

ওঝা বসিদনা অথীবা মিংচৎতগী মল ওইনা তনুজাবু খুদুম চনবা পামখিববা ? নত্রগনা কবি ? তনুজাগী মযথোঙদা যেংলুই ঐগী মীৎযেংগা মীৎচান্নকই। মহাক নোলক্লকই, মীনোক্লু উবদা খল্লুই, মহাক্না ফংলিবা মীওৎ মীনৈ অমদি অথীবা মিংচৎ অদগী পাউখুম খুদীংমক মাগী মফমদা লৈবিববা ? পাউখুমদুনা কবি? ঐগী মীৎসিদা উবকই সাদর্মানি, নন্দো, বিরেন, ইবোম্না, ওঝা বসিদ ... মখোয খুদীংমক্কী তুকচনীংঙাই ওইববা মমাংশংদু তনুজাগী মাযথোঙদা যেংলিবগুম।

ওক্তোবর, ২০০১

শকউদবা লৈইশিং

ঙসি চহী হৌবনি শজিবুগী চৈরাউবা। বীরমনিনা নুমিৎ অসিবু খৌরাংনা ঙাইরকলিবনি। মাগী লুনা নীংজবী মমৌ অতোম্বীগী মায়থোঙদা শকউদবা লৈই চিংশিল্লকখিবদু মানা খৌরাংনা ঙাইবকখিবা ঙসিসিমক্তদনি। পীক্লা মমা কায়নহৌরবা মচানুপা থোইবনা হোসপিতালগী ওপবেসন থিএটবদগী অঙৌবা ফিনা কুপ্লা স্ত্রেচরদা নীংঙাইদনা অশি লমদম পাংখিবদু ঙসাই নুংথিলদনি। পূম্নমক তাইওন্নখি। লাঙবা পামজবা বীবর্মনিনা নুমিৎ চুপ্লা শীঞ্জ-লাঙজবা পৃম্বা উফুল ওনখি।

পূজা হৌরমদাইগী পুক্লীং তয়াং তশোইবা মতমদুদা হোসপিতালদগী লাকপা মচা অতোম্বগী এক্সিদেন্টকী পাউদুনা বীবর্মনিগী চহী চুপ্লা শাগৎচবকপা পৃম্বা হুমদোক্তুনা পুখ্রে। আমিগী পুন্সিদা কর্নশিনহনখ্রবা মাগী থম্মোয়গী লৈমায়দা লৈক্রক চৎখ্রে। বীরমনি কপখি। অঙাং মচাগুম কপখি।

ঙসাই কোরৌহন্নবনা তরং তবং নোংপোক চীংয়াদা থোরকপদু বীরমনিনা কয়াদা হরাউ হরাউনা য়েংজখিবা। অদুবু মাগী তামহৌরবী বঙ্গালি মতৈমগী অশীর্ব্বাদ চবুল পুদুনা বীরমনিগী তুংগী পুন্সিবু মঙ্গল পীনবগীদমক পাউখোল্লোই ওইনা লাকলিবনি হায়না খঞ্জখি। বঙ্গালী নিংঙোলদুগী নীংবা কায়রবা অইঙবা মায়থোংদু হন্না হন্না নীংশিংজখি।

নোংমা চষ্টী হৌবা নুমিৎ অমদা মাগী বঙ্গালী মতৈমনা হায়খি,

"চষ্টী হৌবাসদা লাইবক থীবী লুখ্রাবী উবদা নুংঙাইতবা পোক্নুনা চষ্টীসিমা পোৎলূম পবা তাবে। দোষ লঙশিল্লবাদ প্রায়শ্চিৎ তৌবা তাই। প্রায়শ্চিৎ অমত্তং তৌথোকউদনা।"

পাপ-পুণ্য থাজদনা কন থৌববা লান্মী বীবমনিবু লুখ্রাবীদুনা চষ্টী হৌবা খুদীংগী পূজা তৌহন্দুনা প্রায়শ্চিৎকী থৌবীনা মশামকপু বীবমনিগী পুন্সিদা পুনশিনহন্নখি। চষ্টী হৌবা খুদীংগী নাইতোম ওহৌববীদুগী যাথং ইন্দুনা পূজা তৌই। মকপ মপাং কযাগা লোয়নন্না হবাউ ওধাম্মা।

নুমিৎ তুগী নীংবা কাযবদা লুখ্রাবীগী লূববা মীৎ অনিদু ঙসিসু বীবমনিনা নীংশিংলি।

মতৈমবেম্মনা মসিমসু হায়খি, "খুদি মচা অমত্তং থীবদা নুপী ওইবাশিংগী সংসারদি পূমতোম্ব তোইবির্নি; মদু অমুক হন্না শেমগৎপা যাববোইদবা মাঙজর্বনি।"

নহা ওইবিবা যুম পানবগী অকৃপ্পা অর্থ খঙদ্রিবা বীবমনিনা বাফম অদুবু যানীংখিদে। নপ, নুপী, মৌ অমদি যুম পানদ্রিবী লৈশাবীশিংগী মবক্তো শকউদবা খেন্নবা অমা লৈ হায়না খর্নাখদে। ঙসিদি নীংবা কাযববীদুগী থম্মোয় শোকপা খোঙ্গেলদুনা বীবমনিগী হকচাং কযাং পূম্না ক্রক ক্রক ফাজিল্লকলি। মাগী তনৌ তনৌববী হবাউ তযামদুনতা লৈজবী মমৌনুপীগী মাযথোঙদা চিংশিল্লকলিবা লৈইশিংদু উবকই।

চষ্টী কযাগী মমাঙগী থৌদোক, বঙ্গালী মৌ নহাদুগী মীৎলু থূমলবা পিবাং ঙসিদি বীবমনিগী থম্মোয় লৈমায়দা মন্যক শেংনা থোবর্কলি।

অহানবা ওইনা কলকত্তা মচা সুসিলগী যুমদা নৌনা লুখ্রাবী ওইহৌববী মতৈমবু উখিবা নুমিত্তু নীংশিংলকই। দার্জীলিংদা লৈবিঙে মাগী চান্নববা মকপ সুসিলগী যুমদা চষ্টী হৌবগী থৌনা যাওবা চৎলি। সুসিলগী লুখ্রাবী মতৈমনা মখোযবু ওকলম্মী। ফিজেৎ লৈত্তেংদনা অদুক ফজবা শক অমুক্তা উখিদ্রিবগুম খল্লম্মী। মুশিল-মুবা মীৎ অনিদু মতম চুপ্পদা নীংবা কাযবত্তনা মনীং তম্মা পাওজবা ঙমদে। পিবাং থাংই। নুমিদাংদু সুসিলগী কাগী থোঙনাওদা উবম্মী। নুপী অমা যুমগী মথা থংবা দলানগী

মাঙ্গোলদা মৈ মুখৎতুনা ফমলি। মকোক খুল্লিবা ফিদু খরগা চিংখৎনবগী মখুৎ থাঙ্গৎলকপমক্তদা খঙবা ঙমলক্ষ্মী খুজি শিদবা খুৎতু সুসিলগী লুখ্রাবী মতৈমগীনি। চিংনবা লৈতনা বীরমনি নুপীদুগী নাক্তা চঙশিল্লক্ষ্মী। মী লাকপগী খোঞ্জেল তাদুনা য়েংথোরকপদা বীরমনিনা লেপতুনা লৈরম্বা উবদা ফুক হৌগৎতুনা হায়রকই,

"এ ! ইনাও ইবুংঙোনিনা; চঙশিল্লকউ, ফকসিদা ফম্মু।"

মনাক্কী য়ুম্বীদুদা ঙাথরগা লেপ্তুনা মখা তারকই,

"অচীকপসিদা ইতোমতা ফমলিবগী মরম খঙনীংদুনা লাকলিবা ওইরিনিনে?"

বীবমনিনা খুমফম খঙদনা মতৈমগী ৱাদুগী তুংইন্দুনা হায়রকই-

"অচুম্বমক্কি, ঙসিদি চহী হৌবনি, নুংঙাইতবা ৱাখল খনবা হৌনদে ইতৈমবেম্মা।"

নুমিত্তু সুসিলগী মতৈমা নোক্লবা কয়া হোৎনখিবা মাল্লি। অদুবু হন্না হন্না মাযথীখি। মাগী অঙকপা ফংনা ফজরবা মায়থোঙদু শকখঙনবদা ঙায়বিবা পাখঙদুগী মাঙদা হেন্না হেন্না মকশিল্লকলক্ষ্মী। বীরমনিগী কুপ্পা কাউরবা মীৎতুদা অমুক খাঙবা ঙমদদুনা খংহায় হায়রকই,

"ইনাওইবুংঙো, লুখ্রাবী অমদবু অদুম্মা য়েংবা হৌনব্রা ? লুখ্রাবীশিংগী মশাদা দোষ কয়া পক্তুনা লৈ। মদু কৈদৌঙৈদসু কাউবোইদবনি।"

বীবমনিনা কয়াদা ঈকায়জখিবা। মরাল কোকপিনবা লৎ-লৎ তৌনা করিনো মথোঙ খঙদবা ৱা কয়া হার্যখি। মতৈমনা নুংশিবীদুনা নোক্তুনা তাকপীখি,

"প্রাইশ্চিৎ ওইনা চহী হৌবা খুদীংগী পূজা-পাঠ তৌদুনা মরুপ মপাং কয়াগা হবাউ তয়াম্মা লেনগদবনি। অদুগা লাইবক থীবী নতৈমদা আশীর্ব্বাদ অমমমতংগা তৌবীবকউ, পোৎলূম পুদুনা কুইনা অমুক হিংদুনা লৈতনবা।"

ফাগী জুগাই ওইনা ঙাঙনখিবা ৱাফমদু বীরমনিনা কৈদৌঙৈদসু কাউখিদে। চহী হৌবা খুদীংগী মাগী মতৈমবু নীংশিংখি। অদুবু নুমিত্তু দদি বীবমনিনা শাউশিন্নদুনা হায়খি,

"মতৈমগী মমল য়াম্নবা পুক্সিবু মাঙহন্ননবগীদমক মনাওনুপা কনানা ঈশ্বরদা নিরুগনি হায়বগে ? অদুগীসু মথক্তা পূজা পাঠ তৌবা হায়বসি ঐদি থোইদোক্লা থাজদে।"

নোক্তুনা খুল্লকখি,

"অঙাওবা ! থবাযবু মাঙবা নাই হাযব্রা ? ভগবত গীতাদা ইবিবদু"

"তোকপিবো ইতৈমবেন্মা", বীবমনিনা মখা তাহন্দনা ব্রা মযাযদা থৎতুনা হাযখি,

"মদুগুম্বদু ইতৈমবেন্মগা নৈনজবা ঐ ঙমজবোই। ঐদি অচম্বা সিফাইনি, অদুক লুবা গীতা, কোবানগী ব্রা খঙজদে।"

অদুবু ঙসির্দি, বীবমনিগী পুন্সিদা অকনবা পূজা-পাঠ অমদি ধর্ম্মগী থাজবনা ক্রক-ক্রক পুনশিল্লকই। মদুমক মাগা তামহৌববী নুমিৎতুদা বীবমনিগী মবৈদা মাযথাহৌববী সুসিলগী মতৈমগী অশীর্ব্বাদ ওইবম্বা যাই হাযনা খল্লকই।

লোযননা উবকই, সুসিলগী মতৈমনা মমৌনুপীবু খুৎ শমদুনা পুখ্রিবদু যাম্না লাপ্না।

অদুবু মাগী মমৌ নুপীদি জ্ঞান তাদনা হীপলি।

সেপ্টেম্বর, ১৯৯৭

নোংলক্তা থাবল মঙাল

" নোং থিংলি থিংলি চুবা, ইহাঙহাঙবা মী চত্তবা লম্বীদনে ঐখোয় অনিখক্তা চংপদু যাম' নুংঙাইদৌ মাল্লি।"

চান্দনীনা নোক্লুনা খুমখি,

"থিংলি থিংলি চুববু ওইবসু নোংদবু চংলদি হেক্তা চোংপনি। ঐদি চোংপা হৈনদে ইঙবসু যাদে।"

" অপঙবী, ছাটি ন অচৌবা, মোবেগী মখোক অশাংবা পানবদু তুপকদর্বনি।"

নুমিত্তু মখোয অনি শার্থানা নোকখি, অসিগুম্বা মতম অমা লাকখিগনি হাযবা খন্দনা নোকখি।

ঙসিসু নোং চুবি লম্বীসিসু ইহাঙ হাঙলি। ঙসিতদা, অসুক কুইববগী তুংসিদা খল্লি "মানা পামজখিবদু অসিগুম্বা মতমসি ওইবিদ্রা ?"

কোয়না অমুক্তং যেংলুই - তশেংনমক প্রকৃতিসি ওহ্লোক্লা নীংথিজবম্মী। ঙহালমখৈ অমুক্তসু খল্লুদে নোং চোংপদা উনা ব্রানা লৌবুক লমহাঙনা কয়ামুক ফজবগে হাযবদু। নোং মরক্তা মতোমতা কয়ারক চংখ্রে, নোংমত্তা অসুম্না পুক্লীংদা ফাওখিদ্রি। চহী অসুক কুইরবসিদা লাপখ্রবা মহাক্তুগী মবমদা অমুক্তসু নীংশিংলুদ্রবনি; কবিগুম্বা

নীংশিংলক্কে তৌবকপদা মখৌবী মেত্তুনা ইন্থোকখিবদা অবানবনি হাযনা খল্লুদবনি। অদুবু ঙসিদি থবায হকচাং যাওনা মমি শামখ্রবা শক্তমদুগা লোযনবা ব্রাফম কযাদু নীংশিংনবা হোৎনবকই। উফুল থাংলম্লবা নীংশিংবগী মিংশেলদু চেকশিন্না নাম্থোকপা হোৎনবকই। অদুবু হোৎনবিবমখৈ মমি শামখি। কবিগুম্বা নুমিত্তসু মমি লাকশিনবা ঙমগনি হাযবগী থাজবা মাঙলকলে। মহাক মশামক্লা মখৌবী মেত্তুনা ইন্থোকখিবদু অমুক হন্না ফংবা ওইথোক্লবোই হাযবা খঙজবকপমক্তদা চান্দনীগী মীৎ অনিমক্তগী পিবীক চেন্থবক্তুনা নোংলীক্লা অমত্তা ওইনা খদাং তমলকই।

"ইবেম্মা, চঙলকখোদনা ' নোং মবক্তুদা লোইনা চোৎপা তাবে।"

চা-বোবা যোনবী, উখোঙ ফম্বীদুনা কৌবকই,

"ঙসিদি গাডীসু যাওবক্ত্রবোইবে, চোৎলেনে।"

"ইনে, নোংফাদোক চোৎপসিসু নুংঙাইদা, অদুম চৎখ্রগে।"

নংহৌববোই মতাপ্তম নুপীদুনা হায়বকই,

"ঙাইখোনে, ঙসিদি পোৎসু শীৎত্রে। বোবা চাবখো, গাডী লাক্কদবসু ঙাইহাক বাংলি   লাকখোও।"

তঙাই যদনা চঙবা তাখি। বেগতগী রুমাল লৌথোক্তুনা ফমথগে হেক তৌবগা তৌবকই,

"ইবেম্মা যুম পান্নবা তৌবোদা, মীওইবগী মতম হাযব'মা লৈবনি। পাক হেক লাকপা নত্তে।"

চান্দনী নোকই। চীনবান্দতা নত্তনা থম্মোয যৌনা নোকথোকনীংই। মীওইবগী পাক লাক্তবা মতম্থ মহাক্লা শান্নরুই। খল্লদে মতমদুদা, পাক লাক্তবা মতমদুগী অদুক চাওবা মগুন্দু। অদুবু ঙসিগী বাফর্মাসনা মাগী পাক-লাক্তবা মতমগী মহুৎ শিলহনবদি চান্দনীগী থম্মোযদা যানীংদে।

"কলেজগী ওজানি হাযবদাইনে ঙবাং লাকলম্বদু।"

গেট মযাগী পোৎফম ফম্বী যৌবল্লবা ' ওন্থোকপনি পুঙ্গি ' মী অসুক যাম্বসিনা পুঙ্গিদা খ্বাযদগী মক ওইবিবসি যুম পানবনি হাযবা চান্দনীদা হেক হেক খঙহল্লি।

"গাড়ীনা থেংনি, য়াম্ন মুন্না খনজীল্লুনু।"

খল্লুগদৌরিবু করিনো ? অসিগুম্বসিদি মহাক কয়া তারক্লবনি, খল্লরোই লেপখ্রবনি।

" মীগী পাউদা লৌদুনা লৈরে, মবক মরক্তা নশাগী পাউসু খরা খরা লৌবা ফৈ।"

এসিস্টেন্ট এডিটবগী ব্রাদু মহাক ভাব তাখিদে, মদুমক্তি নত্তে। অদুবু অদুম খুমলমদনা থোরকখি। মখোয় ময়াম্না হেক হেক লক্লে,

" কয়া কুইনা লৈখিদোইনো, থেঙমনদ্রিবরো ?"

ব্রাফমসি মাগী শাউনীংবী ওইরম্মী, অসুম তাশিল্লকপদগী থোইনা খল্লুদনা খুমলম্মী,

" কোন্না খনগে, অমুক্তা হিংখিগে।"

মহাক নীংতম্না হিংনীংই। কোযচং চংপা, পৃথিবীগী কদাযদা কবল্লা থৌদোক থোকলিবগে, কবি তৌনখ্রবগে হায়বগী অঙকপা পাউদা অসুক কুইবসি তাউদুনা লাকখি। মসিদা মাগী নুংঙাইবা লৈ, পোত্থাবা লৈ।

" ওজা কৃষ্ণমোহোনসি চান্দনীদা পুরাবু ঙাওরববা কৈনোমদুম তৌবেদা।"

ঙবাং ব্রাথী পাম্বা সুসিলনা খঙহৌদনা হৌদোবকখিবনি। মহাক শাথীনা হৈনখিদে। হায়ন হায়না আর্টিকল থিনবা কোক হেক লাকই ওজা কৃষ্ণমোহোন্দু। ময়াম তুমীন - তুমীন নোকনৈ। থাউ অশাংবা য়ানবা, কবি শাবা ওজা কৃষ্ণমোহোনবু চান্দনীনা যাম্না নোক্লীংই। মাবু নীংশিংলুববদি চান্দনী হেক্তা নোক্লীংই। চা - বোবা য়োনবীনা মাবু পল্লকপদা খংনোক নোকথোক্লুনা হায়রকই,

" ইনে মাগী থাউদু চেজেৎ মতৎ - মতৎ ময়ামগা য়াওরমদৌ মান্দ্রা ?"

"থীদা অঙাওবীসিদি।"

লাপথোক্কে খল্লুবা লম্বীসিদা মাবু হেক হেক চিংশিনগদবগী মীপুম খুদীংনা হোৎনৈ। মাগী ওফিসকী স্টাপশিংদগীনা আ: চা-বোরা য়োনবী ফাওবনা। লাপ্পা চেল্লিবমখৈ তান্নরকপসিবু করিনো ?

চান্দনীনা খনখি, মতীক চাবা ইহৈ হৈরে, শেল লৈরে, সঙ্গ লৈরে, কনাবু কিরুগদগে ? কনানা করিবু ঙাঙনবা ঙমগদগে মাগী মরমদা। মাদি কনাদসু লাগে দদনা ? বস ! অদুবু য়াদে , নুপী ওইরুবসিনা মাগী নীং তম্ববু য়াদে। মমাগী মফমদগী অসিগুম্বা ব্রাফমসিগী মরমদা কয়া তাবা তাবকই; হেক্তা হায,

" পংচত্তা চৎলগা কৈদৌনগদোইনো, নুপীনবো মদুনা য়ারদ্রো ?"

" য়ারনি হেন্দোক্লা য়ারনি", চাম্মরক্কি খুম্নীংলম্বা অদুবু তুমীন্না অদুম লৈথোকই।

" হোযদা কলেজগী ওজানি হায়জবতনি, মশক্কু ঐ ফাওবা নোক্লীংই।"

চা বোরা য়োনবীদুসু নোকথোরকই,

" মঙোন্দগীদি নোয়গী খবরগী এডিটরদুগী মনাওনুপাদুনা হেন্না ফৈ। প্রেসতুসু মখোয়গীনি হায়বদাইনে ? মশকসু ফজে। মদুসু মহানি। কনাগী নঙবুতনি মানা হায়জরিবা।"

চান্দনীসু হন্দক্তি নোকথোরক্লে,

" ইনে ঐনা খল্লিবা ..."

" করি খল্লিবা হায়য়ুনে হায়য়ুনে।"

হায়গে খনবদুদি হায়দ্রে অদুবু হৈনীংদনা খুমলকই,

" সুমাইসুম লৈবসিসু নুংঙাইদা।"

অদুবু মানা নুংঙাই হায়রিবা পুন্সিসিবু মীপূম খুদীংমক্না অর্থ থোক্তবনি, কান্নফম খঙদবনি, চানদবনি হায়না খলহন্নবা হোৎনরকই। মাদি নুপীমচানি, পুম্নমকসি মায়য়োক্নবদি মঙোন্দা অরায়বা নত্তে। মাবু ব্রাখল জাৎ জাৎ খলহল্লি। হৌখিবা অসুক কুইবা মতমসি মানা কনাবুসু করিবুসু থোওইখিদবনি। তৌনীংবা তৌবদা অথিংবা লৈ হায়বা খজিক্তসু পুক্নীংদা খল্লুদে। অঙকঅঙকপা, অচৌঅচৌবা মীওই কয়া উনদুনা নাবী শান্নরকপদা খজিক্তসু অশোয়বা লৈরক্তবনি। মশাবু খজিক্তসু হম্থবনি খঞ্জরক্লিবনি। মীগা - মীগা খেন্নবদা অদুক পুক্নীং চিংশিন্নীংখীদে। তোংঙান তোংঙানবা মীগী পরিচয়দা ওন্থোকপা মখলগী নুংঙাইবা নত্তনা মঙোন্দা মশাগী পুন্সিগা চাংদম্নদুনা, চূশিন্নদুনা খক য়েংলুদে।

অদুবু ঙসিদি মশাবু হন্থনা অমুক্তং য়েংলুবদা পুক্নীংগী পামজবনি হায়না খঞ্জবা লীচিংনা চিংদুনা মশাগী কয়াদা অচৌবা মাঙজবা অমা থোকখ্রবগে হায়বদু নীংশিংলক্লে। ঙসিদি মাগী তামখ্রবা মীশক্কুবু উনীংলকই - লাঙবা পামজবদু, মাগী থৌশাবীদবা কয়াদা থম্মোয় শোক্লা হেক হেক ব্রাকৎচরম্বদু। অদুবু কদায়দনো মানা থিকুগদবা মাগী হৌখ্রবা নুংশিবদু ? ঙহালমখৈ খন্দবা ব্রাখল কয়া খন্না খন্না চান্দনী মী চীকপা নোংলক্কুদা মশাবু কাউথোকচবা মখৈ থোরকই।

জানুয়ারি, ১৯৯৮

মরী অমা

সুচিত্রাগী লুহোংবগী বাৰ্হিন টেনলদা হাদুনা লেপ্লি। মাক্তো কুন্না পানথাদ্রে কনাদা কনাগদা হোংদৌবিবনো খাতি কুসু যেংনীংলুদে ঙৌগা ওক্লিবাদি মতাক লুহোংবদৌবে হায়বাসনি। চহী তরেৎ / নিপালগী মমাংদ, এদুগুম্বা ক্লাস ভুয়েলভ ওন্নমিং বিউগী সুচিত্রাদু মীত্তা উবকই। মশা ঙপা পানদনা মনমদি ওখাক কনবান। নুপামচাশিংনা লক্লবগা মানা হেক হেক খংনকবদো, মীনা হঙ্জিনবা যাদবীদু। মচাও থাগ্রবীদু ঙসি লুহোংদৌববা খাওবগী মতীক মহাক লাগনিকসু ফৈ।

নোংমা ঐখোয় মথাম ফাগী তৌরে,

"সুচিত্রা নঙবু নোই'মানা ডাক্টর ওইহনবা পাযদাই?"

ধীমোলানা ফাগী তৌই,

"নঙনা ডাক্টরগা ওইর্বাদ ওপবসেন তৌবিঙৈদা তুপ্পী ওন্ননা উপ্পদু নিংশিংলক্কুনা অনাবদু কাটিনা চংৎ চপথংলম্লগা খোবক্তৌ মাল্লি।"

তুপ্পী মনীং মমাও ওন্ননা উপ্পা মেগাজিন সেক্রেটবিদু পনবসি সুচিত্রাগী অশাউবীনি। লম্বীদা মা লৈবম্লদি দাউ যাবোই হাযদুনা ক্লাস য়াওদনা য়ুমদা হনবা ঙম্লিবনি।

"অওইনি সৈত্য।"

কানন্না মতেং পাংশিল্লি।

"তৌদা তৌদৌ মাল্লি।"

"এ! ঐদি ডাক্টরসু ওইরোই।"

"নোই'মানা ওইহন্নি হায়রিদুদি?

"অদু ওইরসু। ঐদি ট্রাফিক পুলিস ওইনি। হুইশেল হুইট হুইট খোংবদু য়াম নুংঙাইদৌ মাল্লি।"

মানা নোক্তুনা মখা তারকই,

"তুপী ওন্ননা উপ্পদু লাক্লগা মানগাডী মমা ঙদা থৌজিন্নবা সাইন তৌশিনগনি।"

ঐখোয মযাম ব্রা ব্রা নোকখি।

নোংমদি মহাক য়াম্না কপখি, মাগী মমানা নুপা অমদা মযুম পানখিবা নুমিত্তু। মহাক থম্মোয় শোক্লা কপখি। মশানা শুকয়া য়ানীংদনা মহাক চৎখি, মাগী মমাগী নৌনা মযুম পানবা মফমদুদা।

চৎলমদাইদা হায়বম্মী,

"ঐ ইমাবু য়াম' শাউনীংই। ঐগী পেন্দবা কয়া লৈ। নোংমা নঙঙোন্দা লোইনা তমগে খল্লি। ঐখোয় অমুক উনখিসি।"

মহাক লাকখিববা? ঐঙোন্দা মাগী ব্রারী পুম্বা তম্লখিবরা?

নোং য়াম্না চুবা নুংথিল অমদনি। ইতোমতা ঐগী কাদা ফি অথাবা অমা চিংখৎলগা লাইরিক অমা পাদুনা লৈরম্মী। মপান্দা নোং মরক্তা গাড়ী খামখিবগী মখোলদা থোঙনাউদা য়েংথোকলুই।

সুচিত্রানি। ঐ কয়াদা হবাউখিবা। চহী কয়াগী তুংদনো? মরক মরক্তা নীংশিংজরগা নুংঙাইজবী ঐগী থায়নগী মরুপ্তুনি। মহাকসু গাড়ীদগী কুমথরক্লগা নোং মরক্তুদা চোৎনা চোৎনা চেনশিলক্লম্মী। মাবু থিল্লম্বদু মাগী নুপারা? শোয়দনা ওইগনি, মশক মতৌ চঙখোনবা, য়েংবদা চীং লেম্বা নুপাদু। অমুক্তং মুন্না য়েংগে তৌরিঙৈদা নোং মরক্তুদা গাড়ীদু মমায় লৈথোক্তুনা থৌখি।

"ঐ লাকপসি নঙবু ঙক্লা ?"

থোঙজীল কানশিনফাক্ত্রিঙৈদগী হায়রকই,

"নঙগী হৌনবী অতনবী লায়নাদু তৌবিবগা ?"

ঐনা হবাউনা চেনশিন্দুনা মাবু কোনশিল্লম্মী। মাগী অচোৎপা ফিদগী ঐঙোন্দা অইঙবা ফাওবক্লম্মী।

"নঙবু উনীংমন্দনা হেক্তা লাক্লিবনি।"

"নঙদি হান্নদগী তেন্নবু এ ''থাম্ল ম্লেনে।"

ঐনা মঙোন্দা যেংদূনা হায়,

"হৌজিক্কীদুবু ?"

মহাক নোক্লকই। ঐসু নোক্লম্মী।

"কবিগী চঙহল্লক্লিবনো ?"

"থবক লৈ হায। সে, বাবীদুম শাসি।"

"ঐ চা লোনগে। নঙ ফি হোংদোকউ। অদ শ চা থক্লা থক্লা নঙগী বাবী তাগে।"

নোং চুবগী অইঙবদুদা ইর্যানি ফম্মুংদা পুল্লপ ফম্মিন্নবম্মী। কম্বল মবক্তুদা চা থক্লা থক্লা মানা বাবী হৌবকলম্মী

"ঐগী ইমানা অনিবক শুবা ওইনা যুম পানবগী বাবেপ লৌখিবা নুমিক্তু ঐগী পুান্সদা অমম্বা নুমিৎ অমা ওইখি। এগা অম হা ঙাযববা, পুন্সিগী লমজিং মৈবানি খঞ্জকবদু শকখঙদনা কনাগে মগা ওইখ এ থম্মোয কাযনা কপ্লাংখি।

ঐ খঙই, ইমানা ঐবু থাদোক্লোক্ত। অদুনি হাযদুনসু থম্মোযসিদা ইমাবু ব্রাবৌবনা ঐ লৈযম খঙলমদে। নতমদু ইমাগী বাবেপ্লু শাংনবগী অধিকাব ঐগী লৈবম্মী। ঐ মাগী মচানি। চহি ১৬/১৭ মাগী মতমবাকমক্তদা চাওবকপনি। মঙোন্দা ব্রা ফাওবা ঙাংবা ঙম্লমদে। অদুম্না ঐগী লাইবক্তা অনৌবা ইপা অমা লাকখি।

ঐ ইমাবু মাগী লাকশিনবা ঙমদ্রবা থম্মোযদুগীদমক তুক্কচখি। অদুবু ঐগী উপায কবিনো ? সংসাবদা ঐনা চঙলুবা যাবা মফম শুপ্পতগী ঐনা তুক্কচববা মফমদু নত্তনা লোযননা মফমদুদা ঐ কবম্না মতম লেনখি খঙলবা? পঙচত্তা চৎলম্মী। পঙকোযতা

কোয়রম্মী। মরক মরক্তা ইশানা ইশাবু কিজবসু ফাওরম্মী। ঐ খঙলম্মী, ঐ য়াম্লা ফত্রে। ঐগী হোংলবা শাজত্তুনা ইমাবু হায়নীংঙাই লৈতনা ব্রাহনগনি। করিগীনো খঙদে, অদুম্না ব্রাহনবদুমক পাল্লম্মী। তশেংনা মাগী লমচত্তুবু শীংনবা ওইনা ঐগী হোংলবা শাজত্তু মঙোন্দা খঙহন্নীংলম্মী।

ঙসিসু ঐদি ঐগী ববাদু কাউদ্রি হায়বদু উৎনীংখিবরা? ববাবু নীংশিংদুনা পঙকপ্তসু কপ্লম্মী। অদুবু ববানা পুঙ্গিচুপ্পগী ওইনা ইমাগা ঐগবু থাদোক্লম্বা মীকুপ্তুমদি ঐ কপখিদমাল্লে। ঐ কপ্পা কিরম্মী। মরমদি ইমাগী থম্মোয়দা চাক্লিবা মৈরীদুমক্তা ঐগী ইমাবু য়োৎশিনখিগদ্রা হায়না য়াম্না চিংনখি।"

ঐনা মরক থত্তুনা হংলম্মী,

"নঙগী ইমানা ববাবু য়াম্না নুংশিখিবরা?"

"নুংশিখিবা?"

অঙকপা মীৎয়েংনা ঐঙোন্দা য়েংখৎলকই।

"নত্তে, মীৎকুপ অমা ফাওবা ববা য়াওদনা ইমানা হিংদুনা লৈবা ঙমগনি নীংদে। ববাগীদমক নত্তা মাগী পূম্নমক ওইহৌবগদবা য়াল্লবা লন থুম পূম্বা খোঙ্গাওনবল্লিবা। অদুগা মাবু কবিদা শোযখিগদগে খন্না ব্রাজরিবা মমা মপাগী মাযোক্তা লেপখিবা। কনাগুম্বা অমনা মী অমবু অদুক হাক্লা নুংশিবা ঙমগনি হায়বা ইমাবু উদ্রিবা মীনা খঙগদ্রা?"

"অদুক হাক্লা নুংশিখিবদুবু কাউথোকখবে নত্তা?"

"অদুমকপু ইমানা ববাবু কাউথোকখরে হায়বা বদনামদি ঐ যাবা ঙম্লোই।"

থম্মোযগী ঈথক্কা লোয়ননা মখা তারকই,

"ইমাগী থম্মোয়গুম্বদি সংসারদা লৈরোই।"

"অদুগা অনিরকশুবা ওইনা য়ুম পান্নবা লেপখ্রিবনা কবিগী? ঐগী ইমানা নুপাদুবু নমথাক তৌরিবরা?"

"মদুসু নত্তে। ঐসু অহানবদদি অদুম্না খল্লম্মী। অমুকসু খনখি নুপাদুনা ইমাবু করম্বা যাদুনো তৌশিনখ্রমালে হায়না। অদুবু কোন্নদি খল্লকখি, ইমাগী ফজবদা মহাক

ঙাওখিবনি। অদুগা ইমানা মাগী শুমহৎলবা পুক্লীংগী মাযোক্তা লেপ্লা ঙমখিদবনি।"

মানা ব্রাবী মখা লীথবকই,

"ঐগী হোংলবা লমচত্তুগী মাযোক্তা ইমানা কবিমত্তা হাযখিদে। মদুনা অমুক হেন্না ঐবু ব্রাহল্লম্মী। ইমাগা ঐগগী মবক্তা অচৌবা পল অমনা থৎলবে হাযবা খঙলম্মী। অদুবু নুপাদুদি মবব- মবক্তা ঐগী নাক্তা চঙলক্তুনা মবী অমা শেমগৎনবা হোৎনবম্মী।

লৈচিল থাবা অযুক ·।·দা ঐ খোঙনাও মযাদা ফমলম্মী। বাখলসিসু চবাঙনবম্মী। খোঙনাওদা ·· বদা শিলংগী চীংশাংশিংদু যেংনা যেংনা ইমাগী মাযথোঙ উবকলম্মী। মোঙ হাদনা লেপলিবা চীংশাংদু লৈচিলশিংদুনা পূঙকুপ অমুক কুপশিন অমুক পাইথোক তৌবিবদু মীৎ কুপ্তুনা যেংলম্মী।

"লৈচিল পাইবা যেংলিববা নত্ত্রগা বাখল খল্লিববা?"

ঐ তাববসু তাদবগুম মচা লেঙদনা ফমলম্মী। মানা নক্লা চিংশিনবা পাল্লিমখৈ ঐনা লাপ্লা চেন্নীংলম্মী।

"লৈচিল পাইববু যেংলসু, তেলঙ্গা পাইববু যেংলসু নঙ লাইবিক্তি কন্না পাগদবনি।"

ঐ খুমনীংদে। মানা ডাঙলগা ঐনা তৃমীন্না লৈবসি ঐ হৈনবক্লর্বনি।

"সুচিত্রা!"

মানা ফাগী তৌবর্গা নোক্লনা শকফমদ্ হাঞ্জল্লগা হাযবকখি।

"নঙনা ডাক্টব অমা ওইবা হাযর্বসি নঙগী ইমাগী আশানি। নঙনা মাগী অপাম্বসি থুংহনগদর্বনিকো।"

কবিগীনো মানা হৈপা শাবিবা। ইমাগী পুক্লীংগী ব্রা মাগী মফমদগী তাবদা ঐনা হবাউবমগনি খনবঙ্গাৎলা?

"নঙগী ইমানা কবি হায খঙববা? ঐগী সুচিত্রাগী মনীং থুংহনবা ঙমদ্রবদি ঐনা মমা ওইকুগদৌবিবা কবিগীনো? নঙ খঙইদনা, মানা নঙবু যাম্না নুংশি।"

ঐগী লেংজুমদা মখুৎ থল্লকই। শাউনীংবনা ইশাসি নীকখিমাল্লে।

"সুচিত্রা নঙনা কবিগুম্বা নুমিত্তসু নমাবু লান্না লৌগনু। মহাক্না নঙগী-"

ব্রা ঙাঙবা লোইশিন্ত্রিঙৈদা ঐনা খংহায় হায়বম্মী,

"ঐ কবিসু তানীংদে। কনামত্তগী ব্রা তানীংদে।"

কযাবক্তি মানা ইনাক্তা অদুম্না চঙলকখিবা। থেম্নখিবা। অদুবু ঐনদি খল্লম্মী, কবিগুম্বা নুমিত্তসু করিগুম্বা মবম অমত্তনা ঐখোযগী টবক্তা লৈবিবা পলসি থুগাযবা ঙম্নবোই।

"মাই ডিযব সুচি।"

নুমিত্তুদি ঐ খাঙবা শুকঙম ঙম্লমদে। ঐবু মাগী "মাই ডিযব" বা? ঐগী ববাদু মতম খুদীং হবাউ মাযথোঙ চেনবদো ঐবু তক্তনা কৌবীনম্মী,

"মাই ডিযব সুচি" কবিগুম্বদনা "মাই ডিযব"। মতমদু কযাদা নুংঙাইখিবা ঐখোযগী পীক্লবা সংসাবনা। ঐগী ববাগী মচান্দগী তাখিবা খোযথুম্লবা মিঙ্গৌদু মাগুম্বা অমগী মফমদগী তাবদা ঐ শাথীনা শাউনীংলম্মী।

"নঙবু ঐগী কনানো" ঐঙোন্দা অদুম্না কৌনবগী হক কনাগীসু লৈতে।"

ঐগী শাউবনা ঙাঙলবা মীত্তু উবদা মহাক শোযদনা ঙক্লম্বা যাই।

"আই'ম সোমী সুচিত্রা। মতুংদা অবানবসি অমুক তৌববোই।"

"নঙনা ঐগী ইপা ওইনবা হোৎনবদু মহৈ যাল্লোই। কৈদৌঙৈদসু নঙনা ঐগী ববাগী মহুৎশিনবা ওইথোক্লোই।"

"সুচিত্রা!"

মানা অতপ্পা সুবদা হাযবকখি,

"ঐনা কবিগুম্বা নুমিত্তা নঙগী ববাগী মহুৎশিন্নবা হোৎনবোই। শিনবসু ওইথোক্তে। মসি ঐ খঙই।"

মানা মখা তাবকখি,

"অদু ওইবসু ঐবু নঙগী মকপ অমনি হাযনদি খল্লু। ঐখোয মকপ ওইবদদি কাযদেদনা?"

"যাবোই। নঙগা ঐগা মবী অমত্তা লৈনবা য়াবোই।"

ঐ মপান্দা চেম্ব্রোবক্লম্মী। মহাক্তি মতোমতা ঐগী কাদুদা কবিনো খন্দুনা লৈহৌই।

অদুগা ঐগী ইমাদি? ঐগী ইতৌদুদা তুমীন তুমীন কয়া'মা কপ্লম্বা যাই। খল্লম্মী, কপচ্যনু। মদু চপ চাবা চৈবাকনি। অদুবু মসিদা ঐ পেনবসু পোক্লমদে। ঐগী কেজফম, ওইনজফম ওইজবম্বা ইমাগা ঐগী মবক্তা লৈবিবা লাপ্পবদুনা ঐগী ইমাবু লৈতাহল্লমলোই। শোযদনা মাগী থম্মোযদা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎলমগনি। পুম্নমক্তু খণ্ডদুনসু ঐ খণ্ডশিন্নবমদে।

অদুবু নোংমদি থাজদনা মৈগী চীংদু পোকখাযবক্লম্মী। নুপাদুগা ঐগা, ঐগী কাদা লাউনবর্ম্মী। লাউনবর্মক্তি নত্তে হাযবা যাই। ঐ খক্তনা লাউ খোংখিবা ওইবমালে। মাদি যাম্না ইঙখৈ। ঐনা লাইবিক পাবিগৈদু ইনাক্তা চঙলক্লগা ব্রা হৌদোক্লে,

“মাই ডিযব, ভেকেসন মনুংসি মণিপুব কোযকসিদনা?”

ঐগী খ্বাযদগী শাউনীংবসি মানা হেক হেক শীজিন্নবিবা মিংগৌসিনি। হাযনি হাযবোই খণ্ডদনা হাযদোকখি,

“চৎনীংলগা নতৈ ননাও চৎলু। কবম্বা নথৌনানা ঐঙোন্দা অদুম্না কৌবিবনো?”

ঐগী অশাউবী ঙমখৈ যৌবম্মী।

“হুম, মাই ডিযবকাযনা।”

“ঐ কাউখোক্লবে, সুচিত্রা।”

ঐনা খল্লম্মী, মানা মদু কাউখোকপা নত্তে। কৌগে হাযবা অমা যাওনা হন্না হন্না কৌবির্বনি। ঐবু চাংযেং তৌবিব্বা?

“কাউবা শুকনৎ নত্তে। মদু নঙগী ঈকায খণ্ডদর্বনি। ঐ নঙবু তুক্কচৈ। নঙগুম্বা ঈকায খণ্ডদবা মাশিংসে ঐ তুক্কচৈ।”

কদাইদা লৈবম্বনো নঙদে, ইমাদু ইমাঙদা চঙশিল্লকই। মাগী মীত্তু শাথীনা ঙাঙই। মাবু উবদা ইতোমতা তৃ চুংবগুম তৌখিবম্মী।

নুপাদুবু মহাক্কা থাজিল্লকপা ওইবম্বা যাই। অদুগা মশামক্তি পর্দা মকমদা লেপ্পুনা কবি তৌবকপগে যেংলম্বা যাই।

“কবিনো নঙনা ঙাঙলিবদু সুচিত্রা?”

ইমাবু ঐ ব্রাবৌবক্লিবনি। মহাক্কা ঐগী মাযোক্তা অহানবা ওইনা ঙাঙলকপদুদা ঐ কপ্লম্মী।

“নঙগী নতৌসি ঐ নোংমা নোংমগী খাঙবা ব্রাশিল্লক্লে। নঙ ঐবু নঙগী নমানি

হাযবা নীংশিংখিদ্রমালে।"

মাগীদুসু ব্রাকৎ অমবা? অদুবু ঐগীসু ব্রারৌবগী চাং হেনগৎলম্মী।

"নঙদি ঐবু নোংমত্তা নঙগী নচানি হায়না নীংশিংখিববা? ঐ লৈবনা নখোয়দা অযেৎপা পোৎলূম অমা পুববা নত্ত্রা? ঐসু নখোয়গী নাক্তা লৈনীংদে। ঙসিমক চৎখিনি।"

"কদাইদা চৎকদৌবিবা?"

"মফম অমদা হেক্তা। নখোযগী নাক্তদি লৈববোই। অসুক কুইবসি তুক্কচবা কযা খাঙলক্লিবনি।"

ঐগী ব্রাদুদা মহাক খংশাউ শাউগৎলকখি।

"চৎখ্রো, নঙনা চৎনীংবা মফমদা চৎখ্রো। নঙগী মীওৎ মীনৈসি ঐ খাঙবা ঙমদ্রে।"

ইমাদু কপ্পুনা চেম্থোকখি। ঐসু শাউনীংবনা কবিমত্তা খন্থবা ঙমলমদে ইযাব বেগ লৌথোক্তুনা ঐগী ফিবোলশিংদু মথং মথং হাপচিল্লম্মী। মতমদুফাওবা নুপাদুদি তুমীন্না লেপ্লুনা ঐখোয অনিগী ইতৌদু ঙক্লা যেংদুনা লৈবম্মী। ঐনা চৎনবগী থৌবাঙ তৌবকপদুদদি ইনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা খামলম্মী।

"অদুম্না তৌগনু সুচিত্রা। নঙবু উদ্রবদি নঙগী ইমানা মীকুপ অমত্তসু হিংদুনা লৈবা ঙম্লোই। ঐগী ইবালগী দণ্ডি নঙগী নমাদা পীগনু। নঙবু মানা কযাগী মতীক নুংশিবগে হাযবদু নঙসু খঙলিবনি।"

ঐগী লেংজুমদা থমলক্লিবা মখুত্তু শাউনীংনা কন্থোক্লম্মী। অদুগা হাপচিনবা লোইববা ঐগী ফিবোল যাওবা বেগত্তু পুদুনা চেন্থোবক্লম্মী। তুংদা মানা তান্নবকপদু যেংলমদনা চৎলম্মী।"

ঐনা মাগী ব্রাবীদু মবক থক্তুনা হংলম্মী,

"অদুগা নঙনা কদাইদা চৎলিবা? নুমিৎ তাবগা অমুক হঞ্জিল্লকপবা?"

"হঞ্জিন্দে।"

মানা নীংবা কায়না খুমলকই,

"নুমিত্তুদা হঞ্জিল্লমলবদি ঙসি ফাওবিবা নীংমদবগী চৈনাসি ফাওবন্লোইদবনি।"

মহাক্না তুমীন্না ঙাইহাক লৈকৃবগা মখা লীখবকই,

"ঐ রুমেন হোষ্টে লদা লৈখি। ঐনা শাউদুনা থোবকখিবা নুমিত্তুদগী অমুক হন্না মফমদুদা চৎলুদ্রে। মখোযনা ঐবু হল্লকনবা যাম্না হোৎনখি। ঐগী অনম কনবদুনা ইমাগী থম্মোয শোকহর্নখি। ঐগী ব্বাবৌববু খাঙবা ঙমখিদ্রমালে, মতম চুপ্পগী ওইনা লমহেনবী মচানুপীসে থাদোক্লমদুনা চৎখি।"

"থা অমা অনিদি ঐ ইমাগী মোংফমদুদা নুংতিগী চৎলম্মী। অদুগা মফমদুদা পঙকপ্তা কপলম্মী। কপ্পগী পেনবা অমুক নাইবমদে।"

মহাক হীক হীক কপলর্ম্মী। ঐনা মনাক্তা তৌফম খঙদনা তুমীন্না ফম্লম্মী।

"এ। নঙদি অমম্বসিদা নতোমতা উৎলবোযবে। ঙসাইদগী ঐনা থিবদা আঃ যৌকবে।"

ইমানা ঙাঙনা ঙাঙনা মৈ থানগৎলি।

"কবি তৌবিবনো নঙবু ঙসাইদগী ?"

"কৈসু তৌদে।"

ইমানা তম্মী,

"সুচিত্রাগী হৈজীংপোত্ত মেমতোন্না অযুক্তা ওইনা চৎসি হাযবকর্পনি।"

চুম্মীনে, সুচিত্রা লুহোংদ্রেকো। নো ্চুবা নুমিৎ অমদা ঐখোয যুমদা মাগী নুপানা থিল্লমাদ্র। অদুগা মাগী ব্বাবীদুদি?

মহাক শিলংদদি চৎখির্বনি। শাউনা, বাবৌনা অদুম্না হেক থম্মোয শোক্না চৎখির্বনি।

"ইমা সুচিত্রাবু শিলংদা লোখবদাহ।"

"বাৰ্তোন্দ্ পাদ্রিববো নঙবো। থাংমৈবন্দা লৈবা অসুক কুইবসিদি। মাদি ডাক্টবসু ওইবে। মপাদু ওন্থোক্না ফখ্রে। পোক্তে হাযবা থাজদে। নঙনা অলিগবদা বিসর্চ তৌবিঙৈদু নোংমা মপাদুগা লাকলম্মী।"

"ঐদি কাবমত্তা খঙদেনা। ইমানসু নোংমত্তা তমদে।"

ঐনা খঙনীংবনা লাঙতক্লনা হংলুই,

"মখোয' ইমাদুদি?"

"মাদি হরাউজবনা লোইববজাৎনি সুচিত্রানা ডাক্টব ওইরবদুদা। নুপাদুসু ডাক্টব ওইরমাল্লে।"

"ও: সুচিত্রা ডাক্টর ওইববা!"

ব্রাহ্নেদুগা লোয়ননা ঐগী চীন্বাল মতাইদা লোন্না মীনোক অমা ফাওবকই। অদুবু মদু ইমানদি উখিদে।

জানুযারি, ২০০১

মাঙজবগী তোংজবা

মাগী অচৌবা ফিগী দুকান্দু ! ইস ! মীনা কুক কুক। ইচে বীনো, মহৌশাগী ইচে বীনোদু নত্তে। নীংথীনা শেম শাববা শম, মায, মীৎ ফিজেৎ লৈতেং অদুগা খ্বাযদগী মমল যাম্বা পুক্নীংগী লন মৈশা লাংদবা মাযথোং। কনানা হাযগদগে মাবু ঐখোযগী ইচে অনুবীগী মচানুপী ইর্চেবীনোদুনি হাযনা। লুহোংগদবা নুমিৎ নীনি মমাঙগী কাযনা মৈশা লাংলবী ইচে বীনো, বীক্সো থৌবা তাবীহাবি। মতমদুদা বোমীও জুলিযট, হিব বানঝা, লৈলা মজনুবু পুক্নীংদা নীংশিংলকখি।

"ইচে বীনো, ঐদি তা'বীহাবিবু মতমদুদা বোমিও ওইনা উখি, নঙনা জুলিযট।"

ঐ থীক থীক নোকই মাসু নোকই।

"খঙজদেদা নঙগী বোমিও জুলিযটকী ব্রাবীকা। ঐনা তাখিবা হাযববু খম্বা থোইবীতনি। মখোয অনিসু পুল্লপ শিমিন্নখি। কবিদি তোংজে ?"

"হোয, অমাও অতোংগী ব্রা পেকক ফোযবী নঙনা কবিদি খঙনি,"

পুক্নীংদা শাউনীংলপ তৌনা হায়জখি।

ঐনা অমুক হংলুই, লক্পনীংদুনা

"ইচে বীনো, নঙবু নঙগী মহাজনসিনা লুনা তৌবীবরা ?"

ব্রাহংদুমক হংলকপা পামলম্লসু য়াই নীংই। মহাক ঈকায়না নোকলকই। মাগী মীনোক্তুনা ঐগী ব্রাহংগী পাউখুম ওইখি। মাগী মীনোক্তু উবদা খঙজরকলে, খম্বা থোইবী, রোমিও জুলিয়টকী শিমিন্নবগী অমাঙ অতোংদু ইচে বীনোনা ফত্তনা লৌরমদে। নুংশিবগী অর্থ হন্দুনা লৈরমলবদি ঙসিগী ইচেবীনোনা ফংলিবা হিংবগী অর্থসিদি অদুম হনবা ঙমদনা লৈরম্বসু য়াই। অদুগা তাবীহারিসু রীক্লো অদুম থৌরমগনি, সচেবীনোসু পেরুক অদুম ফোয়রমগনি।

নবেম্বর, ১৯৯৬

মৈগী চীং অমসুং য়েন্নীংথা

পোষ্টমেন্না হৌজিক্তা পীবম্বা মাগী মিংদা থাবকপা চিঠীদু পানবগীদমক আবনধাতি ফম্মুংদুদা যমথবকই। থাবক্লিবগী মিং মযেক শেংনা ঈবা "সত্যম বাজকুমাব"। মিংদু উবদা ত্রশেংনা ঙকপনা , ঔফম খঙলক্রে। হবাউবনা লাউ খোঙ্গদ্রা নত্রগা কবি তৌগদগে ? অদুদগী নলিনিবু নীংশিংলক্রে। চিঠীদু মাগী মিংদা থাবক্লবসু নলিনিদা যোন তৌদুনা পামিন্নসি হায়খ্রে। নলিনিদি হোষ্টেলদা লৈ। তাবগা হবাউনা চেল্লকই। মচিন মনাও অনি চঙদুনা পাবকই.

"মৈদি ঈশিং তনা মুথাংনৈ। অদুবু কবি কবি ওম্বা মতমদা ঈশিংগী ঈবোলনুংদগী মৈগী চীংনা পোথাযবক্লবদি ঈমাযদুদসু চাকই। নঙগী বাবৌনা শাউবগা কল্লবা শাফুনা ঐগী ফমজিল্লগে খন্না ফমজিনহনখ্রবা থম্মোয়গী ঈমাযদা মৈবা থোকহল্লে. তত্তনা খল্লি, ঐগী চংলু যাদ্রবা কলমগী অনৌবা লীকলম যাৎলিবী নঙবু ঐগী কনানো? নঙগী বাবৌগল্লনী থম্মোযদুদা ঐগী মফম অমা ফংনীংলুবিবসিনা কবিগী? কবিগী বাখলসিনা নঙগী চিঠী তবু খৌবাংলুবিবা? অদুক হাল্লা ওইনচাওবসু মতম পুম্বদা অফবনি হাযবা যাবা নত্তে। ঐগী শিকববা আত্মাবু হিংগৎহনবীবগা অমুক হাত্তোকপদি নঙনা ঙম্লোই। থাজবসিতনা ঐ নঙগী চিঠীবু ঙসিসু ঙাইবি।"

চিঠী পাবা লোইবকপদদি তাকনধাতিনা খংলে, মহাক কদাইদনো অমা লানখ্রে।

যাম্না শাথীনা অশোযবা অমা তৌখ্রে। মানা মসিগী নাকল অমদি যেংখিদে, তুংদা মসিমক ওইবকপা যাই হাযবা। নলিনিনা লাক্কুনা হাযবৈ। মানা খন্তদনা হেক্তা ফাগী ফাগী যাকই। মদুগী ফলবু অসুক লুববা ! ফমুংদুদা শাংনা হীপথবকই। নলিনিদি মসি পূম্বা কনিমত্তা খঙবা নত্তে। নোক্কুনা হাযবকই ,

"কনগ্র্যাচুলেসন ! অকুন!"

হৈনীংদনা খুমলকই,

"কবিগীনো?"

"মনা ফংবগী অদুগা ..."

নলিনিনা সত্যমগী অনৌবা পাউ অমা পুদনা লাকখিবা নুমিৎ অদুগী 'ক্লাস' 'অমন, কবি গুরুগী নত্তনা সত্যম বাজকুমাবগী পুক্নীংবু ওলহন্দুনা অমুক হন্না ঐহাক্না ভক্তনদি ঐনা মনা অমা পীগন।" ইদাও ঙাওনা অকুনধাতিনা মচেৎ পাংথকুম পাখি,

"মনদু চৌজক্কগী থীব ও তৌবো, এনা মাবু শোযদনা ইহনগান।"

"কবম্না?"

"হনখিগে।"

"খল্লু, অদুবু অমবু ওইবো সত্যম বাজকুমাবব অমুক হন্না ইহনববদি যাদবনি।"

মতোমতা শোঙ্কবগী মওংদা অমুক মখা তাবকই,

"নুপী অমগীদমক্ অসুক ফজনা ইবা মীওই অমা মাঙলনা পাম্বিদা ,"

"নুপা অমগীদমক' মদুদি লাক্লে। নুপাদুনা নঙগী অইবদুগীদমক মশাগী পুন্সিদু মাঙজবমগদবদগী কঞ্জাখবা ওইবম্লবদি?"

"এনা নুপীদুগা পুন্সিদুবু মমল লৈতনা লৌবগা বা নত্তে। অদুব সত্যম বাজকুমাববুদি মানা লৌনম তৌবম্বনি।"

অকুনধাতি নোকলকই। মানা নলিনিবু খঙই, অমবু ওইববসু সত্যম বাজকুমাবব মবাল লৈ হাযকববদি নলিনিনা খাঙ ঙমজদে।

"ফবে, মা লাল্লমদসনু। ঐনা মাবু অমুক হয়া ইহনগনি ।"

অকুনধাতিনা খল্লুই, নুপী অমনা লৌনম তৌবমলবা নুপাশিংনা মচীন্দদি নুপীশিংবু তুক্কচৈ হাযনা চৈ। অদুবু থম্মোযদদি অদুক হাক্লা তুক্কচবা নত্তে। মখোযনা

মখোযগী নুংশিববু মীবাযবী হাযনা খাঙঙমদদুনা চৈ থাংই। হাযনীংঙাই লৈতনা শাউনীংই। অদুম ওইনমক থম্মোযদদি নুপীবু থৌওইদবসু ঙমদে। নুপীগী হায়জবা নুপীগী থাগৎপদা মখোযগী পুক্লীংনা হবাউনা জগোয শাই। নুপীগী থাগৎ ব্রাহৈবু ঈকাযখুম্নদবা ওস্বা নুপা অতাঙবনি। অদুবু মানা মসিমদি খন্দুনা য়েংখিদে, কবিগুম্বা সত্যমনা মাগী মাঙজখিবা নুংশিবদুমক অকনধাতিগী মফমদগী অমক হন্না ফংনবগীদমক তাল্লকলবদি মদু থম্মোয শেংনা পীখিবা ঙমগদ্রা? কবিগুম্বা পীখিবা ঙমদ্রগদি মতমদুদা কবি তৌগদ্রগে? অকনধাতিনা পুম্নমকসি ওইবকপা যাই হায়না হান্না খঙলমলবদি অদুক যাম্ব চিঠী ইদুনা মতম মাঙহল্লমলোইদবনি। কযাবক্লো মানা ইখিবদা পাউখুম লার্কখিদ্রবা চিঠীশিংদু ইবদা তশেংনা অকনধাতি চোকথখিবনি। থা কযা সত্যম বাজকুমাবগী মযমদগী চিঠী লাকপা ঙাইখি। নলিনিনা তোযনা পাউ [illegible]নীবৈ, "চিঠী ল'ক্কবনা?"

অকনধা[illegible]তনা শা[illegible]দদুনা [illegible]খ,

"[illegible]ঙগী অইবদু তশেং[illegible] নংন শাবগ?"

"নদে, তশেংনা [illegible]খোল[illegible]পীসু [illegible]ঙ্গা পোৎপজাৎনি। মদুনা [illegible] অ[illegible] শ [illegible] কাযাখুবদ।"

"অদ [illegible]ইববসু ঐ অম্ব [illegible]বোই। ঐখোযন [illegible]থী লৈংবাব?"

অদুবু নলিনিনা শুকনা যাদে। মানবু হেন্না শাউর্জাল্লি।

"নঙনা ঙন্নগোই হাযবগ [illegible]হক্তা যাগদ্রা? মদু যাদে অকনা, নঙ ঙমগান। এনা ঙম্বা মতাং ওইববদি নংগ[illegible]দ হ[illegible]যবল্লোমদর্না।"

"ব[illegible]নিগী[illegible] [illegible]ঙল্লোং [illegible] [illegible]নীদ নঙনা হেন্না সতামগী লাইবিক্তা [illegible]ঙবিনি।"

[illegible]লিনি[illegible] [illegible] [illegible]কই। মবমদি মানা খুমদ্রবসু মখোয অনিমক্লা ইথঙ [illegible]ঙনি, [illegible]লনগ [illegible]মগাদ [illegible]ন্নদগী শকখঙনৈ অদুদসু নত্তনা নলিনিদি অদুক [illegible]ক্লা ইযা [illegible]গীসা হৈনদে।

মমৈদাদ অকনধাতি অমুক খাঙবা ঙল্লক্লে। তশেংনা শাউদুনা ইখ্রে "নঙবু কনানি হাযদুনা অদুক চাওর্জবিবনো? নঙঙোন্দগী হেন্না ইবা হৈবদি লৈবাকসিদা লিশিং লিশিংনি। নঙাদ নশকসু অদুক হাক্লা শুমহৎযাই যাওবা নত্তে। নঙ লাইবিব ই

অদুবু ঐসু লাই য়েকপা হৈ। নঙতবু মীয়াম্না নুংশিনবরা ? ঐসু ইমা ইপাগী মফমদদি বাজকুমাবীনি। নঙঙোন্দা হন্না হন্না ইকুবদুনা নঙনা নশাবু যাম্না ব্রাংনা খনজবে। অদুক হাক্লা চাওথোকপসু মতমপুম্বদা লেমজবনি হাযবা যাবা নত্তে, মদুদি নাপলনি। কনাগুম্বী অমগী ঈকাযখুম্নবা ফংবদা মতীক চাদবা, নঙদি মী মচানি।"

সত্যম বাজকুমাবগী খুৎইবু মখোয মচিন মনাও অনিনা যাম্না কল্লকচখি। অদুম্না চপ লেপখিবদু য়াম্না পাম্মুজখি। মদুগীদমক মখোয় অনিনা হোৎনজখিবনি। অমুক হন্না ইহনবা ঙম্লবদি হাযনা। মাগী ইনীংবগী ইনোৎ কযা হাপ্তুনা চিঠী ইখিবনি হন্না হন্না। হোৎনজবা পুম্বা অবেম্বা তাববদা বাবৌচাওগল্লবী অকুনধাতি অমুক ব্রাবৌদনা লৈবা ঙমখিদে। অদুবু মানা ব্রাবৌনা, শাউনা ইখিবা চিঠীদুদা কাব যাদু যা ওখিবনো খঙদে, নুংগী থম্মোযদু মহী চেল্লকখি। অকুনধাতিনা মসিমদি খন্দুনা য়েংখিদে, কনি গুম্বা সত্যমগী থম্মোযদগী চেম্বক্লিবা ইচেলদুনা মাগী ব্রাগৌচাঙবী ?ূ্মায তম্লক্লবদি ? মসিমক খঙজম্লদবু মানা নলিনিগী বাবেপু যানা ঙমলমগদ্রা? হৌজিক্তা অকুনধাতিগী কোক্তা অচৌবা পোৎলূম অমা থোংগৎলবে। মহাক্লা মাগী নুংশিবা মাংজম্না অমা নত্রগা সত্যমগী চোংখৎলকলিবা ইনাংবগী মযোলবু অমুক হন্না শিংকুপ শানা থদৎপীবা অমা।

বাবেগা অমদি লৌবা তাবনি অদুবু কবম্বা বাবেপনো মানা লৌগদৌবিবা ? মাগী নুংশিজবগা, আশা পুম্বগী আশা ওইজবিবা বকুনবু কবম্না হেক্তা থাদোক্কদগে ? কবমনাসু যেংগনি হবাউ তযামদুনতা লৈজবা, মাতবু উবগা হলাউজবা, মাগী নন্দম্না নীংবা কাযনা মমায লুক্লা চংখিবদু ?

অদুগা সত্যম বাজকুমাবা তূমদুনা লৈজখ্রবা মাবু হৌদোকপিকুবগা ঈযাযদা হুন্দোকপীবম্বগুম্না অদুক মীনুংশি খঙদবীদু মাবু ওইবা ঙমগদ্রা ? খন্না খন্না মতমদি হৌজ্জনখি। সত্যম্না তত্তনা হাযবক্লি মাগী অনৌবা যেন্নাংদা ঈশিং চাইবীগদবী মাবু উনীংবগী বা। উনবা তাবতদা অকুনধাতি পাখৎলক্কে। কবম্বা মওঙদনো মানা উনকুগদৌবিবা ? নলিনিনদি তকশিল্লি। মাবু ঈনোৎ হাপলি। তংত্তনা পাউমেল্লি "সত্যমগী হিংগৎপতা ঙাযবিবা আম্মাবু হাত্তোকপীগনু। মাগী অনৌবা যেন্নীংদা অকুন নঙনা ঈশিং চাইবীযু। যেংউ মতমদুদা মাগী সহিত্যগী লৈবাংনা কযা নীংথিনা লৈশাৎ তম্লকপগে হাযবদু।"

অকনধাতিনা পুক্লীংদা হাযজে, "মাগী সাহিত্যগী ঈচেল লেপকে হাযববসু

লেপচখিসনু। মানা অমুক ইবা ইদবগা ঐগা কবি মবী লৈনবগে?" চুম্মী মানা সত্যমগী অইবগী গুণবু পামজকই। অসুম্না অদুম মাঙখিববু পাম্মুজকই। অদুনি হায়দুনসু মশাগী পুন্সিবু পোন্থা ওইনা শীজিন্নগদবনি হাযবদি মহাক্না যাবা ঙমদে। মা মশাগীসু অপাম্ পামদদা তিংবগী হক্ লৈ। পুন্সিগী খোঙথাং চৎমিন্নসি হৌকদে। শুপ্পতগী লম্বী লম্মাঙনববা সত্যমবু মশাগী লম্বীদা চৎহন্নীংলুবখক্নি।

লেপলে, অমুক হন্না পোৎলুম পুদুনা লৈববোই, অশেংবদু সত্যমবু খঙহল্লুবগনি, মানা কবিগুম্না নুমিত্তা সত্যমবু নুংশিখিবা লৈতে। তাবদা সত্যমগী থম্মোয কাযখিবদি যাং অ[illegible] [illegible]লৌনম [illegible]তৌবদগীদি মদুনা হেন্না ফৈ।

[illegible]ায[illegible]খিবা মদু [illegible]হন্না সত্যম [illegible] [illegible] [illegible]লাইব্রেরিদা লাকলে। তশেংবদি স[illegible]মগী [illegible]মদা [illegible]গী নুংশিবা [illegible] [illegible]। লাকপা [illegible]। ইদু [illegible] লেম্না নুপাদুগী ঈকায [illegible] [illegible]। [illegible] লৈন [illegible] [illegible] মাবু নুংশিনবী অ[illegible]বপা মচু [illegible] [illegible] লাকপা [illegible]। [illegible] বা[illegible] স[illegible] [illegible] চৈথেং ফংহনবা দীবিবনো? লাইব্রেরিগা [illegible] [illegible] কান্না [illegible]। [illegible] লাইবক্তা [illegible] মহাক [illegible] কা[illegible] [illegible] মম[illegible] [illegible] সত্যমগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লম্নবা [illegible]লুম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]গী [illegible] মমা [illegible] মাব মুন্না যেংলদুনা লৈ[illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]কই,

"ইবেম্মা [illegible] [illegible]।"

যদীৎ খাউদগী [illegible] [illegible] [illegible] পাকই,

"[illegible]বিক ইবা সত্যম [illegible] [illegible]।"

[illegible] [illegible] [illegible] জনা শকখঙনবা অমগুম মহাকপু ম[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোযনন [illegible] [illegible] পাবকই,

"[illegible]চনবা অমগীদমক [illegible] [illegible] ঙমদবদিমক নুং[illegible]তবগা লোযননা হাযজবি [illegible] [illegible]পায়।"

অসুক খোঙইনবা মাবু অসুক মমল লৈহন্দবা, মদুসু অহানবা উনগদবা নুমিৎমক্তদা। ঈকায নুংশি যান্নবক্তে। পীবিক অমা অনিসু তাখ্রমালে। ফিজি থাঙ্গত্তুনা অচোৎপা মীত্তু তৈথোক্লগা থুনা থোঙলোমদা চেঙ্গোবকপদা নুপা'মগী তপলপ্পা নোকপগী খোঞ্জেল তাবকই। মমায থাঙ্গত্তুনা যেংখৎলুবদা মমাঙমক্তদা "সত্যম

বাজকুমাব", অকনধাতিনা তৌফম খঙড্রিঙেদা মহাক মশানা হান্না হাযবকই।

"এ সত্যম বাজকুমাব! নঙবু কনানী হায়দুনা অদুক্ নাপল্ তৌবিবনো?"

মতুংদা অমুক্ নোকথোবকই ইযাং যাংনা। খক্কে তৌকববা অকনধাতিগী পিদু মবম লৈতনা নৌহৌননা ঈহৌবকই। কবিসু থোক্লদবা নুপা অমগী মাঙদা মসিবু হৌনববা?

"লাকও অসোমদা ফম্নুখিসি।"

ফাজিল্লবা খোঞ্জেলনা খুমলুই,

"ফম্লবোই।"

"ফম্লবোইদবা? অদুক বাবৌচা ওবা ?"

অমুক খজিক্কুং নোক্কুনা হাযবকই,

"অনৌবা লাইবিক অমা ইবা হৌগৎলে। ইবা লোইদ্রিঙৈথে কনাদসু পাহন্দবনি অদবু নঙঙোন্দদি পাহন্নীংমন্দুনা পনকই, পাগেবা?"

কবিগীনো খঙদে তপনা চঙ্শিন্দুনা ফম্লবে। মশামকফা ম ফুন্ন যাই। ব্রা ঙাঙগনখ্রবা অকনধাতিগী চীন্দগী ব্লাহৈ অমত্তা থোবক্রে।

"শাস্ত্রবমগনি খন্দুনা বানা হোৎনদুনা যৌবক্লিবনি। বকাগী ওপবেসন লোইবগা লাক্লিবনি। হৌজিক ফাওবা জ্ঞান তাহৌদ্রি।"

অকনধাতি ঙক্লা সত্যমগী হুমাং মবীক মবীক কাববা মাযথোঙদা মে দুনা লৈবি।

"ঈসু খবা লৌখিবগা গাডী কন্না থৌবকপা ঙমদদুনা খবা নেঙঙে।"

মাগী বাদু লোইবম লোইফাত্রি, চাফ লাইব্রোবযান যাঙনা মথোঙ নঙা তকক চঙশিল্লক্কুনা পূমলাঙ লাঙলবে।

"ব্রেল কম বেক হোম"

অকনধাতিগী ঙক্লবা মাযথোঙদুদা যেংলগা লাইব্রেবিযান্না হাযবকই,

"যাম্না ঙকপ্রা ' মসি সতাম বাজকুমাবগী যুন্নি। অযাম্বা মতম মসিদা লৈবাল্লবনি অদুবু কযাদা কুইববনো, যেংঙউ মাগী ফমফমসি", খুদোম্বী থিন্দুনা হাযবকই,

"ইহাঙ হাঙদুনা মাতবু ঙাইবম্বা। অদোম্না চিংদুনা অমুক হন্না মাবু মশাগী মযুমমক্তদা হল্লকহল্লে।"

লোয়ননা মথং মথং মখোয মযাম লোইনা চওশিল্লক্তুনা মখোয় অনিবু ওকলরি। ময়ামদুগী মরক্তা অরুনধাতিনা উবকই, সত্যমগী শাৎকৎলক্লিবা মায়থোঙদা অযুক্কী মঙালনা হৱাউ তয়াম্না জগোয় শাবিবদু। অরুনধাতিগী মীৎতা ইনৌ নৌবা পিরীক্লা থল্লবে। মাগী পুক্লীংনা হঞ্জিল হঞ্জিল মশাগী থম্মোয়দা খঙহন্নবা হোৎনরকই, "তৌরিবসি চুমদে।" কনানো অমত্তং লাক্তুনা মাগী মঙলাক্লরিবা থম্মোয়দা খংইন ইল্লক্তুনা মীকপ থোকহল্লবদি মহাক হিংগনি খল্লি। অদুবু লাক্তে কনাসু মাবু কল্লগদবা।

"অরুন ঙসিদি ঐ য়াম্না নুংঙাই।"

সত্যম মাঙদা চওশিল্লক্তুনা লেপলবে। অরুনধাতিগী ইঙক ঙকপা পিরাং থাংবা মীত্তু উবদা সত্যম নোক্লুবগী ঙাল্লস্বা মায়থোঙদু শকফম হোংলক্লে।

"পি! কপ্লিববা?"

"কপ্তে।"

"কপ্তুবা, অদুগা পিসিদি?"

"ঐসু ঙসি য়াম্না নুংঙাই, মসি নঙগী অনৌবা পুন্সিদুগীদমক নুংঙাইবগী পিনি।"

হৌজিক্তদা খঙলে, মাগী পুক্লীংনা মাগী থাম্মোয়বু খুদুম চনবা ঙমদ্রে। মাগী থম্মোয়গী ঈচেল বরুন্দগী ফনা লাপ্পা চথোকলম্লে।

ফেব্রুয়ারী, ২০০১

মপুঙ ফাদবা
সংসার অমগী মফজ

১৯৯৩ এপ্রিল তাং ৬কী অয়ুক ভারাগী কাদা, য়ুমদগী পুরকপা পোৎচৈশিংদু লোইশিল্লি।

"চেচে !"

থোঙজীলপালদা চহি তরামরি তরামঙাগী নুপীমচা অমনা চহী তরা/ তরামাথোইগী নুপামচা অমা মখুৎ শমলগা লেপ্তুনা লৈরম্মী।

"ঐখোয় চেচেদা ঙাকপীয়ু হায়জগে লাকলিবনি।"

"করিগীনো ?"

ঐ ভাব তারকলে। ঙরাং নুংথিলগী থৌদোক্তুগীনি। মখোয় অনিদা য়েংলগা ঙক্লা হংলুই,

"নখোয় অনিরা ? অদুক চাউরগা অদুক লম হেল্লিদি কবিগীনো ?"

"ঐদি য়াওদে।"

নুপীমচাদুগী মায়থোঙদু ঈকায়বনা ঙাঙশিল্লে।

"ফবে মতুংদি অদুম তৌনুকো।"

মাগী ব্রাদু খাজদদুনা হায়কই। মশা কনজনবা অসিগুম্বা বাসি নুপীমচা নুপামচাশিংনা হেক হেক শীজিন্নে। অদুনা হায়কবনি।

"নত্তে।"

নুপীমচাদুনা মমীংতু ইবা ও লাওনা পাওলগা মখা তাগকই,

"ঐ মগী মচেনি। মাগা ওইনা ওাকপীয়্ হায়কচো হায়না ববানা হায়বদগী লাকপনি। ইদোমচানসু ফনা শান্না কুবীববান।"

"ফবে ফবে চৎলো।"

শৌগদবা ইথৌ মযামদ নাংশিং নুবদা পৈশানা হায়কই। মখোয় থোকপিগে তৌবগা খওক্তৌদনা হংলুই,

"চাইখো। নখোয় অনিদি কাব কবি নমিং কৌই।"

"মাগীনা কৃষ্ণানন্দা"

খজিকন ঈকায়না অমুক হায়বকই,

"ঐগীনা রূপবতি।"

"কৃষ্ণানন্দা।"

এনা নুপামচাদুদা য়েংলগা হায়,

"নও মতুংদদি অদুম্না লম হেন্নুকো।"

ঐগী বাদু তাদে হায়বা হই ই মবমদি মহাক অয়েকপা টচেক অমা থেংলিবদুদা মুন্না য়েংলি। মখুৎ থিল্লগা হায়বকই,

"মসি লৌগে।"

ঐনা ব্রা খম্বা নংদ্রিইওদা মচেনা চিংদুনা পুনবা হোৎনৈ। মচেদগী মখুৎ নানখোনম্ব। চেনা শাথিদুনা নাইদু তাপ পায়খ্রে। নুপীমচাদু ঈকায়বে হায়বা খওদুনা ঐনা হায়,

"লৌজবো।"

মচেদুদি ঐগী ব্রাদু তাববসু লমহেনবা মৌপ্পাদুবু শাউনীংদুনা ঈকায়বোই কবিবোই

মখুৎ চিংলগা লাইদু থন্নম্নবা হন্না হন্না হায়। অদুবু নুপামচাদুনা অঙকপা থৌদৌ অমা তৌথোরকলে। লাইদু শুরু শুরু নৈশিন্দুনা শেগায়খ্রে। মচেদুগী ঈকায়রবা মায়থোঙদু উবদা ঐনা হায়রুই,

"শেগায়জররসনু। চৎলো কৃষ্ণানন্দা য়ুমদা লাইরিক পারুরো।"

"চেচে মাদি ময়ামগা মান্নদবনি।"

নুমিৎচুপ্পদুমদি অঙাংদুতা নীংশিংদুনা লৈ। য়েংবদদি অঙাংদু ময়ামগা মীমান্নদে হায়বা খঙবা ঙমদে। মশক ফজে। তৌথোরকপা থবকশিংদুগদি শুকচা-চাশিন্নদে।

ঐদি ঙরাংদা ইনৌ নৌনা মফমসিদা লাকপনি। নুমিৎ তারমদাইদু বাথরুমদগী থোরকপদা ঐগী কাদু ঈশিং বকেটতুমা লোইনা হৈদোকতুনা ঈশিংনা পূমতাউ তাউরম্মী। য়াম্লম্বা ফিরোলশিংদু চিংথরগা নমশিন্দুনা থন্নম্মী। কাদুদা কোয়য়েং য়েংবদা কনাসু উরমদে। হেক লাকপগা থোকলিবা থৌদৌদু উবদা শাউনীংমন্দুনা য়ুম্বুদা ৱাকৎলুই।

নুংথিল নুমিদাংৱাইরমদু চৌকীদা ফমলগা লাইরিক পারম্বদগী ঙসাইগী অঙাংদু খংনীং নীংশিংলক্তুনা মখোয়গী য়ুমলোমদা য়েংশিল্লুই। ঐগী থোঙনাউদুদগী মখোয়গী য়ুমদু য়াম্না লায়না উবা ফংই। মী অমত্তা লৈবা উদে। কৌয়য়েং-য়েংবদা গাডীগী গেরেজ মরুমদা মী অমা লৈ হায়বা খঙলে। কুইনা য়েংদুনা লৈরুই নুপামচাদু ওইরমগনি খন্দুনা। অহৌবা খোঞ্জেল অমনা ঐবু খংপ্রেক খংহল্লকই। খোঞ্জেল তাবা মায়কৈদা য়েংথোকলুবদা নুপামচাদু য়ুমদুগী শিরিদা লেপতুনা লৈরম্মী। মনাক্তা প্লেট অমগা অচাপোৎ খরা পূমচাই-চাইদুনা লৈ। মৌনহা অমা থোবক্তুনা অঙাংদুদা করি করিনো খরা ঙাঙলন্নগা চাইখায়রিবা পোৎশিংদু খুঞ্জিল্লগা ইমুংদা চঙখ্রে। অদুবু নুপামচাদুদি লেপ্পুনা লৈহৌরি। মমায় লৈথোরকপদা ঐগা মায়য়োক্লে। ঐনা খূৎ খৎলগা লাকউ হায়দুনা কৌই। মাদি য়েংদমক য়েংদুনা লৈ। হন্না হন্না ঐনা কৌবদগী থোঙজীলপান্দা চঙলক্তুনা লেপলরে।

"হল্লো কৃষ্ণানন্দা! চঙলকউ।"

ঐনা হৌগৎলগা মখুৎ পায়দুনা চিংশিল্লি অদুগা হায়,

"ঐখোয় অনি মরুপ ওইসি য়াব্রা? সিদা নুংতিগী লাকউ।"

চৌকীদা ফমহল্লগা চা শেমদুনা পী।

“নঙঙোন্দা হৌজিক ঙাঙলিদু ইন্দোমচা ওইবিনিনে, কৃষ্ণা ?”

খঙহৌদনা চাগী কপ্পু লাক্তুনা লংথোকখ্রে অদুগা ফুক হৌগত্তুনা চৎকদবগী তৌই; ঐনা ফাদুনা থেন্মী,

“কৈদৌবে কৃষ্ণা ? ফম্মু, অমুক্তা ফম্মু।”

ঐবু শাফু কন্না ইনথোবকই ' ফক্লাংদা লোংনা যৈশিন্দুনা তুই। হৌগৎলগা অমুক্তং মাবু যেংলুই। মমীত্তু ঙাঙশঙ , ঙনা যেংলকই। অঙাংমক ওইবসু মাগী মীৎযেংদু তু চুংই। মতুংদা টেবলদগী লাইবিক্তু লাকত্তুনা লংশিল্লকই।

“হুম, কৃষ্ণা !”

অাসদমক হায়বল্লগা হৌদুনা চেনখ্রে।

মথংগী নুমিৎসু মাবু খুৎ খৎলগা কৌই। চঙলক্তুনা জ্ঞান তানা ফমলৈ।

“ঐদি শৈবেং লোই' ফাবেঙো। নঙদি কাব তম্মী ? শৈবেং তমদবা ?”

“তমদে। ঐদি এখোযনা লৈবিবা পৃথিবীগা হৌনকপা, পৃথিবীগী পেংচঙাশংগা মবম, পৃথিবীসিগী হেক লৈবিবা লৈশেমগী মবম খুদাংমক অদুদসু নত্তনা অতৈ কযা'ম তম্মী। অদু নঙদি শৈবেং যাম' ফাবে হায, ঐ অম তা তাগেদনা ?”

মাগী তুমীন লৈবদুদা ঐনা অমুক হায,

“তাহন্নীংদববো ?”

“হীগে।”

ঐঙোন্দা ঙনাশিল্লগা হংলকই,

“কবন্বা শৈবেং ?”

“ঐদি খঙদে, ঐগী কৃষ্ণানা পান্বা শৈবেং অমা হেক্তা।”

ঐগী কযাদা অশোযবনো ? কৃষ্ণানন্দগী মমীৎ অনিদু লংখৎলম্মী। অদুগা মখুৎনা মনাদা কন্না মেনশিল্লগা মমীৎ উইশিনখিবম্মী।

“মিং অসি অমুক ! ঐগী নাকোঙসি পঙথ্রসনু।”

ঐনা খল্লম্মী ‘মিংসি’ মহাক্না পামদমাল্লে।

"ইমানা নোংমত্তসু নঙঙোন্দা অসুম্না কৌদববা ?"

ৱাহংসিনা অমুক্তা হেন্না ঐগী অশোযবনি। মনাকোঙ মেল্লম্বা মখুৎ অনিদুনা ঐগী শম পূম্নমক পাযশিন্দুনা চিংলম্মী।

"নাওবী।"

অযাকপা মীকৌদুগা লোযননা রুপবতি ইমাঙদা লেপলবে।

কৃষ্ণানন্দবু ঐঙোন্দগী থাদোকহল্লবা তুংদা মাসু কপথোবকলে। কৃষ্ণানন্দ মপান্দা চেনথোকখ্রে।

"কবিগী কর্পালবনো ?"

কৃষ্ণানন্দদা "কৃষ্ণা" হায়না কৌরুবদা শাউবকখিবদু নীংশিংলকই।

"মাবু কৃষ্ণা হাযনা কৌবদা অশোযবা কর্ণি লৈবগে ? মহাক্তা কৌহল্লাংদমাল্লে।"

"বাবানা কৌবম্মী।"

মাগী মখাইদা মপি মবী মবী চেপ্তবকই।

"ইমা বগাব্ নীংশিংহনবসি মঙোন্দা যাম্না খুদোং থা। ববানা ইমাবু হাৎখিবদু মমাংমক্ত উহৌই। অদুদগীনি মাগী ৱাখল চোইখিবাদি। ববা জেলদা লৈখ্রে। চহী অহুম হেল্লে।"

ইশেং শেংনা হাযদোবকই। কবিগী হাৎলিবনো হংনীংই অদুবু হংদ ভুমব্রে। তুমীন্না মঙোন্দা যেংই।

"যু ঙাওবা, নিশাদা লাইচুববা মীনা মচা নুংশিবা খঙদে। ইমাবুসু থীনা থানা ফুবম্মী। শেল পীযু যাদবগী ইমাবু ..."

মখুৎ অনিনা মমায খুমজিল্লগা কপথোবক্লে। মাবু গেন্বদা ঐগী মীৎতসু পি চেপ্নবকলে।

কোইথি থিবদা কৃষ্ণানন্দ য়ুমগী অমম্বা কাচিন অমদা লোৎতুনা লৈবম্মী। ঐঙোন্দা অবাওবা মমীত্তু চাগদবগুম যেংলকই। মনাক্তা তপ্না চঙলগা হাযকই,

"ঐ লাল্লে কৃষ্ণানন্দা। লাকও থোবকও।"

"ঐবু শাউহন্নবা নঙনা হেক হেক তৌই। মীযাম্না নঙবু তুক্কচহনবদু নঙ পামববা?

নঙনা মী খুদীংগী ৱারী শাবা হৌই। অফবা মী অমা ওইগে হায়রবদি তাবদমক তাও, ৱা ঙাঙগনু।"

য়াম্না ভাব তাবা অহল অমগুম ঐঙোন্দা পাউতাক পীরম্মী। মানা ঙাঙলিবদু মরী ইরৈ লৈনদ্রবসু অৱানবদি য়াওদে। মাবু মুন্না য়েংলম্মী অদুগা চিংশিন্দুনা কোনশিল্লম্মী।

"ফ্রেণ্ড।"

কৃষ্ণানন্দগী খোঞ্জেলনি। মানা ঐবু কবিগুম্বদা "ফ্রেণ্ড" করিগুম্বদনা "চেচে" অদুগা করিগুম্বা নুমিত্তনা মিং ওইনা কৌই। পায়রম্বা লাইরিক্তু খুমজিন্দুনা য়েংথোক্লুবদা থোঙজীলদা লেপলম্মী। মখূৎ অনিদু তুংদা লোৎলি। কবিনো'মা পায় হায়বা খঙদুনা হায়রুই,

"করি লোৎলি'নো ?"

চে মচেৎ অমা পায়রগা চঙশিল্লকই। অদুগা তুংদা লেপলগা চেদু ঐগী নাতোন ময়াদা থাংজিল্লকই। অয়েকপা সিনরিনি। মখুৎ থিল্লগা তাকই,

"অমুবা চীং, অঙাঙবা নুমিৎ, শংবান্নবা তুরেন, অশংবা উপাম্বী।"

"বা ! নঙদি অফাওবা চিত্রকারনিদনা। কযা ফজরিনো !"

"নুমিৎ চুপ্প'ম মসি য়েকপা হোৎনবদা কয়াম ৱায়।"

ঐনা থাগৎপখক্তুনা মাবু পেলহনবা নত্তে। অদুবু মহাক কয়াম নুংঙাইজবগে হাযবদু মাগী মাযথোঙদু উবদা খঙই। লাইদু মশামক্তা মুন্না য়েংলগা হায়রকই,

"ঐনা মসি যেকলিঙৈদা কবি খল্লি খঙব্রা ? অহিংবা, অপাইবা উচেক, অহৌবা উপাম্বী, অরংবা অঙাঙবা নুমিৎ, অচেনবা তুরেল অদুমক। অদুবু মসিদি করিমত্তা মান্দে।"

"নত্তে, নাওবী।"

রুপবতিনা কৌবগুম নাওবী কৌবনা হেন্না ঐঙোন্দা নুংঙাই।

"মসি তশেংনা অশেংবমক্তুম্মী। হান্না উখিবা অয়েকপা পুন্নমক্তগী মসিনা ইহেন হেল্লি ফজবা।"

"ঐগী খ্বায়দগী ফজব লাইনি মসিনা। অদুবু ঐ খঙই, মসি মপূংদি ফাদে।"

"তশেংনা ফাগা।"

"নত্তে, শুকফা ফাদে। সংসাবদা মপূংফাবা পোৎ অমত্তা লৈতে হায় অদুবু নঙঙোন্দদি লোইনা মপং যায়। মসিনা ঐগী লাইসি ফজহল্লি ওইবিনি।"

অঙকপা জ্ঞান্ন। অশুক লুবা, অশুক চুম্বা ব্রা মঙোন্দগী কনানা হাশা তৌনগদগে? লাইদু লৌবগা ঐগী কাদা থেংলম্মী।

১৯৯৪ ফেব্রুবারী তাং ২৬ ঐগী কোর্স লোইদুনা যুমদা চৎনবা যিবোল পোৎ চৈ লোইশিল্লি। মী লাকখিবগী খোঙ্জেল অমা তাখি। অদুবু গোৎচৈ লোইশিনবদা পনায যাওশিন্দুনা চাইহাক বাউগোকল্লই। পোং অমা থিবগী মায লৈদে খ্ফপদা কৃষ্ণানন্দ লেপ্পনা লৈরম্মা। বা চাঙদে, মমাত্তি যেংলকই। ঐনা চাকই,

"ঐ। মাওনা, লম্মদনা। ঐ পোৎ লোইশিনখিগে অদগা নঙগী বৈনোম্মা পাদোইনি।"

"নঙ অমক লফলগোইদ্রো খ্রেঙ্ণ?"

ঐগী বান্দু হওগা তাদনা হংলকপনি। বরিগনো খঙদে বাহংদ তানদা পি শংতা তাকই ভুসাহুদস অঙাং অহল মরুপ মপাং কৃষ্ণানা হ লমলবা বাহংনি। নুংঙাইদদাদ অদুক যামনা রুপনাংলা পোকখিদে।

"তম্বা লোইবে। হয়েং নোংমা শোয়দনা লাক্কে।"

রুপনা তসু চাঙলক্লনা ঐগী পোৎ লোইশিনবদু মতুং প লেপ। মমঙ্গীনা ঐগী পাম্সদা মখোযনু চঙল তাখব অদগা অমক রবিগী কাহং গদৌনিবা?

"চেচে, নোযগী যুমদো যাম' নাপপ্রা? ঐখোয়সু হযেংনাই লাক্কে" রুপনা হংনা ঐগী ব্রিফকেসতু থাঙ্গৎ হাংদ শান্নদুনা হংলকখি।

"নাপতেদা। সে, ঐগী ঠিকানাসিদা চিঠী ইবকউ।"

ঐনা চে মচেৎ অমদা ঠিকানা ইদুনা পী। রুপবতিগী মখূৎতগী কৃষ্ণানন্দনা তাপ লাকখ্রে অদুগা ফুবিৎখাউদা হাপচিল্লগা হায,

"ঐগীনি।"

"মান্নি, নঙগীনি। লাইবিক কন্না পাউকো। পবিক্কাদা মকোক ওইদ্রদি ঐদি যাবোইদবনি। ইন্দোমচাহোই ককাহোযনা হাযবা ইল্লুকো ...।"

রুপবতিদা অমুক ওনশিন্দুনা মখা তাহ,

"নঙসুনিকো।"

কৃষ্ণানন্দগী মকোক্তা অমুক নান্দুনা,

"নাওবী, কো ?"

মঙক নোমলকই।

ঐগী পীকলিবা মরুপ কৃষ্ণানন্দগা কাযনবে। কাযনবা হাযবসিদি মীওইবগী পুন্সিদতা নত্তে। সংসাবগী পোং খুদীংমক্তা থোকলিবনি। মসি প্রকৃতিগী নিযমনি। অদুনা ঐঙোন্দসু প্রকতিগী নিযমগী শরুক থুংবা তাননি।

যুমদা মাগী অযেকপা লাইদু ঐগী তৃম্ফম কাদা থেংলি। নোংমত্তা যেং তৌদনা তোংঙে। যেংলুবা খুদীং নাগশিংহাল্ল, ঐগী মপুং ফাদবা পাংসানদুগী ফজবদো।

ফেব্রুযারি, ১৯৯৪

লাই হরাউবা

লাইবুঙদা মাইরৌনা লাইমাঙ ফম্বগী থৌবম লোইশিনখ্রে। মাইকতা লাই পুংদব' পুংদবীশিংগী মিং মথং মথং লাউথোবকই। ইবেম্মু কোন ফেঙলম্বদগী চপ লেপ্লগা মনা থাঙ্গৎতুনা তায। লাউথোবকপা লোইখ্রবদা নোকফেৎ তৌদুনা মঙলানগী উচেক পাইহল্লুই। ঙবাংদগী মশীং থীববদি কুন্থ্রা নিফুবক্লুম্বা শুর্বান মাইকতা লাউবকলির্বাস। ঙহাল্লমখোদি মাইকতা লাউবগী মখোল তাবদা 'মথৌ নাইদে, হঞ্জিল হঞ্জিল কবিবু চাগেনা লাউজ' শাবিনো' হায়দুনা হেক্তা শাউর্বান। অদুবু ঙবাং ফম্মুংদা তুম্লিঙৈদা মৌগী কাঙলুপ্তা মখোয অহুম মবি মথং মথং লাউথোবক্লবা মতুংদা থাজদনা কোক হেক লাউথোবর্কাখ,

"মুতুম ওঙবী ইবেম্মু, মপুবোইবা বিনোই।"

শ্বাই লাউবা অমা যাওনা মমীৎ খংশিং শিংই। মহাক থাজখিদে, লৈকাইগী লাই হবাউবগী মাইকতা মাগী মিং লাউথোবকপা যাই হাযবা। চহী-তবেৎ নিপাল হেল্লে যুম পাল্লকপা। ঙসিফাওবদা লাইবুঙদগী কনাগুম্বা অমত্তনসু মাগী মিং লাউথোবক্ত্রি। কনাসু লৈজদবী তোল্ল-তাববী অমগুম লৈকাইসিদা যাম্লা শোন্না মতৈ মনাওতা লৈজবা ইমুং ওইবনা কনানসু নীংশিংবীদমাল্লে। অহীং চুপ্পদু তূম্বা যাখিদে। কনাদনো

অমা হংনীংই, তাবিবদু অচুম্বরা হায়না। অদুবু কনাদা হংলুনি। মাগী নুপা যু ঙাওদুনা তূমথখিনতা ঙার্যাদি। হংলুববসু খঙলমলোই। অদুবু পাউদুদি তমনীংই। হৌদোক্লুনা কবম্না হায়সিগে খল্লি। অদুবু কান্নবোহি। জ্ঞান তানা ঙাঙনবা যাবা ফিভম নত্তে।

"মতুম ওঙবী ইবেম্মু মপুবোইবা বিনোই।"

হজ্জিল হজ্জিল মনাকোঙদা রাহে পবেংদু তাদুনা লৈ। পাউদু তম্নীংলকপনা খাঙঙমলক্কে। বিনোইদু হৌদাক্লুনা হংলুই,

"হৌজিক্কীদু গা্হীববা "

"কৈদৌবে ?"

"হৌজিক মাইকতা এগা মে লাইথা ফখ্রিবদু।"

"মপা কনা শিংেগে মোগানা খালবো ?"

'মাইক' হায়বদি তাহৌবা অং নাতেদুদ হাং তদথা বিনোইনা খুমলকপা বাহদুদা ইবেম্মু তাযফেৎ নীংনা কাং। অমক মনেক শেংনা হায়বকই,

"হৌজিক্তা হায়েং লাই হনা বগা লাই পনবগী থক্সু মাইকতা লাইশোফাগ্রবদু মতুম থঙবা ইবেম্মু "

মাগী বাদু লোয়াদ্রবেদা লাই হং নাখোক্তুনা হমাংখ্রে। ইবেম্মুদি মন কুইনা মঙ মঙদুনা লৈরৌই।

ঙন্না হৌগৎ তুনা মপামলোমদা চংলুবে, শেংনা ইন্নবা ফি বোল, লীক ফোল নায়বা। মনম্মা মচনাশংদগী অং তানেবা শদুনা লাবই। মদুনসু বাংলি। কেনাংলনদি থোকচেমগী মান দানক ১ শাচেগা নুপা অপাবাদগীসু থেলহন্নাংলিবনি। লীক শনোইবা অমা শিদুবদি চংনা মায়সানত্তে। মচা অমবুদি ৱায়নকলবনি। অদুদগী থুজি মখল খনগসু লৈবা ত্তানি। মীমা গ্দা চোপ্পা যাবা নত্তে।

মানা লল্লোনবদগী শেল্লনা নোংমগী চণ্ডদ্র'যাদ্রবাশং লৈখ্রগা লেমলকপা লুপা মঙা তরুক্তু তুংশিন্দুনা থমজে মাগী নুপা খঙহন্দনা। মদু মপুক্লীংদা পাবকই। যামদ্রবদা লুপা চাম্মগা মবিফু, চানিমুক্তী শুবর্ন্নান। যা ওশঙ যৌশিল্লকপদুদা শেলদুগী মকমদা আশা কযা শাগৎখি। ঙর্সিদ পূম্নমক্তু কাউখ্রে। মাগী আশা পূম্বদগী খ্বাযদগী হেনবা আশা অমা শাগৎলকই। লৈকাইগী লাইবুঙদা মকে শেন্নগা মীযাম মাঙদা লেন্নজবা,

কেথ-কেথ জগোই শাজনীংবগী ব্রাখলনা মশাদু মথুম-মরাং হৌরকই।

মোন্দা নুংঙাইনা মপাল্লোমদগী হল্লকপদা থোঙ্গাল হেক হাইজিল্লকপগী অদুদা মখা থংবগী মন্দাকিনিদু প্রাইভেৎ তম্বা চৎনবগী থোরকপা থেংনৈ। ইবেম্মু উবদা নোক্কনা হংলকই,

"'ইনম্মা, ঙন্তানা কদাই' চৎলুরিনো ?"

"ইপামলোমদা চৎলুবনি।"

তাঞ্জা চাবিঙৈদা মাগী অব্রাৎপশিংদু মন্দাকীনিদদুম তপহৌরগে খল্লি। মখোয়দি লৈশাবীনিনা হৌজিক্কালগী চৎনবীসু ফজনা খঙলমগনি খন্দুনা।

"ঙাইখোনে মন্দাকীনি পোৎ অমত্তা লৈবীরক্কেবা নঙবো ?"

"লৈরক্কে কবি পোৎনো ইনম্মা ?"

"হৌজিক্কান্দা চৎনবা খুজি অমা অনিতগা লীক অকপ্পা অমত্তগা জোযশ্রী সনা শানবীদগী ব্রাযবক্কেবা হাযবা ?"

মাগী ব্রাঙাগুদুদা মশা মতোমতা নুংঙাইজবা অমা যাওই। নোকফেৎ নোকফেৎ খজিক্কংসু ঈকাযজবা মান্না হাযদোবকপা ব্রাঙাঙদুদা মন্দাকীনিদু নোকই।

"লৌববুদি লৌবীবক্কে। ইনম্মবু কদাই চৎতৌরিনো ?"

ইবেম্মুনা খনবদি মাইকতা মাগী মিং লাউথোকখিবদু মী পৃম্নমক তাবমল্লগনি, ঙসিগী লাই পুগদবশিংগী ব্রারী শান্নবদা য়ুমথোঙ খুদিংদা মাগী মিং পন্নবমগনি হায়বসিনি। অদুবু মন্দাকীনিনা ইখঙ খঙদনা হংলকপসিদা অঙকপা পোকলুই। মশাবু খঙহন্নবা হোৎনৈ, মতমদুদা মন্দাকীনিনা করিনো খন্দুনা তাহৌদবা নত্রগা ঙন্তানা তূমথোক্কনা তাহৌদবা অমা ওইরম্বা য়াই।

ইবেম্মুনা থব্রায় য়াওনা চাওথোকচবগা লোয়ননা হায়বকই,

"ঙরাংদু ফমুংদা হীপ্লিঙৈদা মাইকতা কোক হেক ঐগী মিং লাউথোকবকই।"

মানা তূম্বা য়াদবা মপুক্লীংদা লাই পুবগী শাগৎলিবা মঙলান, চবাঙনবা ব্রাখলদুদি অমত্তা ফোংদোক্কনা হায়রকই,

"খঙদেদা তৌরিসে মন্দাকীনি। ইবুধৌগী থৌগলনি। মীরায়রুবা য়াবসু নত্তে।

ঐগী থবক মতাসিগা।"

হৌজিক্তা নীংশিংলকই মন্দাকীনি প্রাইভেৎ তম্বা চৎকদৌবিবনি। মহাকপু ঙাইহাক্তা লেপলম্মু হাযবল্লগা শেল লৌথোকপা চঙখ্রে। হাথু হাথু অমুক চেম্হোবক্তুনা মন্দাকীনিদা লুপা চাম্মগা যাঙ্খেখক পীবগা হাযবকই,

"সে, সিন। নঙনা থোকপা ফনবা শীল্লকও। লেমলগা বেজগাদু খবা যাওশিল্লকউ।"

মন্দাকীনিনা শেলদু লৌশিনগা হাযবকই,

"যি গাদ লৈবত্রা ইনম্মা। ঐগী হাকুম লৈবা লমদাংদু চনাং থাবগা থমাখর্বন।"

"লৈবে, লৈবে। হোৎনেল হল্লকলগা ঐগীদু চনাং থাম্নির্নশি অমুক্তা লাকউ। নঙগী কেনবশিংকাদু পুবকউ।"

মপামদগী ব্রাথকুবে হাযনীংদে। মাগা লৈবদৌনা হায।

মতৌমতস্ মাগী নুপাগা মমা ঙদা ইকাযবা পোকল্লই। যাম্না ইবাং মবী মাল্লমলন্দ্রা খল্লুবদা। অদুবু থম খন্ন মথম্মোয ফাথম চমদ, ইবাঙ লাকই। লাঙালবদু মপান্দা উৎথোবকই।

মানা হাঙ্গল্লকপদা বিনোই গাহৌবর্মাদ। ফনদুম যৈ। মানা চস্তা তৌগৎভুনা মপামদা চৎলুবদু খঙখিদবা। ইমুং মাংগোলদু বাই শৎ শৎ শীৎচিল্লগা চডলকপদা বিনোইদু মীকপ থোকলমাল্লে।

"ঙসিবু বর্দান হাযববা।"

"কর্নিগী বন্দনো।"

অমক মখা তাবকই,

"ইমাইপেম্মা তৌগে তৌজসু।"

মাগী নুপাদু হঙক ঙকই। ওহালমখৈ বন্দ পনবা যাদবা ইবেম্মুনি লল্লোল্লগা চাবনিনা।

"নঙবু ঙসিদ চৎলবোইদ্রা? ঐদ নঙনা তৌজিকফাওবা চৎলমদবসিদা গাড়ী বন্দকা ওইববোই নাংলুবে।"

মপান্দা হুই খোংলকই। বিনোইগী পাউখুম পীবমদনা মপান্দা থোবকপদা মনিশং হঙ্গাম লাইতং অমা থোংগৎলগা লেপতুনা লৈবম্মী। ইবেম্মু উবদা হাযবকই,

“‘ইস, ঐদি নঙ চৎলম’ তাবে খন্দুনা কযা ৱানা চেল্লকখ্রে।”

ইবেম্মুনা হবাউ মোমোন মীনোক্কা লোযননা পাউ তম্বওই হাযবকউ,

“ইচে ঙসিদি ঐ লাই পুদৌবিযে। ইনে অশংবীদা ওইনা পীবমলো। ৬বাং তীকলকপা কোবী খবগা খামেন বামাসিকা খবগসু লৈ। হযেংদি খুইবু খুইর্বনি। অতৈদি খুইবোইদৌবা ঙাক্তনি।”

লৈকাইগী মীশিংনা ইখ্খোলদা হৌবা মনা মশীং হেকলগা ইবেম্মুদা পুবকই। ইবেম্মুনা শেন্দোং খবা খবা লৌহৌই।

“ইহে, হোয হোয, নোংফাদোকসু লাইবুঙ কাদুনা কেথোকউ ইবেম্মা কনানবু।”

ঙাওনা চাওনা হঙ্গাম থুমোক্কু মকোক্তা থোংগৎলগা প্রপ প্রপ থোকখ্রে। মপান্দা চানবা খবদু মাগী নুপা তায। ইমুংদা হেক চঙলকপগা হংলকই,

“লাই পুদৌবিজাৎ ওইবে।”

“ইবুধোগী থৌগলান। কযাদা কুইববনো লাইবুঙ কাবক্কবা। ইমুংগী লৈতে লাযবদ। ঈশ্বর মীবাযবা হাযবদু থোকলবনি।”

তপ্না অন্নুক মথন্তা হাযজবগী মওঙদা শোল্লি,

“নোংমত্তা হৈকক কাবা ফাওবা ফংজদবা।”

“অদুবু ইবেম্মা, লাই পুবিবনি হাযদুনা তৌবিবদু কেবা তান্নাবির্বনিনে”, মাগী নুপানা মখোযগী ফিভমদু নীংশিংহল্লকই,

“মীমাঙদা নঙবু .....?”

“ইমাইপেম্মা।”

ইবেম্মুনা থৌশাদনা হাযদোকই,

“লাইবুঙদবু লাযববা লৈববা ?”

মাগী নুপাসু তুমীন্না লৈখ্রে। মাসু খঙই ইবেম্মুনা থোকপা তৌবমলনি। মোন্না

মীকিথী ওইনা লৈজবন্না ইবেম্মু লৈত লাযবনা ঙসিদি মতীং লৈবী ওইনা ইমুং পুবিবীনি খন্না চাওথোক্লা মশাগী আসন্দা ফমখ্রে।

মাগী নুপানা তৌফম লৈতবা শূফম লৈতবা মীবেম ওইনা মশাগী নুপা ওইবগী শন্মানদগী চেম্থোক্লুনা ইমুংগী কাচিন অমদা চঙশিনখ্রে।

মন্দাকীনিদু প্রাইভেৎ তম্বা হল্লকপগা লাকই। মাগী কোন ফেঙনা ফেঙনা মঙবা মঙলান্দু থুগাযদুনা মন্দাকীনিনা হাযবকই,

"ফজববা যেংউ খুজিসে। মীনা লোইনা ৱাযনখ্রে হাযদুনা লৈবন্না খবদুদগী খল্লক্লবনি। লীকসিবুদি ফজবনি।"

খুজি অবংবা জুবাদু উবদা ইবেম্মু হবাউনা হাযবকই,

"সিবু ঐঙোন্দা পক্কদবনে? খুত্তাসিদা।"

মন্দাকীনিসু থথাগী নুপীমচা নত্তে।

"ইনম্মদি কেমন্দবগী তৌবনি। কেথোবক্লবদি লৈকাইসিদা ইনম্মদৌনা বসি লৈবীবু অমত্তা যাওদেনে।"

"হেবা নঙসিদি, ওম্থোক ওম্থোকপা।"

মপুক্লীংদদি নাপল অমগা লোযননা খঞ্জে, "অদুবুদি ঐখোযসু লৈশাবিঙৈদা ইমিং চৎচবস্বনি। যেংজৌদনা ঙসিদি লাইববী লল্লোনবী ইবেম্মুবু।"

কুইববগী তুংদা ইবুঙৌ খমলাংবনা চানবীবে। ঙসিদি ইবেম্মুগী কুইনা লোংলুববা ফজববু মীযাম মাঙদা পুথোকচনবগী তাঞ্জা অমনি।

মন্দাকীনিনা অশোয অঙাম যেংদুনা মকে শেমবীবি। মপামদগী ৱাযকবা সনা লুপা, ফি-বোল, থৌবাল বজাবগী জযশ্রী জুযেল্লবীদগী ৱাযকবা লীক অচৌবা, খুজি খুদোপ, পূম্নমক্কু শিজিনবদা ইবেম্মুদা অঙকপা নুংঙাইবা অমা ফাওবকই। মন্দাকীনিনা মযুমদগী পুনকপা অকে অমৌগী পোৎ পূম্নমক শীজিনদুনা তপ্লা তপ্লা কেশিনবীবদা ঙসিদি থাযনগী লল্লোনবী চমোৎনবী ইবেম্মুদু অমুক ওইখিদ্রে।

"ইনম্মা ঐনা হাযশিন্নববা যেংউ মিংশেলসিদা। ঙসিদি ইনম্মসি কযাদা ফজববনো।"

মন্দাকীনিনা থাংজিল্লকপা মিংশেলদুদা যেংলগা নোকফেৎ তৌই। মতুংদা মশাগী মমিদু যেংনা যেংনা মাযথোঙদু খোয়শাওনবগী মমি মচা'মা তাবকই। মপুক্লীংগী ৱাদু চীনবান যৌবকই,

"মসিগী নুপাসিদা লৈদুনা হেক মাঙবনি। নোংমত্তা অসুম্না কেজ্জনবগী তাঞ্জা ফাওবা ফংজদবা।"

"ঙসিদি তা'বিনোইস়ু মমীৎ পেন্না য়েংজরসনু। মানা কেহন্দবদগী ঙহাল মখে শক-চু থোকলমদবনি হায়বা খঙজরনি।"

ইবেম্মু নোকথোরকই। তাঞ্জাদুদা মপান্দগী লাউরকই,

"ঈকায়দবী, নঙনা ঐসে য়োল্লগে হায়রিরা, থোরকউ লাউনে।"

"ইনম্মা তা'বিনোইসি য়ু ঙাওরকলমাল্লে।"

মন্দাকীনিনা হায়রকই,

"ফরক অমুক তারকলনি। থোকহৌরসি ইনম্মা।"

"মীনা চৎথোক খোৎতোকলমদাইদা মাগী অসুম হায়না ফরক অমুমুক তাবসিদনি ঐনা শাউনীংদুনা খৎনরিসে।"

হাইরি হাইরি চঙলক্লুনা ঙাঙবা হৌরকই,

"নঙ কদাই চৎতোইনো, ঐনা চৎখিবা য়ারোই হায়রিসিনি।"

থৌ-ব্রা ইশা শাদনা ইবেম্মুনা হায়রকই,

"লাইবুঙদনি কৈনো। চাক্কু হোরেন ঐনা হল্লক্লগা থোংলদি থেঙলনি, খামেন অশিনবা খরা লৈবীদুনা, ঙা অয়াইবা খরা থাকচিল্লগা চমথোং ওইনা হেক থোংবীরল্লো।"

"চাক থোংবা লায়রি, নঙ লাইবুঙদা চৎপা শুকয়া য়ারোই।"

"কৈনোদা ফরক তৌরকলনু।"

মন্দাকীনিদা অমুক ওনশিন্দুনা,

"চৎসি মন্দাকীনি, মী পূম্নমক লাক্লরম তারে।"

বিনোইদু মাগী নুপীগী মখুত্তু তাপ পায়রগা ঙংদুনা হায়রকই,

"নঙ ঐনা হায়রিসি তাদ-তাদ্রা, নঙগীসি ঐ উশীৎত্রিরা ?"

ইবেম্মুদা অমুক চেপথরগা য়েংদুনা হায়রকই,

"ইস, ফজবেদা, যাম ফজবেনেহে, মীগী অরাযবা ঙাক্তা শেৎচিন চাশিল্লগা।"

ঙসাই য়ু থককমদা বাজেন্না হাযবকখিবা ব্রাদু মনাকোঙদা ঙংদুনা লৈ,

"নোই ইবেম্মুবু লাই পুদৌবি হাযদাই। হৌজিক কালগী কেবা তান্নবীসিদা; মাগীদি লৈববা ?"

"খঙদেদা ব্রাযববা, লঙববা, মানা থোকপা মবাই' তৌজনি।"

"হোযনে, ঙসাই অযুক ঙন্তা হনখিবদু মপামলোমদগী ব্রাযবা চৎলুবি ওইবিনিনে। অরাযবা ঙাক্তা শেৎচিন চাশিল্লগা মীগাম মাঙদা থোকলুদৌবিদু ঐগী নুপীদকা ওইবদি ...। নঙগী মাযদু মচেৎ অমত্তা হেক যেংদেমি।"

নিশা হাইগৎলকপগা বাজেনগী ব্রাদু নীংশিংলকপগা মৈ হৌনা শাউগৎলকই,

"চৎলু হৌজিকমক হোংদোকউ। নঙনা অসুক ঈকায় খঙদ্রি'দি কবিগীনো।"

"ব্রাযববু মীনা তৌনদববা ? নঙনা কবি থোনবীদুনা ?"

ইবেম্মুগী মমাযদা খুবাক্লা শেৎ শেৎ থাজিল্লি,

"নচীনদু থীনু। ঐনা চৎপা গাবোই হাযবেদনা।"

হাইবং হাইবং কৃমথব্রগা চুবি তাফমদগী নোংচুখিবগী পেৎথোকলবা লৈখোম খুবাম অমা পাযবগা ইবেম্মুগী চনাং ফজনা থাববা ভৌবোক ভৌবা ফিদুদা শুক শুক তৈশিল্লি। সুম য়েংলম্বদগী মন্দাকীনিদু হৈনদ্রমাল্লে।

"ইনম্মা ঐ চৎলগে।"

গাযবল্লগা তপ্না তপ্না থোবক্লনা কোস্তো ও য়ৌবকপদা অমুক্তং মখোযগী যুমদুদা যেংশিল্লুই। হাংদ্রা ফুলিবা থোঙদা উবকই, ইবেম্মুগী ফজনা মকে শেমলবা মাযথোঙদগী নীংথিবাশিংদুনা মচেৎ মচেৎ পাইখোকখ্রিবদু।

এপ্রিল, ২০০০

লম্বীগী অরোইবা

ঙসি নোংমাইজীংনি। নোংমাইজীং নত্তগা স্কুল ছুটি গুম্বা লাকপসি ঐগী খ্বায়দগী তনবা নুমিৎনি। নুমিৎচুপ্পা তৌফম খঙদবগী পোৎলুম অমা পুগদৌরিনি। স্কুলদা অঙাংশিংগা ঙাইহাক লাঙমিন্নরুবা, মখোয়গী মতৌ ঙাইহাক য়েংলুব; মদুনা নোংমগী ঐগী মমল লৈত্রবা পুন্সিসিবু ঙাইহাক্তা ওইরবসু কাউথোকচবা ঙমহল্লিবনি। মসিদা ঐগী হৈনীংবা লৈবরা লৈতবরা ঐ খঙদে। ইমান্দা মান্ননা নুমিৎ অমদগী নুমিৎ অমা চৎখি। অদুম ওইনমক ঐগী হৌখিবা কয়াদুদি ঙসিসু ঐগী ইত্তুং ইন্নরি।

পুন্সিদা মীওই মখল কয়া থেংনখি। মখোয়না ঐগী পুন্সিদা অধিকাব থম্লবা হোৎনখি। মতীক চাবা মমল ফংদনা ইশাগী অধিকার পীথোকপদি করম্বা নুপীনা তৌনবগে? অমুকখক ঐগী লম্বী শোয়খি। অপাম্ববু চেৎনা কোন্দুনা ঐনা ইশাগী পুন্সিগা খুৎশিন্নখি। ঐ লুহোংখি, য়াম্না অঙাং ওইনা নুংশিবগী অর্থ খঙদ্রিঙৈ, সংসারবু উবা ঙমদ্রিঙৈ, সমাজবু শকখঙদিঙৈদা। নুংশিবা নত্তবা পোত্তু নুংশিবনি হায়না লান্না লৌরুই। মদুগী ফল ওইনা চহী ওল্লকপদা ইবানিগী মরক্তা চেল্লম্বা ঈফুৎ মচাদু খংলেপ লেপখি। ঐ হল্লকখি। ঐ লাইরিক অমুক তমথখি। পুক্লীংদা নীংঙমদবা অমত্তা পোকখিদে। অদুবু মদু ঐগী অহানবা মায়থীবনি হায়বা কোন্না খঙজরকখি।

ঐগী পুন্সিদা অধিকার তানখিবা কয়াদুগী মরক্তা নুপা অমখক্তি ঐ কাউদ্রি। ঐগ্যামচা! ঐগী নিংশিং লাইযুমদা মাগী মাযথোঙ লৈহৌরি। নখোয়না মাগী মিংবু ঐগ্যামচানি হায়না খনবরা নত্তগা মহাকপু বামোননি হায়না। অমত্তা, নত্তে, ঐতনা পামজনা কৌখিবনি। অদুনা ব্রাবীসিদা মাবু ঐনা ঐগ্যামচা হায়না অদুম কৌরগে।

ঐনা মঙোন্দগী করিগুম্বা খরা তানশিলহৌই হায়বদি ইশানা থম্মোয় শেংনা হায়বা ঙম্মী। অদুম ওইনমক মহাক্না ঐগী মাঙজখিবা লন্দু পীবা ঙমখিবরা? মহাক্না পীনবা হোৎনখি। মদু অশেংবরা নত্তগা করিনো হায়বা ঙসিসু খঙদ্রি। অদুনবু মখোয় ময়াম মরক্তগী মহাক্তগী ব্রা পল্লিবনি। মহাক্না তত্তনা হায়, "পুন্সিদি চাংয়েংনি, নঙনা থেংনখিবদু নঙগী এক্সপরিয়েন্সনি, ঐগী মায়কৈদা পুক্নীং চঙনা অমুক্তসু য়েংউ নঙ মাযথীবোই।"

ঐ মাগী মায়কৈদা পুক্নীং চঙনা যেংখিদে, যেংনীংখিদে। অদুবু শুকয়েং য়েংলুদনা শুকউ উরুদনা মাগী পুন্সিদা ঐগী হিংবগী অধিকার য়েৎশিল্লকগুম তৌখিবরা? ঐ শাথীনা চোকথরম্মী। মাগী মতেং পামলম্মী, নত্তবদি ঐ অমুক হিংবা ঙম্লোইদবগুম তৌবম্মী।

মাগী মতেংনা ঐ অমুক হিংগে হোৎনখি। অদুবু ঐগী অনিশুবা মায়থীবনা থোঙজিন্দা লেপ্তুনা ঐবু ঙাইহিরি হায়বা ঐ খঙখিদে। অমং য়াইথোঙনা ঐগী ঐগ্যামচাবু মুনখিবা মীৎকুপ্তু ঙসিসু মঙগুম থোকলি। ঐ কপখি। নত্তে, কপখিদে, মীত্তা ঙাঙশঙ ঙাঙবা ঈ চেল্লকলম্মী। ঐগী থম্মোয়নুং কনানো নুংশি হৈতবা অমনা মনীং তৌনা ওৎখায়বগুম খাঙবা ঙমখিদে। লমন খুমনীংখি। কনাদা? য়াইতোঙ ফমথোন পায়রিবা মখোয়দা? অহনবা ঈচেলনা মোৎহল্লবা ঈবৈবাকসিদা? মচাবু মী ওইনবা শেম্বা ঙমদবা মমাশিংদা? অবানবা লম্বীদা চৎখ্রবা, মশাগী পুন্সিবু শকখঙদ্রবা মখোয়দা? খঙদে, কনাদনো খঙদে। অদুবু কনাদনো অমদি লমন খুমনীংই। ঐগী নুংঙাইবা পুন্সবু মুনখিবা মঙলান আশাবু চিংথোকখিবা মখোয়দা।

নুমিত্তু ঐ কাউদ্রি, কবম্লসু কাউগনি? বজাবগী চিল্লবা মীয়াম মরক্তা করিগীনো ঐখক্তগী লাইবক্তা অদুগুম্বা তমথীবা নুমিৎতো তমলমলিবা? ঐবুদি শিহনখিদে অদুবু মাগী তমথীখ্রবা বোমনা কাথেকহল্লবা হকচাংদুগী মৈশাদি ঐনা ঙসি ফংহৌরি। ঐগী ইরাল করিনো? ঐগ্যামচাগী মরাল কবিনো? অসুক য়াম্বা মাঙতাকপশিং অসিবু কনানা ওইহল্লিবনো?

লাইবক! ঐ লাইবকপু থাজরক্তে। নত্তে, শুকথা থাজরক্তে। মদুগী দন্দিরা ঙসি ঐনা লাইবক্কী মখাপোন্না হিংলিবসি? অদুবু থাজরকপা মতম লাকখি য়াম্না থেঙনা। নুপীগী নীং তম্বগী পংখৈ কদাইদগী কদাইফাওবা খাজিন্দুনা লৈ হায়বা খঙলকপা মীকুপ্তুগীনি ঐনা ঐগী লাইবকপু থাজরকখিবা।

ঐগী অহানবা য়ুম পাল্লুবা নুপা কায়নখ্রে। ঐগ্যামচা শিখ্রে। ঐগী খুৎ তা লৈরম্বা ঐগী লন ওইদুনা থম্বা য়াবা পোৎ পুম্নমক লোইনা লাপথোকখ্রে। ঐগী মিংচৎ লৈত্রে। অদুবু করিগীনো, কদোমদগীনো নোংমা বস মনুংদা তনৌ তনৌবা নুপা মচা অমনা ঐবু হৌদোকলবিবা? নত্তে, লান্না লৌগনু, খন্নীংবা থল্লু অদুবু লান্নতদি লৌখিনু। কয়াদা নীংথিজখ্রবা। ঐগী পুক্লীং মঙোন্দা চিংশিল্লম্মী। ঐগী নাকলদা মহাক ফম্লি। চুকট লৌথোক্তুনা চমলকই। থম্মোয় কায়খি হায়রবদি নখোযনসু থাজবোই অদুবু পুক মনুংসি কৈনোম তৌরকই। জেকেট মনুংদা উখিবা পোৎতু! ঐ তুম্মীন্না লৈবা ঙমখিদে,

"কদায়' চৎলিনো ইবুংঙো?"

"খঙদে।"

অদুগুম্বা পাউখুমদা ঐ নোকনীংখিদে। মহাকসু তুমীন্না লৈখিবা। অদুবু ঐগী পুক্লীংদদি অকনবা জ্বার কাখি। পুক্লীংদা চিংনখি। তনৌ-তনৌরিবা নুপামচাসিগী লম্বী লাল্লব্রা' মখোয়নদি হায়রক্কনি, লম্বী চৎপা নত্তে, ঐখোযদি, লম্বী শেম্বনি। অদুবু লম্বী শেম্বা অদুক লায়বা পোৎ নত্তে হায়বা নৌরিবা মানদি কবম খঙগনি।

"নঙসু লৈবাক নীংবা, খুৎলাই পায়বশিংগী মরক্তা অমা ওইবিনিনে?" মমীৎতু ঐঙোন্দা কিরপ য়েংলকই, লোয়ননা ফুরিৎতু শেমজিনখি। পাউখুমদি পীরক্তে।

"কিবরা? মরৈবাক নীংবা অথৌবনবো?"

হন্দক্তি ইচঙ থৌনা খুমলকই ,

"কিদে, ঐখোয়না কনাবুসু কিদে।"

"শিবসু কিদবা?"

"উম কিদে।"

থৌনা ফবা অঙাংদুগী মায়থোঙদা য়েংদুনা অশাংবা স্বর অমা হোনদোকখিমালে। মহাক হায়ফেৎ ঙক্লা য়েংখৎলকই। গাড়ীগী থোঙনাওদা অহাঙবা লৌবুকশিং

উ-ব্রা যুমশিংনা লীখহৌবদু য়েংদুনা ফনা কুইনা তুমীন্না লৈকই।

"নঙগী ইমানদি অসিগুম্বশিংসিদি ওইহন্নীংলমলোই, নঙনদা পামজদুনা যাওবনি নত্ত্রা?"

মঙক নোমলকই অদুগা তাথবকখি,

"ইমানা ঐবু এন: ডি: এ: দা চঙহন্নীংই, ঐদি ভাবতকী লৈঙাকলোনবু তুক্কচৈ, মখোযগী মখাদা লৈদুনা ইশাবু মতীক চাবা মীনি হায়না মীনমজবদু পামদে।"

নৌবিবা নুপামচাশিংগী ল-তোংদা মচু শঙজিনখ্রিবসিবু কনাননো? পীকলিবা কবিসু খঙজদ্রিবা অঙাং অসিদগী কবম্বা আশা তৌদুননো মাবু মমাগী মফমদগী মুল্লকলিবা? পুক্রীংদা মঙল মঙলনি খল্লকখিবা।

"হোযনে, এন: ডি: এ: নত্ত্রসু লাইবিক যাম্না তমথবা যাই। যাম্না খঙজিল্লগা, যাম্না হৈবগা লৈবাক্কী সেবা তৌবা যাই, যাদ্রনে? অফবা শিষ্যগীদমক মতীকচাবা শুরু দবকাব ওই, হাযনৈ। নঙনা মতীক চাববদি নঙগী লৈবাক্কী মীশিংনা নঙনা ঙাঙবা তানীংগনি, নঙনা হাযবা ইনগনি। অবানবা মীওইশিং, লমচৎ চুমদবা কয়াসু নঙবু কিগনি।"

কবিগীনো খঙদে ঐগী খোঞ্জেলদা অঙকপা সুব অমা লোযনখিববা?

"হুম হৌজিকসু নখোযবু কিদে হাযর্বদি নত্তে, অদুবু য়ানীংনা ঈকায খুম্নমা নখোযগী যাথং ইনবদি নত্তেদনা?"

নুপামচাদুগী মাযথোঙদু তঙাংঙ তঙাঙলকই। তুমীন্না নোম্ভদুনা তাবি। কবি কবি ঙাঙখিবনো খঙহৌদে ঐগী কূমফম যৌবমলে। নুপামচাদু তুমীন্না ঐবু যেংদুনা লৈহৌই। খঙদে, ঐগী মতীক চাদবা পাউতাক পবেংদু মাগী কোক্তা চঙলিদ্রা নত্ত্রগা অতোপ্পা নাকোঙ অমদা থাদোকখিবমগদ্রা? অদুবু মানা ঐবু থাজখি। অফ-ফত্ত কাউথোক্লনা মাগী যুমগী ফোন নম্বব পীবম্মী।

নোংমা ডাইবি ফাকপা শান্নকবদা মদু থেংনকই। কবম্বা ব্রাখলদগীনো মাগা বাবী শাননীংলকই।

বিসিভবদু হেক পাযখৎখিবগা "ইচেম্মা" কৌবকপদুদা ঐ হাইফেং ঙকখি।

“করম্মা খঙবগে ঐনা ফোন তৌরক্কনি হায়বা?”

অদুক হরাউ তয়াম্বগা খোনফম কনামত্তগী মফমদগী অমুক্তগা তারকখিদ্রি।

“ইচেম্মবু, ঐদি ইচেম্মবু খন্দুনতা লৈজে, ইচেম্মদি ঐগী ঈশ্বরনি।”

ঐ ঙকখি। ঐবু মাগী ঈশ্বর! কবিদগী মানা অদুম্মা খনখিবনো হায়বা লাম্বা ফংখিদে।

“ইচেম্মবু ঐ কাউবা শুকঙম ঙমজদে। অদুনা ফোন হেক পাযখৎপগা পুক্লীংনা খল্লকই-মসি ঐগী ইচেম্মদুনি।”

“তশেংনা করম্মা খঙবগে?”

“তশেংনা কবম্মা খঙবনো খঙদে অদুবু নোংমা শোযদনা ইচেম্মনা ফোন তৌবক্কনি হাযবসিদি খন্দুনতা লাকখি। ইচেম্মা পুক্লীংসিসু অঙকপা পোৎ অর্মান য়েংঙুনে, ইচেম্মনি হায়বা করম্মা খঙবগে হংখিবদাই-মসি ঐসু পুক্লীংসিদা হংজবির্বনি।”

কদোমদগী কবমতৌদুনা চেনশিল্লকখিবা, মমিংনা কবি কৌবা মরীনো খঙদে। মহাক শাথীনা হোংখি। ঐ খঙই ঐনা মাবু হোংহনবা ঙম্বা নত্তে অদুবু মানদি ঐঙোন্দা তাইশিল্লি। ঐনা মাবু শের্মলবনি হায়। স্কুলদা অঙাং কয়াদা থমখিবা মীৎয়েংদুদগী তোংঙানবা করিবু লৈখিবনো ঐ ভাব তাদে। ঐ খঙই, মঙোন্দসু মদু ভাব তাবিবোই। অদুবু, অদুবু ঐগী অথীবা মিংচৎতি ইতুংদা কোযতান তান্নদুনতা লৈখিমাল্লে। ঐগীদি মিংচৎ অমা নত্তগা অমা ফংদুনতা লাকলবনি। অদুবু অঙাংসদি? নুপামচাসিগীদি? নখোয়দা হন্না হন্না হায়জরি, ঐবু লান্না লৌগনু অদুবু তশেংনা হাযরবদা ঐ মাবু ইনাক্তা নক্লা থম্বা পামখি। মীওইবগী অপাম মীহৌবু হেক-হেক চৈবাক পীবা ঈশ্বর লৈ হায়বসি ঐ কাউথোকপা পামদ্রে।

অপাম্বসু ইম্থোকখি। পুক্লীংগী ব্রাবুদি নত্তে অদুবু মহুৎ ফংখি। ঐগী ঐগ্যামচাগী লমন খুমখি, নুপামচাদুবু চৎহন্নীংদবা লম্বীদুদগী চিংথোরক্তুনা পুথোবক্তুনা। মহাক ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজদগী ডিগ্রী ফংলে। দেল্লিদা লৈদুনা আই: এ: এস: থানবা শেম শারি।

অদুবু ঐদি? ঐগী লোয়নদুনতা লৈরবা মিংচৎসিদি? ইশাগী হৌখিবা পূম্বা মুৎথৎতুনা লেমহৌবা অমত্তা লৈহৌদনবা কদাইদনো চেন্নীংলে। অদুবু অনৌবা মপোক অমদা অনৌবা লৈবাক অমদা হৌখিবগা মরী অমত্তা লৈনদনা হিংবা ফংলবদি কয়াদা নুংঙাইজগদবা? অদুবু মসিদি ওইথোকপা য়াবা নত্তে। ঐগী করি তানশিলহৌদুনা মদুবু শীজিন্নদুনা ঐনা ঐগী অপাম্বগা ওন্নগদৌরিবনো? হৌজিক্তি খল্লে, ঐগী মিংচৎ থীবা ফজবদি ঐগী স্কুলগী অঙাংশিং অসিগী তুংগী পুন্সিদা শিন্নবগে।

সেপ্টেম্বর, ১৯৯৫

নুমিদাংবাই অমা

ইবেমহল ফমুংদা হীপলি। ঙসিদগী থা অমা / অনিগী মমাঙদগী হীপলকলিবনি। মখোযনা হায ইবেমহলগী মতম অমুক লৈত্রে। অদুবু ইবেমহল মশানদি থাজজে মহাক ফবকখিগনি। নোংমা মতাকসু ইমুংগী ভাব পুবখিগনি। কনিগুম্বদা মাগী পুক্লীংদু শাথীনা পীকশিল্লকই। মতমদুদা থৌনা পূন্না পুথোক্তুনা হায়জে, নাববদি অসুম্না তৌনবসি মীওইবগী হৌনশানি।

পুং ৫ তাখ্রে। ঙাইহাক লৈববদি মমৌনুপী চঙলক্তুনা হীদাক থক্লবা তক্লবনি। মহাক হীদাক থকনীংদে। হীদাক থক্তুনতা লৈরবদি অনাবা অদুম ওই হায়বসি ইবেমহলগী থাজবনি। মমৌনুপীদা নিঙাই তৌরুবসু অচুম্বা নত্তে। হীদাক থকপনা মখোয়গী মমাবু ফহনবা ঙমলবোই হায়বসি মখোয়নসু খঙই। অদুবু হীদাক পীথকপদি লেপ্পা য়াবা নত্তে।

পুংশিং য়ৈরিবা ঙাইহাক লৈতনা মতম তাকলিবা ফক্লাংগী ঘড়ীদু মুন্না য়েংই। মশামক খঙহৌদনা পি মরীক অমা অনি চেন্থরকই। করিগুম্বদা অসিগুম্বা পল হেক হেক নীংখায়রকপসু অনৌবা নত্তে।

মতম কয়া তংন-থানদনা লৈমিন্নরক্লবা মাগী য়ুমগী উপু কাংথোলদগীনা চাউরবা

ইঙ্খোল-শম্বল, মচা-মমৌ, মশূগা লৈনরিবা মরীশিংগী মরমদা হেক হেক থল্লকই। মতোমতা ব্রাখলশিংদুদগী লাপথোক্লবা কয়া হোৎনৈ। অসিগুম্বশিং অসি খনবগী মতম য়াম্না ব্রাৎলি।

"ইমা হীদাকসি থক্লগা রামায়ণ পারক্কে ?"

অহল ওইরে হায়দুনা মমৌনুপীনা অশংবা মতমদা হেক হেক বামায়ণ পাদুনা তাহনখি। রামগী চহী তবামরি বনবাসতা কয়াবক মপি শীন্থহনখি। সিতাগী কায়না মৈচাক্তা মশাবু চাকথেকহনখি। অদুবু ঙসিদি পূম্নমক মঙোন্দা খোয়দৌ শাউগৎপা ব্রারীদমক ওইনা থল্লকই।

"পারক্কনু, নঙগী নথৌদুম তৌকচো।"

"রামায়ণ তাবদি অব্রাবা কোকই হায়নৈয়ে ইমা।"

অব্রাবা কোকপা ! ইবেমহলগী পুক্নীং দা থাজে মঙোন্দা অব্রাবা কোকপা হায়বগী আর্থদি শিবনি। ইবেমহলনা শিববু কি। সংসারসিগী ব্রাংমদা ফন নীর্ংথিজবা মফম ওইসনু, মহাক্না মফমসিদগী লাপথোকখিগনি খনবা মীকুপতা কবিদনো হাযদুনা য়ান্নফম অমবু ফংলবদি লৈজবা শক্তি পূম্নমক শীজিন্নদুনা চেৎনা যান্নীংই। অদুবু উপায়দি লৈতে। কপ্পতদা মীৎপান পোম্মী।

"করম্বা মতাং পারকউগে ?"

হায়ফেৎ খোয়দৌ শাউগৎলি ইবেমহল।

"নথৌ লৈত্রেগা নচানুপী লাইরিক তাকপীকচো। ঐ শিখিবোই। কোন্না কল্লগা তাগে নঙগী রামাযণদু।"

মমৌনুপীদু পি তৈথোক্লনা থোকখি। মহাক পোখাবা পামলম্বনি। মমৌনুপীগী মকশিনবা মায়থোঙ, উহন্নীংদনা তৈথোকখিবা পি উরুবদা অকনবা লান অমা মাগী পুকনুংদা শোক্লবা হৌরক্নে। মাবু শিবদা অদুম তাবদ্রা ? করিগীনো অসিগুম্বশিংবু সংসারসিদা হেক হেক থোকলিবা ? মচানুপানা মাগী মাঙদা ঙাইহাক্তসু মায় হাইগৎনা লেপলখিদবা কুইশিল্লক্নে। নত্তে, মদুগী অর্থবু মাগী মমা অমুক ফগৎলরোই হেক্তা হায়বা য়াবরা ? মতোমতা মপুক্নীং ফাজিনজৈ। অদুবু করিগুম্বা ফগৎলক্তবা থোক্লবদি ? ঙরাংসু পূং অমমুক জ্ঞান তারুদ্রে হায়। নোংমা মহাক শোয়দনা শিখিগদবনি,

অদুগা মাগী থৱায় ওইজরিবা মচানুপা, নুংশিরবী মমৌনুপী পূন্নমক্কী মথক্তা পীকখ্রবী মাগী পূন্নমক ওইজরিবী মশুনুপী লৈতবা করম্বা মফমদনো মহাক্না লৈবা ঙমগদবা ?

মশূনুপীগী ৱা নীংশিংলকপদা অমুক খাঙবা ঙল্লক্লে। খোন থোক্না কপথোরকই। থংনবা কাদা মমৌনুপীনা ইবেমহলগী মীকপতু তাবদা পি থিংবা লাক্লরি।

মচানুপাগী ময়েং তারবা শকফম, ফাববা শম উবদা ইবেমহল থম্মোয় পুবা ঙমদে। নোংমগী মনুংদা য়াম্খেরক মাগী মাঙদা মচানুপা চঙলক্নুনা লেপ্লে। অদুবু মিনিট মঙা ফানা ফমলমদে। করিগুম্বা ৱাফম অমত্তং হেক হৌদোকলুবদা হেক্তা চেপ্লোকখি। মাগীদমক ৱাজরিবা মচানুপাবু ৱারৌরোই চাম্মরক খল্লি অদুবু পি থিংবা হেক্তা ঙমদে।

"সিদগী খর হেক কনবগা নঙগী ক্বার্টরদা লৈবা হায়'দো চৎলসি।" ইবেমহলনা হৌদোকলুই,

"যেংঙোই। থা অনিদগী হেনবা য়াদে। লৈগে হায়রসু নতোমতা লৈয়ু।"

ঙাইহাক লেপলুরগা অমুক মখা তারকই,

"চাউখ্রবা ইঙ্খোলনি। হন্দক্তগীদি নীংথিনা কোইরসি।"

মচানুপাদা ওনশিন্দুনা ফনা কুইনা য়েংই। মচানা পাউখুম অমত্তা পীরক্তবদুদা মাসু তুমীন্না লৈখি।

কুইনা লৈকরবা তুংদা ইবেমহলনা তপ্না হায়রকই,

"হীদাকশিংসি থকলবোইসিদা।"

মচানুপাগী লুকথরিবা মায়থোঙদা মীৎয়েং থমদুনা মখা তারকই,

"ঙসাইসু থক্লবনি।"

মচানুপাদু হন্দক্তি য়েংখৎলকই। মাগী মীৎতা অঙকপা অমদি চিংনবগী মমি তাই।

"হিদাক থক্লুনতা লৈবদা ইমাসি নারবোঈদা খন্দুনা লৈবে। হীদাক থকমন্দুনা শোম্বুরমাল্লে।"

মচানুপাদু ফুক হৌগৎতুনা থোকখি। মদুগী মরম ইবেমহলনা খঙই। অদুবু মানা খঙলিবদু ওইহন্নীংদে।

মমৌনুপী কৌদুনা হংই,

"নওগা খৎনকবিবা ওইবিনি, শাউদুনা থোকখ্রিবসে ?"

মমৌনুপীনা ব্রাফমদু চুম্মী হাযববা মতমদতা মহাক্কী থম্মোয় ফাজিল্লি। ফনমক ওইদুনসু নীংজিং মাওজিন্নবা ব্রাখলদুমদি খক ইঙ্গোকখিবা ওমদে।

পূং অমা অনি ফাবে, ইবেমহলনা মমীৎ পাওলক্লিবসি। ওসিদি মচানুপাসু মনাক্তগী মীৎকুপ অমা ফাওবা চৎথোক্তে।

মানা কিবল্লিবদু মমাগী মমীৎ অনিদু ওইবমাল্লে। ওসিদি মদুগী অকিবা অমুক লৈত্রে খল্লমাল্লে মাগী কোক মযাদা তুমীন্না ফমদুনা লৈবে।

মচানুপা, মমৌ, মশূ, মখোয শিন্ন-শিন্ননা মাবু হন্না হন্না কৌবকই। খুমগে থন্না চীন কাথোকপা ওমদে। লেঙবা ওমদে। চহী চুপ্পা মীৎমাওদা থমদুনা চাউবকখিবা মচানুপাগী মায়থোওদু অমুক্তং যেংনীংবনি অদুবু মীৎ পাওথোক্লবা পাঙ্গল পূম্বা কনাননো চিংথোকখ্রমাল্লে।

মশূ নুপীগী তইং-তইংবা খৃৎতুনা মাগী মাযথোওদা থেংলকই। ফুক হৌগৎতুনা মশূবু অমুক্তং চেৎনা কোনজববদি ...। মচানুপানা কৌবদু তানা তানা অসুম অসুম লাপথোকখি। খঙ্দে কযা যাম্না লাপ্না চেঙ্গোনকলবা অমুক্তংদি হন্না যেংনীংলকই মাগী পাম্মুজববা সংসাবদু। অদুবু মাগী মীৎযেংদ মচা মমৌ অমদি মশূ লৈতবা লমদমদুগী মাযকৈ তমলকই।

ওগষ্ট, ১৯৯৭

পন্থুং তাল্লিবা খোঙথা

"নোংমা থা'মুক্কী মমাঙদা নঙবু উখি গুৱাহাতি ট্রেন স্টেসন্দা। নঙ কদাই চৎকদৌবিনো খঙদে কাউন্টরবোমদা খুৎলৈ থুনা চৎখি। নঙগা চৎমিন্নখিবদুবু, ঐ নীংশিংবা খোক্লে: উর্বদি তোযনা ঙম্ববা মীওইনি। নুমিত্তু ঐখোয় পুনেদা জগোয় কনসার্ত অমা উৎলুবগী হল্লকপনি। নঙবু কৌগে খনখি, কবিগীনো খঙদে, ইতোমতা নঙবু উনবদু ঈকাযবা ফাওবম্মী। নঙ থাজবোই, নঙবু কৌগে তৌবগা ঐগী মিহুৎসি মফম খঙদনা চোংখৎলকখি।"

নুংশিখ্রবা মকুপ অমগী চিঠীনি। কুইববগী তুংদা ঙসিতা মানা ঐবু নীংশিংলক্লি। নোকনীংদ্রা যেংঙু, মসি মীওইবগী হৌনশানি। মাবুদি ঐনা নীংশিংলক্তে হাযনা মবাল শীবি। ঐদি মাবু নীংশিংখিববা'? নীংশিংদুনা চিঠী ইখিববা'? নুমিত্তু মানা উবমদদুনা ঐনা উবা ওইবল্লবদি ? ও! নুমিত্তু! থা'মুক্কী মমাঙদা ঐখোযনা গুৱাহাতি স্টেসন্দা থুংলুবা নুমিত্তুমক্তদা মাসু মফমদুমক্তদা থুংলম্বকো! কযাদা নীংঙমখিদ্রবনো'? নুমিত্তু ঐ অকনগা লোয়ননা টি.ডি.সি কোবগী ছাত্র তবামুক পুদুনা স্টডি টুবগীদমক রাজাস্থান চৎলম্বনি। ও! মানা অকনবু শক খঙদ্রমাল্লে। ঐখোয় পুন্না ওঝা ইবোতোম্বীদা ট্রাসন তৌমিন্নখিবদু মাদি শোয়দনা কাউবল্লনি। স্টেসনগী চিল্লবা মীযাম

মবক্তুদা ঐনা মাবু উখিদে। ঐবু উবদা মহাক্তা কযাদা হবাউবমগদবা' মহাক্তা কৌবক্লক্লবদি ঐসু হবাউমনখিদুনা মফম অমত্তা খঙলম্লোই।

"অদুদগী কবিগুম্বা নঙনা উখ্রবদি থাযনা পাখৎপা পোকলম্মী। নুমিৎচুপ্পদু নঙনুতা নীংশিংলম্মী। ঐখোয পূম্না লাইনক নাম্মাংবঙৈগী মতম্মাশংদু অমত্তসু চাংথদনা নীংশিংলক্লম্মী।

অমুকখক ঐখোয মযাম শেন্দ্রাদা পিক্লক চং থদাই। মদদা নঙনা থাখিনা শৈবেংদু অসুম্না থাযনা নত্রা।

'খোল্লব হিদে থা ওগদগী কবম্না ভোংবান্দা

লৈবমগদগে লাব, খে ওচৎাসনা লোইবকপদা:

চৎপদি লেপ্পু, খিনিবম থংদে।

নুমিৎনা চাংযা তম্লক নাংনা।

চুপশিনখ্রনি মনাগী মঙাল, যাচঙক্লকপা অতিযানা।'

নুংম থু ঐখোয কয়াদা লাঙাখবা। কযাদা হন্নাউ তযামখিবা। নোং ছানবগা ঃ।' পাড অমা তাখি। মদুদা নখোয কয়াদা ঙকখিবা। কযাদা ঐবু বাবৌখিবা। এন নমৌ লৈবীনি মপুক্তা বা লোৎম্মীনি হাযনা নখোযনা। চিবোন চিনোন ঙাংনাখ নত্রা ' ভশেংবদি ঐ নখোযদা ব্রাবা শাগদবা ঈকাযবা পাওখ। মনমাদ মতমদু ঐখোযগা ইবক্তা কনাসু নুংশি নুংঙন, নপা নহাগী বা ঙাংনদে। খনসু খন্নদে। ঐখোয মশেন মী অমমম ওইদবা যাদে হাযনা কন্না নাবক্লে। মাচু চম্না প ন ঙ লাঙবা, পঙঙাও ছাওবদ নত্তন। অতেপ্পা বাবা অম টে থৌদোক্ল' নদুবু লোংমদি যাম্না নাজদনা নঙ ঐঙোন্দা বাওং অমা হংখ.

"নং হন্দক মবকসি কৈনোম ইত্তৌ তৌই। নঙ যাম' তোংলে।"

"ঐবো ' ঐ কৈসু তৌদেনা ।"

কবিদগী বাফমদ নঙনা হাযনকাখবনো খঙদে অদুবু নঙগী নমাঙদা ঐ কিখী কিকম্নবা অমা পোকখি।

"নঙগী ঈশৈদু কযাম কুইনা তমখিদোইনো ? পবিক্কাসু কুইশিল্লক্লে।"

"লোইশিল্লনি।"

নও মখা হংলকখিদে। ঐসু নঙনা মখা হংলক্তবদু পামখি। নোংমা ঐনা ওঝা বিশ্বজিৎপু নঙোন্দা শক তাকখি। হল্লকপগী লম্বীদা নঙনা হায়খি,

"নোইগী ওঝা বিশ্বজিত্তু ঐ শুকহে হৈনদে। নও মাগা নর্কাশিন্নগনু"। মতমদু ঐগী অফ-ফত্ত খঙ্গনবা মাযকৈদু'ম পূমপঙ পঙথখিবা নতম্নি। শুপ্নগী [illegible] ঈশেদমক উবম্মা। শুবগী ইপাতো ঈকুপ্পা শান্নবদা ওঝা বিশ্বজিৎনা [illegible] খোঙবনি। নঙনা ঐঙোন্দগী খঙনা পামখিবদু খঙনা [illegible] দে। মদুগী মতম অমদি খুদোংচাবদু লাক্লবা ফাওবদুদসু হায়দোন্নবা [illegible] অবোইবা মীকুপ্পু ফাওবা নঙবু খঙহল্লমদেদনা? নঙনা ঐবু বাখৌখি। [illegible] হায়যু?"

বাখৌখিদে হায়বা শুল্লবাদ মাবু ঐগী মকপ নত্তে হায়না পোয়না [illegible] দাকাখনা ঙম্রমগদবান। ঐ শাবৌখ। মানা অদুম্না ঐখোয় কনাদসু তাকলমদনা চৎখিনি হায়ব [illegible] ফাওবা [illegible] মদে। ঐখোয়গী মরূপ ওইবগী [illegible] মতমদা [illegible] কখিবা খবদু মীকুপ্পুদা পমতোই তোইনা কাধল্লে [illegible] খি। নোংমা মানা যাগী ওইনা হায়খিবা বাদসু নাংশিংলকখি।

"[illegible] হায়বা ঙম্মগদবা?"

[illegible] খি,

"ওল্লোই, শুকঙম ঙমলোই।"

"কারিগীনো?"

"ঐনা যানীদে খঙনা খঙনা নঙনা তৌবগী।"

"ঐ ইশাগীসু অপাম পামদা খন্নবা ঙক লৈদনা?"

"অদু ওইবরদি ঐখোয় মকপনি হায়বগী অর্থ লৈত্রে।"

"হায়বদি ঐগী অপাম পামদা খনবদা নঙগী মত মতুংইন্না চৎকদবনি হায়বনিদনা।"

"নত্তে, নও ঐগী মকপনি। নঙগী ফত্তবদি ঐনা খনবা ফাওবা ওল্লোই। নঙনা ফত্তবা থবক তৌববদি থিংবা ঐগী ইথৌনি। অদুবু মদু নঙনা নমদুনা ঐগী মাযোক্তা তৌগে খল্লবদি নঙনা ঐবু নঙগী মকপনি খল্লে তাকপনি।"

মহাক হৌনা নোকথোবকখি,

"ফাগী তৌনিদা। নঙনা যানীংদবা অমত্তা তৌবোই।"

ঐ থাজখি। খঙসু খঙখি মানা ঙাওজবদি ঙ'গোয ঈশৈদনি। মদুনা মাগী পুন্সিদা চৈথেং অমা পীবক্কনি হাযবদি ঐ খল্লুদে। অদুবু ক'বদগী কবি ওইবকখিবা খঙহৌদে। মসিবু নুপীগী অশোনবনি হার্যসিবা ?ক্ত্রগা খুদো'চাবদা যেংগনবা নুপা ওইবশিংগী হৌনশাননি হাযসিবা? টি.ডি.সি.গী অ'বোধ?া পবিক্ষা লোইখিবা মতুং ইকুই কুইদর্নান ঐখোযনা শেন্দ্রাদা পিক্লিক চৎখিবদু। নুমিত্তু ঐখোয মযাম লাঙবা যাবা লাংখি অদুবু নোং ঙানবগা মহাক ওঝা বিশ্বজিত্তা চেনখিবগী পাউ তাবদা ঐখোয শাথীনা ঙকখি।

শাউনীংদুনা হংবা ফাওবা চৎখিদে। অদুবু • মিৎ র্নিনগী তুংদা তাখি মাগী পাউ অমসু। অদুক তমথীবা পাউদু ঐ থাজনীংখিদে। মাগী মাযথীবগী পাউদুনা ঐ অমুক পন্থবা ঙমখিদে। মবমদি মহাক ঐগী মকপনি। চৎ তুনা মমাঙদা লেপলুই। ফ?া কুইবা ফাওবা ব্রা হৌদোক্লবা ঙমলমদে। মমৈদা ঐনা থৌনা পৃম্না খোমজিন্দুনা হংলম্মী,

"নুপী অহন্দুদি নঙোন্দা কবিমত্তা হাযবক্নবা?"

মহাক মঙক্তমক হাইবম্মী। মথা কবি হাযব?া মাবু থেমাজ?সিগে খর্নখি। মাগা মশক্তু উবদা খোযদৌ শাউগৎপসু পোকলম্মী। খ?না খঙ?া চৎলিববা ফাওবা খর্নখি। ঐগী অশাউবদু ফাজিনবদা বানা থোকাখ,

"নঙবু কবিমত্তা খঙহৌদববা? নঙ অ?াং?চা জ্ঞান তাদ্রিবমক্তা নত্তে"। মহাক মমায শুকহন হনগৎলক্তে।

"নঙনা তৌর্বিবদু র্কাবনো খন্দুনা অমুক্তা যেংঙু"

"ঐসে যাম পঙই, যাম্লসু পা ঙদে। নুপী লৈ ?াযবদি ঐসু খঙখি, মানা থাইনখ্রে, মযুম পানখ্রে হাযবগা ঐনা থাজর্কবিবসে নোক?ীংদ্রা?"

মাগী ব্রাখলদু তশেংনা র্কাবনো'ম তৌখিব'?ম তৌবকপদুদা ঐ জ্ঞান তাবকই। শাউনীংবদগী কবি কবিনো হাযখ্রে। তপ্না মাবু থেমজিনবওই হাযকই,

"ফবে, চঙশিল্লুববদি চঙশিল্লুবে। হৌজিক্তি লুহোংনবা লাঙনবিসি নঙসু তাবল্লনি।"

"ঙমলোই, ঐ শুকঙম ঙম্নরোই।"

ঐনা ঙক্লা হংলম্মী,

"অদুদি কৈদৌ' দোরিবা?"

"কৈসু তৌরোই। ঐ হৈনীংলক্কে। মফমদুগী অমোৎপদুদা ঐ অমুক হন্না চঙবা ঙম্নরোই।"

মানা ঙাঙলিবদু ভাব তাদনা ঐনা হায়খি,

"অমোৎপদা চঙশিল্লুবদি হন্দোরকপদসু লৈখোমদি তৈবা তাবনি।"

"তৈজসনু, অদুবু ঐ মফমদুদা লৈবদি ঙমলোই।"

"মদু অহন-লমনশিংনা পামদে। কৈদৌগে, মখোয়রোমনসু লুহোংবা পাম্মী।"

"নঙমক্লসু?"

"করিগীনো? ঐনা নঙগী য়াইফবা পাম্বগুম ইমা ববাহোয়নসু নঙগী অফবা ওইখিবা পামলিবনি। নঙগী করি কিনীংঙাই লৈবগে মখোয়গী অহনশিংনসু নঙবু পাম্মী,বিশ্বজিৎনসু নঙবুনা হেন্না নুংশিরিনি।"

কদোমদগীনো খঙহৌদে মহাক খংশাউ শাউগৎলকখি।

"মদু ঐ তুক্কচৈ। মখোযবু মীওইবগী লমচৎ চৎপা মীরা?"

"ইহে, নঙ ঙাওরেদনা। করিনো নঙনা পামলিবসি।"

মহাক্লা করিসু খুমলক্তবদুদা ঐনা মখা তারুই,

"নুপী অহন্দু কয়াসু যুগোৎ চাদমাল্লে, ঙাওরি শারি তৌই হায়বরা?"

ঐগী ঝাদু লোইফাত্ত্রিঙৈদুদনি,

"নঙ সিদা কৈদৌ লাক্লিনো? নঙগী নথৌ করি লৈগে? মাঙজরসু ইবন্নাইনি চৎখ্রো।"

"চৎখিনি ঐবুদি। অদুবু মসিদা ঐগী ইথৌ লৈরোইদৌরিবা করিগীনো?"

"লৈতে, শুক্নৈ লৈতে। ঙসিদগী নঙগা ঐগগী মরক্তা মরী অমত্তা লৈনদ্রে খল্লো। নঙ চৎখ্রো।"

"ফৈ চৎখ্রগে। ঙসিনা ইবানিগী অরোইবনি।"

মাগী মনাক্তগী হল্লকপগী লম্বীদা ইতোমতা ৱাহং কয়া হংজদুনা লাকখি। কবিগী মহাকনা নুপী লৈবে খঙনা খঙনা চেল্লুবিবনো? অদুগা অমুক লুহোংবা য়াদ্রিবনা কবিগী। চমম্লবা ৱাখলদু লোইবা নাইবমদে।

মাগী চিঠীদা ইবম্লসু যাই। মখা পাথকই,

"নঙ ঐগী নাক্তগী শাউদুনা চৎখি। ঐবু শাথীনা ৱাবৌখি নত্ত্রা? নঙ অদুম লাকখিদ্রে। ঐ নঙবু ঙাইখি। নঙ লাকখিবা যাই হাযনা আশা কযা তৌখি। লাকপগা অশেংবদু তমগে খনখি। নুমিত্তুদসু তমলম্বা যাবনি অদুবু অদুক থীনা ঐ কবিগী কঙাওনখ্রিবনো খঙদে। ফবে, ঙসি অশেংবদু তল্লগে। নঙ খঙববা, বিশ্বজিৎকী নুপী অহন্দু। নুমিত্তুদা কনাসু লৈতবা তাঞ্জা অমদা ঐগী নাক্তা চঙলকখি। উবদা ঙকখি মযাং শাথীনা কংই। শব্দদু মশীং থীবা যাগদৌবগুম উবম্মী। মমীত্তু পিদি তাদে অদুবু মদুগী মকমদা অচৌবা ঈপাক অমা লোৎলিবগুম খল্লম্মী। নুপী মচা অমা মখুৎ শমদুনা মনাক্তা লেপলি। মহাকসু নুপীদুগুম মযাং কংই, মশম ইফা ফাই।

"হৌজিক্তি নঙ লাক্লবনিনা ইমা ইচাসু চৎখিবা তাবে, চৎত্রিঙৈদা নঙবু অমুক্তং উনীংদুনা চঙলকপনি।"

ঐনা ঙক্লা মঙোন্দা যেংলম্মী। মহাকপু বিশ্বজিৎকী নুপী অদুবা? মহাক্তি মযুম পানখ্রে হাযদাই।

"ঙকপবা? ঐ নঙগী লোন্নবী নুপী অহলনি। যেংঙ্, ইচানুপীসি, কবিগুম্বা মানা নুপা ওইবমলবদি নত্ত্রগা মীবোল তাবমলবদি।"

ঐদি মঙোন্দা যেংবতমক যেংলম্মী মাগী বাবীদু মখা শমথবকখি,

"নঙনসু ঐবু অঙাওবীনি খনববা? যেংঙু ঐ কবিমত্তা ঙাওদে, ইচা নুংশিবা খঙলিবা, থৌওইবীদবদা চৈনা ফাওবিবা ঐবু অঙাওবীবা?"

"ঐদি কবিমত্তা খঙদে ঐঙোন্দদি নোংমত্তা কনামত্তনসু অদুম্না হাযখিবা লৈতে। ঐনা তাখিবা হাযববু....."

"মযুম পানখ্রে-' সি নত্ত্রা?"

মহাকপু নোক্লিববা?

"সংসাবদা ঐগী চঙজফম লৈতে। ঐগী কনাসু লৈতে। ঐদি লাযববীনি। ঐগীবু

করি লৈদুনা মখোয়বু পেলহনগদৌরিবনো! য়েংঙুনে ঐগী ইশকসি। নঙদি কয়াদা ফজরিবা।"

"ইচে, নঙ কদায়দসু চৎখিনু। ঐবু নঙগী ননাওনুপীমক্লি খনবীয়ু।"

"নঙ নুংঙাই য়াইফবী ওইয়ু। অদুবু ঐবুদি খামলনু। য়ুমসিদা লৈনা লৈনা য়ুমসিগী মী ওইদবা কুইরক্লবনি। হন্দক্তি পূমথা থাদোক্লগে"।

ঐনা স্বর্গনি খন্না লাকখিবা মফমসিগী ব্রারীবা তারিবসিবু। মফমসিগী অমোংপা; অপুম অশাগী মনমনা ঐ স্বর হোনবা ব্রাশিল্লকলে। তশেংনা মফমদুদগী নাম্ভোকপা ফংলবদি হিংগনি খল্লকখি। নখোয় পূম্বনা ঐগী ফিবেপ্তুবু শাউখি। অদুবু কাবিদি তৌরুগদগে হায়য়ু, থম্মোয়সিবু মীনমদুনা লুহোংবদু য়াকনবা ঐগী থৌনা লৈতে। নঙ নত্তনা ঐগীদমক অদুক য়াম্না ব্রাবীখিবা মী লৈতে। নঙনা ঐবু থেম্নবা হোৎনবা পূম্বা অরেম্বা তারবদা নঙ শাউখি। ঐবু চৈখি।

ঐ শাউখিদে। মহাক ঐগী পীকলিঙৈদগী তিন্নরকপা মরুপনি। মাবু ব্রাজসনু হায়না শাপ তৌরুগদৌবিবা কবিগীনো? মাগী পুক্লীং অদুক থীনা লৈতাখিদ্রিবদুগী মরম ঐ খঙনীংখি। নোংমা নিনি লৈরগা উনরুগে খন্দুনা লৈরিঙৈদা ঐগী মাষ্টর তৌনবগী কোল লেটব লাক্কুনা চান্দীগরদা নোং ঙানবগা চৎখি। মাবু উনরমদ্রে। মবমদু খঙনীং খঙনীংনা ঐ মাষ্টর তৌবা চৎখি। ঙসি কুইববগী তুংদা চিঠী ইরকলে। অরোইবা শরুক্তু পাথরুই।

"নঙদি ঐ কবম তৌরিবগে খজিক্তসু খঙনীংখিদ্রমাল্লে। ফরে, নঙনা খঙনীংদ্রবসু ঐ হায়রগে। ঐগী অহানবা মায়থীবদি নঙনা খঙখ্রে। মতুংদা ঐ মীওই অমগা অমুক মরী লৈনখি। অদুবু মহাক্কসু কুইনা নুংশিনখিদ্রে। ঐদি থাজবা মাঙখ্রবীনি। বিশ্বজিৎনা মবম ওইদুনা ঐনা কনাবুসু অমুক থাজবা ঙল্লবোই। অদুনা মহাকপুসু থাজবা ঙমদদুনা মঙোন্দগী লাপথোরকখিবনি। হৌজিক্তি ঐ লম্বীদুদগী ইনীং তমলে। মদুগী কান্নবা হায়য়ুবা? লীপুন লৈতনা কোয়পাই পাইবগী নুংঙাইবা অমা ফংলে। কনানা খঙনি ইরৈপাকসিবু অমুক উজবা ফংগদ্রা? নঙ খঙবরা, ঐ উড়িষ্যাদা জগোয়গী ওঝা অফবা ওফর অমা ফংলে। মফমসিদা ঐ তশেংনা হৈনীংদ্রে। ঐগী নুংশিখ্রবা মরুপ মপাং কয়া লৈরিবা লমসি পুন্সিগী ওইনা থাদোকলম্লগে। ফরে, চিঠীসি লোইশিল্লকলে। লোইশিল্লকপগা লোয়ননা খল্লি, চৎলিবা লম্বীসিনা ঐগী পস্থুংনি।"

চিঠী লোইশিনখ্রে। মাগী অনীংবা অপাম্বা পূম্বগা লোয়ননা মশাগী ৱাবী পূম্বসু লীবমলে। মাগী মফমদগী খঙনীংবা কযা ওসিদি লোইনা খঙলে। মাগী খোঙচৎকী পোলোইসু মশানা হাযবম্লে। হাযজসনু, চৎলিবা লম্বীদুনা মাগী অবোইবা খোঙচৎতি ওইদবসু যাই অদুবু মহাক মফমসিদা অমুক হল্লক্কান হাযবদি থাজদ্রে। মহাক নুংশিবগী লানফমদা মাযথীখ্রে। অদুবু ঐনদি খল্লি, মহাক হিংবগী লানফমদদি মায পাক্লবী অমনি।

সেপ্টেম্বর, ২০০১

মরৈবাক নীংবা নুপা

থা মবি মঙা হৌখ্রে, প্রেমচান্দ লাকখিদবা। ভাবতিগী মপুক্লীংদা মবক মব ক্ষা খল্লি মাবু ব্রাণৌখ্রবরা ? মঙোন্দা বাবৌনীংঙাই মবমদি নৈখিদে। অদুদ্দ কাবগীনো মানা লাকখিদ্রিবা ?

ইচম চমজবা প্রেমচান্দবু লক্লদুনা শাউহনবসি ভাবতিনা যাম্ম নুংঙাইহন্দ্রে। অদুবু মদু মীকুপ খবতিন। প্রেমচান্দনা মাবু কুইনা শাউবা ওমদে হায়নাপি মহাক্না খঙই। অবোইবা উনখিবদুদা মতাকপু শাউদুনা চংখিববা ?

ভাবতিনা ফাগী তৌখি,

"নঙ ঐগীদমক কবি কবিদি তৌবীবা ওমগনি ?"

"ওমলোইদবা অমত্তা লৈতেনা।"

"অওইববনে ?"

ভাবতিনা নোক্কুনা হায,

"অদুনিদনা নুপামচা হায়দুদি।"

"নঙগীসি কবেম্নবিববা ? অমুক্তং চাং যেংগেবা ?"

ভাবতি তুমীন্না নৈখি। মপুক্লীংদা কবিবু খল্লিবনো খঙদে। মাগী ফুবিৎ লোল্লিবা

খূত্তা মুন্না যেংলুবগা প্রেমচান্দনা হায়বকই,

"নুপীনা খূজি অমত্তা শিদ্রবদি ফজবা মপূং ফাদবগুম উই।"

হায়জবতনি। ভাবতিগী খুজি যাওদবা খূৎনা হৈ শিংনা লেঙবা ওৎপা তৌদুনা লোল্লিবা খূত্তুদা থল্লায পূমলুপ লুপচবিবনি।

"অদুদি থোনবীখূদনা। হেন্না ফজনবা।"

"ঐনা পীবগা নঙনবু শিবীগদ্রনে ?"

ব্রাবৌনা ঙাওলকপা মাগী ব্রাঙাঙদু তানদা ভাবতি নোকথোবকই।

"এ অওইববা ? ঐবু অদুক যাম্না চাওথোকলববনে ?"

"প্রোমিজ তৌ শির্গনি হায়না। হযেং শোথদনা পূনক্কে।"

খাজক্তুং নোকলগা মাগী থবক্তুদ খবায যাওশিনখি। প্রেমচান্দনা মাগীদমক কযাম খনজবগে হায়বা মহাক খঙই।

অদুব প্রেমচান্দগী লৌথুপ লৌকোই লৈজদবা মতৌদুদা তত্তনা লক্লনী'ল্লুই।

"তো ! নঙগী নাপলসি যেংঙু।"

প্রেমচান্দনা হায়বকই,

"কবিগুম্ব'না অমত্তগী পাউখুম নাঙনা শেংনা পীদে।"

"কবি ব্রাগী পাউখুমনো ?"

ভাবতিনা শকাম পমশুক শুকথনা নংঙাই তনা শানা হায়বকই,

"ঐদি খঙদে, নঙদি এবু শুকনা ঙাওদনজাংনিদনা। নঙনা খুজি অমা থোনবীবগীসু এবু বাশকহন্নাংবনিনে।"

প্রেমচান্দ ঈকাযবনা তৌযম খঙলক্লে। মপুক্লীংদা হঞ্জিল হঞ্জিল শোল্লকই "নঙনা অশিশুর্গসি যাদনা কনানা ফংগদগে ? নঙদি অপঙবনি। কবিগীদমক তেক্তা ব্রাশকউ হাযকবিবনো ?" তোল্লবী কনাসু লৈজদ্রবী ভাবতিনা খজিক্তুং মপুক্লীং নুংঙাইখিদবদা থম্মোয শোনবা প্রেমচান্দনা যাম্না নুংঙাইজদে।

মাগী মকশিনবা মাযথোঙ উবদা ভাবতি নুংঙাইবক্লে। অদুবু খোনফমদু ঈকায় কাযদনা হান্নগী শুবদুদা হাযবকই,

"ফবে ব্রাশক্লগা ব্রাশকপা হায়বদুনি। অদুবু কনানা খঙনি যুমসিদগী হেক থোকখিবগা কবিবু হায়বীগদবা ?"

ব্রাহৈদুদা প্রেমচান্দ মমীৎ লংখৎলক্লে। অদুগা হায়বকই,

"যেংঙু ভাবতি, ঐ অদুক যাম্না তমথীবা মী নত্তে। নঙগী নপোক নুমিত্তা ঐনা পীবা পোৎ নঙনা লৌ হায়বা যাখিদে। নঙদি ববাগী মফমদগী নত্তনা কনাদগীসু খুদোলপোৎ অমত্তা মপোক নুমিত্তা লৌখিদ্রি হায়খি।"

প্রেমচান্দনা উবকই, ভাবতিগী মীৎযেং ইতাউ তাউনা অহাঙবদা যেংলি। থৃবীৎ লোল্লিবা খুত্তু তবেক তবেক তৌবকই। মপাগী ব্রা পল্লুবদু মাগী অশোযবনি। মাগী মপাদু দার্জিলিং মচানি। আমী ওইনা মণিপুরদা লৈবদগী ভাবতিগী মমাবু লুহোংদুনা লৌখিবনি। মমা মণিপুরীনি। অদুনা মণিপুর থাদোকপা ঙমদদুদা ঙসি ফাওবা লৈবিবনি। মখুবাশিং, মনোশিংনা দার্জিলিংদা লাক্লবা কযা হায়বকখ্রবনি। অদুবু মমানা শুকয়া যাদে। মণিপুরদা শিনি হায।

ভাবতিগী মপাদু নহাবোল লালহৌবা কাঙলুপকা খুৎ থোক্লবা অমদা শিখিবনি। মতমদু মহাক দিল্লি যুনিভর্সিতিদা তম্লি। মপা লৈখিদবদা মণিপুরদা থোবকপদগী অমুক চৎত্রে। মখা তমথখিদ্রে। মপানা মাবুদি যাম্না লুনা তৌজবম্লনি। মাগী মপোক নুমিৎ লাকপা খুদাংদা মপাগী লাঙজবা হবাউজবা পুম্না ভাবতিনা কাউবা ওইথোক্কে।

ভাবতিনা শেংনা নীংশিংলি নুমিত্তু প্রেমচান্দ শাউখিদে। হবাউ হবাউ অদুম চংখি। অদুবু নুমিত্তুদগীনি শকফাওবা উৎলখিদ্রবা। ভাবতিদা কবিমতা খঙহল্লমদে। কবিগুম্বা খঙহল্লবদি মহাক্লা মাগী অপাম্বদা থিংলক্কনি খন্দুনবা। নত্রগা ভাবতিবু থাজবা ঙমখিদববা?

অদুবু কুইববগী ভুংদা ইখঙ খঙহৌদনা নুমিদাং অমা থোঙজীন্দা লেপলবে।

"ভাবতি ঙসি নখোযদা চাক চাখিবা তাবে। চাক থোংবা ঙমগদ্রা? থোঙবাদা পাযদুনা প্রেমচান্দগী মাযথোঙদা মীৎ কুপতনা যেংলকই। মাগী মাযথোঙদা তাবিবা চোকথবা অমদি লাঙতক্লবগী মমিদু ভাবতিনা শেংনা উই। "ঙহাল মখৈ কদাইদা লৈকবে" হায়না হংনবগী ব্রাবৌবা খোম্লোক মাগী চীন্দা থোবকউ হায়বা যাখিদ্রে।

"কবি যেংলিনো ? পম্বুবনু, ঐখোয মবি মঙানি। খোংনাংখোঙদা মখোয পোথাহৌই। শৎ চাবগা চৎখিগে।"

প্রেমচান্দগী ফুবিৎ অথাবদুগী নাকলদা উবকই 'নোংমৈ'। ভাবতিগী পীশুম শুকলকই। হোয মাই হাযবমদনা চঙখ্রে। মতুং ইন্নদুনা চঙলকলগা বামাযণ পাবিবা ভাবতিগী মমাগী মাঙদা ফমথবগা হাযবকই,

"ইমা, ঐখোয মবি মঙা ইমাগীসিদা চাক চাবা লাক্লিবনি। ঙবাংদগী কবিমত্তা চাবক্লি।"

ভাবতিগী মমাদি যাম্না চমজৈ। মহাক্না কবিগুম্না নুমিত্তসু মহাকপু থাজদবা ঙমখিদে। মবমদুনা কনা কনা লোযনবকপা কবম্বা ফিভমদা লাকপা অমত্তা হংদনা বামাযণ মখা পাথখ্রে।

চাক থোংলিবা ভাবতিগী নাক্তা লেপলুই। মমায় ওম্হোকলক্কে। ফম্মুসু হাযদে।

"মত্তম চাদনা যেৎলদ্রবদি যেংঙুদো, ঐখোয চবা হেনদৌবি'নি। লম্বীদা শুম লাকপদা নঙবু খঙনীং নীংশিংলকই। চবামক্তি হেন্দ্রেদনা খনবদা ঐখোয শাগানা নুংঙাইখি।"

পাউখুম অমত্তা পীবক্কে। প্রেমচান্দগী বাদু খজিক্তসু তাবা মান্দে। অসুক কুইনসি নোংমতসু হংলদে হাযনা বাকৎলুবস্ ভাবাতদদি পকচবোই। মদুমক শুপ্নতগী প্রেমচান্দতনা তৌবগা পকচগদবনি। অদুবু ঙসিদি মমাঙৈগী প্রেমচান্দদু অমুক নত্ত'গুম্মী। থম্মোয কনশিনবা খোনফমদা হাযবকই,

"শাউফমবুদি থোকই। অদুবু মীগী মতেং পাংবদি ঈশ্বরনা পেনবী হায। ভাবতি নঙসু ঈশ্বরদি থাজ'দাইনে।"

"ইমা মতমসিদা লৈবমদ্রবদি ঈশ্বরদগী মনা লৌবগী মহুত্তা দন্দি ওইনা লৌজবমজদবনি।"

ভাবতি ঙসি মঙোন্দা মমায শুকওন ওনশিল্লক্কে। হযবকই,

"যেক্লববু পীজ পীথক তৌদুনা প্রাইশ্চিৎ তানগদৌ শকক পাপকী নম্বোবুনা হেন্না পাম্মী।"

ওইনীংবা ওইসনু মহাক্না ভাবতিগী মফমদগী মাবু যেক্লবনি হাযনা মচীনমক্না

পল্লক্কনি হায়বগী আশা তৌরুদে। অদুনা মসিমক হায়রকই,

"করি ? ঐবু য়েক্লবা !"

ঙাইহাক্তি মখোয় অনিগী মরক্তা অচীকপগী লাইনা লেপলবগুম্মী। ফনা কুইনা লৈরুরবা তুংদা প্রেমচান্দনা ভাষন পীবগী মওঙদা হায়রকই,

"ভারতি নঙনা খঙদে, ঐখোয় হিংনা হিংনা মী ওইদ্রবনি।"

"তোকপীরো। অদুগুম্বশিং অদু কয়া তারে। নখোয়গুম্বা মচা পোকচবগী মহৈ ইমা লৈবাক্লা ফংলেদনা ? ফরে, হৌজিক্তি নঙগী মমানীংবা খোঙলোয়শিংদু কৌরুরো। চাক লোইশিল্লমলগে।"

ভারতিগী ব্রাহৈশিংদুনা প্রেমচান্দগী মায়খোঙদু শংত্রিক শংহনখ্রে। মশাবু নমদুনা ফাথরগা হায়রকই,

"ভাবতি, ঐখোযবু অদুম্নদি করেম্নগনু। খরগা তাখো অদুগা ভাব তারক্কনি।"

ভারতিনা অচেৎপা খোনফমদা মাবু খামলগা হায়রকই,

"নত্তে, ভাব তারবোই। তাবসু পামদ্রে।"

মতম কুইনগী তুংদা উনবনি। মখোয়গী ফিভম মুন্না খঙবীবা প্রেমচান্দবু উবদা ভারতিনা হবাউবোইদবগী মবম লৈতে। প্রেমচান্দগী শেলগী মতেং লৌদে হাযবদি যাই অদুবু শুপ্নগী প্রেমচান্দ নত্তনা মমা মচাগীনি হায়বদা মফমসিদা কনা লৈবিবগে ? ভারতিগী মমাগী অমত্তা ঙাযরবা আশাগী থাউমৈদুগী দোষী প্রেমচান্দমক ওইবম্বসু কনানা খঙবা ! অদুবু ভারতিগী মায়কৈদনা কবম্বা পোৎশক ওইরিবনো? মদুগী মমি ফাওবা প্রেমচান্দনা শাগৎলুবা ঙমদে। করিগুম্বা নুমিত্তসু মানা ভার্বতিবু খঙবা ঙমখিদে। কবিগুম্বদা মঙালনা মীত্তা য়ৈবৈ। মদু ময়েক শেংমনবনা উবা ঙমদে। অদুগা কবিগুম্বদনা অমম্বা অহিংগুম মাঙদা চপ লেপলৈ। ভারতিগী অশেংবা মুর্ত্তিমক থোকলক্তনা খামলমলবদি মহাক কদায়দসু চৎপা ঙমলমদবা য়াই। অদুগা লৈবাক নীংবগী লীচিংদুসু মাঙোন্দদি তাৎ নত্তে।

"অমুক পম্বরনু। চাক শিল্লগে। মখোয়বু কৌশিল্লুরো।"

প্রেমচান্দ তাদে। মচী লেঙদনা ফমলি। মাগী ব্রা ঙাঙনীংবগী মুড পূম্বা ভার্বতিগী থৌশাদবা হৈনীংদবা মতৌনা পূময়োৎ য়োৎশিনখ্রে।

ভাবতি অমুক খাঙমলক্লে।

"ফমদুনা অদুম লৈবদ্রা ? লৈবাক নীংবগী লান শোকনগে হায়বসু শোকনবীক। মফমসিদা ফমদুনা ঐঙোন্দা তর্ক তৌদুনা অমুক ৱাহল্লনু। অহিং থেঙলে। ঐ যাম্না চোকথববনি।"

"চৎলনি।"

চৎলানদি হায়খ্রে। অদুবু মহাক মচা লেঙবদি ঙমদ্রে। মানা খ্বায়দগী থাজবা, খ্বাযদগী নুংশিজবা খ্বাযদগী ঈকায় খুম্নজবা ভাবতিনা ঙসি মাবু অপঙনি, থৌ লৈতবনি হায়না খনখ্রে।

মবৈবাক নীংবগী থৌনা ফবগী মাযখুম নাম্বদুনা তাখ্রে। মমায মক্লা লেঙদনা ফমলিবা মাগী শকফমদু উবদা ভাবতিসু তশেংনা চঙকনখ্রে। তপলবা খোঞ্জেলদা মীনুংশি চেন্না হায়বকই,

"ফবে। ঙহালমখৈ ট্রেনিং তৌকবিবা ওঙবিনিনে। লৈবাক নুংশিবসু ফনা যাম্না তমলকলমলনি। খঙলে। ঐবুদি কাউদ্রিদনা।"

মমায চনগৎনা যেংলকপদা ভার্বতিগা মীৎচানকবে। মাগী মীৎযেংদনা হায়বগুম তৌই, "মদুবু ঙমলবদি হিংলগদবনি।"

ভার্বতিনা মাগী মপাবু হাৎখিবগীদমক লালহৌবা কাঙলুপপু শাথীনা য়াবৌদুনা লাকখি, মদুদি নত্তে। মখোযগী মবক্তা লাইবিক লাইসু নীংথিনা তমদবা কযা যাওবি। মখোয়গী হৌনা লোনচৎতা, য়াঙাঙ শঙাঙদা ভার্বতিনা শাথীনা হৈনদবা শাউনীংবা পোকই। মখোযদি লৈবাক্কীদমক থোবক্লবনি হায় খদুবু মখোযগী থবক থৌ ওঙশিংদা যানীংদবা কযা লৈ। মদু ভাৰ্বতিখক্তা নত্তে। অযাং নর্সুনি। প্রেমচান্দনা মখোযশিংদুগী মবক্তা চঙখ্রে খঙবদা মাগী থম্মোয খাঙঙমদনা শোকখি। প্রেমচান্দবু শাথীনা য়াবৌখি। অদুবু মাগী মকশিল্লবা মায়থোঙ উবদা চাক্কী য়াফম কাউখ্রে। মনাক নক্লা ফমথদুনা হায়বকই,

"কৈদৌবে ? হায়যু নঙগী লৈবাক নীংবগী বাদু। অদুম্না তুমীন্না লৈগনু।"

"নত্তে, তোক্লসি।"

চৎকদবগী হৌগৎলকই। ভাবতিনা খামদুনা হায়বকই,

"শাউদুনা চৎখিনু, নত্তবদি ইমানা য়ানা নুংঙাইররোই।

"নঙ নশাদি নুংঙাইগদ্রা হায়য়ু ? ফরে, মদুবু ওইরবদি।"

প্রেমচান্দ থুনা থোকখ্রে। ভারতিনসু অমুক হন্না খামলুদ্রে। অদুবু থোঙজীল য়ৌরুবগা শৎ হনজিল্লক্তুনা হায়রকই,

"ভারতি করিগুম্বা ৱাফম অমখক্তী আশা ঐনা তৌরুবা শুকঙম ঙমখিদে, অদুমকপু ঙসি নঙগী ব্যবহারসিদা কদায়দনো থম্মোয়সি খাঙঙমদবগুম তৌই। ফরে, চৎলগে। অদুবু চৎনা চৎনা মসিমদি কাউরোই, ঐ কদাইদনো অমা শাথীনা লানখ্রে।"

প্রেমচান্দ চৎখ্রে। হৌজিক্তদা ভারতিগী মীত্তগী ফোঙ ফোঙ শাবা পিরীক খবা চেন্থরকলে।

মার্চ, ১৯৯৬

পৃথিবীগী খোঙচত্তা

চহী কুন্থ্রাতরুক/কুন্থ্রাতবেৎ, তাবদা ঙকলিনি, মসি ফাওবদা যুম পানবগী ব্রাখল থাদোক্তে হায়না। ঐনা হায়নীংবদি মসিদা ঐগী ইরন্নাইগী ওইবা মিহৌবা য়াওবরা নত্তুগা য়াওদবরা হায়বসি ফাওবা ইশানা খঙজদ্রি। লাইবক্তা তমলকলবা অদুবুদি ঐ শীংননীংখি। নোকলিবরা ? লাইবক্কী ব্রাবু থাজহন্দুনা পুন্সিগী অমম্বা তাঙ্ককপু খুমজিনগদৌরিমালে হায়না নঙনা খনববা ? নত্তে, মদুগী কান্নবা অমুক লৈত্রে। থোৎপা মেঙবগী পন লানথোকখিবা কুইবে। ঙবাং ফাওবা ঐগী ইশাদা অদুগুম্বা তমথীবা ভুৎতুনা ইতুং কোয়ইন ইন্নবম্মী। ঙসিদি মদুগী মনিল ফাওবা লৈত্রে। অদুননি চনীং তানা ব্রাবী লীবা ঙমলিবসি।

ইশাগী শক ! মসিনা ঐগী য়েক্লবা ওইদুনতা লাকলিবনি। নুপীগী শক্কা চাংদম্নবা য়াবা কবম্বা পোৎ পৃথিবীদা লৈগ্রবগে ? শক্কী মকমদনি নুপী ওইবীগী চাওরবা সংসার লৈরিবসু। অদুগুম্বা শক্তু য়াওদবা নুপীশিংনা কমদৌদুনা হিংদুনা লৈরিবনো তানীংবরা? নত্তে, লীদবনা হেন্না ফবনি মরমদি ব্রাবীসিনা সংসারগী নুপা ওইবশিংগী মমল কয়া ব্রাংখৎহনখিগদগে হাযবা ঙমদে। অদুবু লীবা হৌরুরবনিনা তোকথোকপদি ফজদ্রে। নত্তুবদি নঙনা হায়গনি "মশানা তাবনিদনা, শক য়াওদনা

নুপীনবু অমুক নুপাশিংবু মিহৌহনবা কদায়দগী ঙমলদগে ?" নঙনা হায়বা চুম্মী। মিহৌহনবা ঙমদে হায়দুননি ঙসি ঐনা ইশাগী থম্মোয় শোকপা ৱারী লীরিবসিসু।

ঐবুদি শক খঙবীয়ু। থম্মোয়গী মৈরীনা ইশামকপু হঞ্জিল হঞ্জিল চাকথেকহল্লবনি। ঈকাযবা নংবগী অশুক চাওবা পোৎলূমসি পুনা পুনা অশি লমদমদা খোঙ থাংজিল্লক্নে। ঐনা কনাগুম্ববু নুংশিকই হায়বা ইতোমতা ঙসি নীংশিংলুবদা ইশাগী ঈ-পূম্বা ঈশিং ওল্লবনি। ঐগী ৱারী তাবদা "অচচা, নশাগী শক্তু অমুক্তসু মিংশেলদা য়েংজদবরা ?" হায়নীংলিনি।

শক্কী ফজবা য়াওদবা নুপীশিংদসু নোংদম্বনা শরুক থুংফম থোক্তবা পোৎ খুত্তা হাপ্তুনা থাবীবকই। খুৎতগীদি থাদোকখ্রে। মতম খবা চেৎনা পায়শিল্লুবগী মহৈদি ঙসি ফাওবা ফংলি। খল্লম্মী, নুপা ওইবশিংগীসু থম্মোয় অমদি শোযদনা পাল্লি। মতমদুদনি, নোংদম্বনা শরুক থুংবীরকখিবা পোৎশক্তুগী শীজিন্নফম থিরুবসু। মদুমক্লা ইশাগী পৃংমাঙ মাঙজবা থোকখিববা নত্ত্রগা মসি ঐগী লাইবক্তা তমলকলবদুবা ? ঙসিদি খঙলে, মখোয়গীসু থম্মোযদি পাল্লি অদুবু শীজিন্নফমদি ঐগুম্বীগী ইফমদা নত্তে।

মতমদুদা মমি শামি লেপখিবা মুর্তি অমনা ঐবু মঙলান লৈবাক অমগী ৱাবী তাহল্লে। মতমদুদা যাওকুই, হিংবগী মহাউ মচেৎ অমগী অর্থ। মদুমক্লসু কাউথোকলুবনি অহিংবা পুন্সিগী চৎনবোলদু। ইমাঙদা তশেংনা লেপলববা মুর্তিশিংদুবু থৌশাদনা মঙলান লৈবাক্কী মুর্তিগী তুং ইল্লুই। ঐ থুনা মীকপ থোরকখি অদুবু মুর্তিশিংদুবুদি তান্নবা ফংখিদে। তেল্লবা মতমদুদা মখোয়গী মায়কৈসু ওনথোকখিবমলে। মতুংদা মদুগী তুংদা ঐ শিনবা হোৎনখিদে হাযবদি য়াই অদুবু হিংনবা শেম শাবদুমক্লা হিংনা হিংনা ঐ অশিবা ওনখি। ঐগী অমম্বা পুন্সিসিবু শীংনবিবা মখোয় পূম্বনা নোংমদি ঐগী মঙলান, আশা ওইরম্মী হাযবা ফাওবা পনবদা ঐগী লৈতোন ফাজিল্লকই। ইশানা ইশাগী মমল খজিক্তসু খাক্তনা হৈদোকলুবগী মবম ওইখিবা ঐগী ইমুং মনুং ঙসিসু মখোয়গী মশাইগোন্দা অদুমক হিংলি।

"ঐগী ইমাদু লৈজবম্লবদি" হায়বসিনা ঐবু হেক হেক শোম্বহল্লি। অদুবু ঙস্তানা মচা ঐগী নীংথিবা শুক্কৎয়াই য়াওদবা শকসিগী পোৎলূম পুহনখিদে হায়দুনা লোন্না ঈশ্বরবু থাগৎচরিবনি। ঐগী ইপা! মাবু অমুক পন্দুনা ঐগী মমলবা পুন্সিবু হেন্না

মমশিনহন্নীংদ্রবনি। ঙসি ফাওবা মীৎমাঙসিদা "নঙবু পোকপনি" হায়না লেপলদ্রি। নাগালেণ্ডগী উমংদা শক লোৎতুনা লৈ, কছারদা ঙাওদুনা চৎলি, বর্ম্মাগী জেলদা লৈ, কয়া কয়ানি নাকোঙসিদা য়ৌরকখিবা। অদুবু মদুনদি ঐবু মপাগী মচা ওইহনবদি ঙমখিদে। অদুগা ঐগী অন্না নুংঙাইদা শরুক য়াবীরক্লিবা ইনম্মদুবু ঐনা ফত্তে-খোত্তে করম্না হায়সিগে ? মাগীসু সংসার লৈরিদনা ?

নিংঙোলনা যুম পান্দনা মপামগী ইখোলদা পুন্সি লেনবদি মৌশিংগী হবাউনিঙাই নত্তে। মাবু হবাউহন্নবা তৌখিবা থবকশিংদু নীংশিংলুবদা ঐ হুমাং কাংই। নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা নাকোঙসিদা য়ৌরকখিবা ব্রাহৈশিংদু ঐ তাবা ঙমখিদে। নত্তে, ঙমখি। ঙমখিবদুমক্লনি ঐনা হিংদুনা লৈরিবসু।

অদুক যাম্না থৌওইবীদবা মবক্তুদসু ঐগী অপীকপা আশাদুদি থাদোকপা ঙমখিদে। চহী অমা, অনি, অহুম ঐগী মঙাল যাওদবা থরানমিচাক্লা কেল্লকপদু ঙাইখিবন্মী। অদুবু মাদি কোকতোন্দা অদুম লৈখ্রে। ইথা থাজদবা পূংফম অমদা ঐনা হায়খ, "নঙ কেল্লকও। নঙনা পাম্বা মফম অমদা ঐবু পুদুনা চৎলো।" মাগী চানবাল মতাইদা কবেম্নবা মীনোক অমত্তং উংলমলগা চৎখি। ইতোমতা কপহৌই। শিবশিবা ফাওবা খল্লুই।

ঐগী লৈজবা থৌনা খোমগৎতুনা যুম পান্নবা শেম শাখি। খুদোংচাবা অমখকসু লাকখি। নত্তে, মসিবু খুদোংচাবনি হায়সিবা ? নত্তগা নুপী ওইবীগী ঈকায অকি ব্রাংমা লানবা ঙম্বগী চাংয়েংনি হাযসিবা ? নোংমা ইনম্মগী মবী মতানি হায, নুপা অমা ইমাঙদা লেপলখি। মানা হায,

"নুপী খুদিংগী মশাদা শুক্ষৎযাই যাওই।"

চৎলমদাইদসু হায়বন্মী,

"মীওইবগী শক ঈশ্বরনা শেম্মী। নুপীগী তোংঙানবা শুক্ষৎয়াইসু মহাক্লা হাপ্পী। নঙঙোন্দসু শুক্ষৎযাইদু যাওই।"

ঐ যুম পাল্লগে হাযনা চপ চানা লেপলবনি। অদুনা মানা শুক্ষৎযাই য়াওই হায়রন্না শকশি পুদুনা নোংমা মমাঙদা লেপলুই। নুমিত্তো ঐ কবিমত্তা কাউদ্রি। করি করিনো থোকখিবদো ? ইচীনসিদগী থোকখিবা ব্রাহৈদুনা করিনো ? নীংশিংলুবদা ইমায়সি অমুক কদাইদা থমসিগে ?

ঐনা হায়খি,

"কৈদৌঙৈ অমুক উননি ?"

খুমলকখি,

"থবক য়াম চিল্লি। পাক শংগদবা মান্দে।"

ঐ খঙই, থবক চিনবা নত্তে, ঐগা উননীংদবনি। অদুবু হংখি,

"কয়াম চিনবা থবকনো ঐ খঙবা য়াবোইদ্রা ?"

মাগী মায়থোঙদা নীংহন্নবগী মমি তারকখি,

"খঙল' কৈদৌগেগে ?"

"নতেং পাংনি। ঙমলোইকা খনগনু। নঙগীদমক ঐনা ঙমলোইদবা লৈতে।"

ঐগী খোঞ্জেলদুদা ইশাগী পুক্নীংগী হৈনদবা মমিদু তাহন্দনবা হোৎনাখি।

করি কবিনো ঐনা ঙাঙখিবদো।

"শেন চিনব্রা ?"

মহাক মোবেগী পোৎ চৈ লল্লোল্লি হাযবা তাখি। শেন চিনবগী ব্রারীসু ইনস্মদা শারম্বদু ঐ তাহৌই। ঐগী লীকত্তু লৌথোক্কুনা পী।

"সনাসি ইনস্মনা শাবীর্বনি। ঐগীনি, পায়শিনবীযু। মসি নঙগী কববাবদুদা যাওহবীয়ু।"

মহাক লৌসু লৌদে। ব্রাহৈ অমত্তসু হায়রক্তে। খুৎতা সনাদু সুম লৈ। মঙোন্দা য়েংলুই। মাগী নাতোন নাকচিদা কারিবা হুমাংদুগা লোযনবা তৌফম খঙদবা ইথক থক্কৎপা মায়থোঙদু ঐ কাউদ্রি।

ঐনা মরী মরী ঙাঙথখি,

"ঐবু মীতোপনি খনবীগনু। নঙগী পুক্সিগী থবক থৌদাংশিংদা ঐবুসু য়াওনবীয়ু।"

মহাক্না ফুরীৎখাউদগী রুমাল লৌথোক্লগা মমায়গী হুমাংদু তৈথোক্কুনা অসিদমক হায়রকই,

"চৎলগে।"

ব্রাহৈদু হেক তাবদা ঐ ভাব তারকখি। ঐ চঙশিল্লুরে। কবয়া হন্দোকলসিগে ? ঐনা মমাঙদা চেনখৎতুনা লম্বী থৎলগা হায়খি,

"নত্তে, নঙ চৎখিনু। ইশাগী লৈজবা পূম্বা নখোঙদা হৈদোকলুববা তুংসিদদি ঐ অমুক মমল য়াওদ্রবী ওইনা লেপহৌবা ঙমলোই।"

মহাক্না য়াম্না ইঙবা খোঞ্জেলদা মশাগী চাউথোকচবা পূম্বা খোঞ্জেলদা মমি তাহন্দুনা হায়বকখি,

"ঐদি হেক লাকপদগী হৌনা নঙঙোন্দগী কবিমত্তা নিখিদ্রি। লৌসু লৌখিদে। ঐনা মমল শিংগদৌবিবা কবিগীনো ?"

ঐ ঈকাযবা শুকখঙ খঙদবীগুম মমাঙদা লেপখি। নুংদদি ঈকায হঙ্গোযবনা ইশাসি অপুম অশা মবক্তা ঙক ফাওবা থিংজিন্দুনা লেপ্পগা চপ মান্নখি। তুক্কচবনা কদাযদনো চেন্নীংলকই। অদুবু মাবু খাম্নবা হোৎনখি,

"ঐবু থাদোকলমগনু। নঙনা চৎখ্রবদি নুপী ওইবীগী চাউথোকচবা, ইজৎ-সন্মান পূম্বা লৈখা তাহৌবগনি।"

ঐগী মঙলৈবাক্কী নিংথৌদুগুম মাগী চীনবাল মতাইদসু কবেমনবা মীনোক্কী মমি তাবকখি। অদুগুম্বা মতমদুদা শিদোকলমলবদি ইশাগী মাঙখিবা মমলদুতসু হঞ্জিনজবা ঙমলমগদবনি। অদুবু শিবা হাযবদু অদুক লাযবা পোৎ নত্তে।

মসিদগী হেন্না মাযথীবা নুপী ওইবীগী অমমুক লৈবিববা ? ঐবু কনানসু নুংশিবীদে হেক খল্লুবদা শাউনীংবনা নুপা খুদীংমক্কী মথক্তা শাপ তৌনীংলুই। থংনবা মীকু প্তা অশাউবা পূম্বা পি হেক্তা ওনখি। অদুনসু ঐগী হোৎনবা লোইখিদে। ইশাগীনি হাযবা অমত্তা লেমহৌদবমখৈ হোৎনখি। মদুনসু ইনস্মগী অশাউবদু খজিক্তা ফাওবা হন্থহনখিবা ঙমখিদে। ঐগী মাযথীবগী ফলনা ঐ অহিংবা অমুক নত্ত্রবগুমখি।

মতমদুদা ঐ লম্বী অমত্তা উবা ঙমখিদে। শুপ্নতগী যুম পান্দ্রবদি ঐগী লৈফম লৈতে হাযবসিখক্তা খল্লস্মী। অদুগুম্বা মচুদু তত্তনা শঙখিবদি ঐগী ইমুং মনুংনি। ঐগী যুম পানবগী ঋানা মখোযগী পোৎলম অমা ওইখি। ঐ লৈবনা মখোযগী নুংঙাইবা সংসাব কায়হল্লববা, মখোযগী ঋাই চিনবা ওইববৰা হায়র্বসিনা ঐবু লম্বীদুদগী লাপথোকহনবা শুকঙম ঙমখিদে। মখোযগী খোযশাউনবা মায়থোঙদুনা ঐবু থৌনা অমদি হেক হেক হাপখি। খনখি, অশি লমদমগী থোঙদু মীচঙ মীখাই নাইদে হায়নবদো, মদুগী মবমদা।

ঐগী ইফমদদি ! তোল্লবী ঈকায়বা নাইদ্রবীসি করিগীনো খঙদে, অশি

লাইরেম্বীনসু লৌশিনবীদে। ইবুং অনিনা শম পায়দুনা চিংথোরকখি, চৈবীখি, "ঐখোয়বু মী হাৎপগী দন্দি ফংহনগেরা ?"

সংসারদা ঐবু নুংশিবীবা মী লৈতে অদুবু অশি লাইরেম্বীনা ফাওবা অশুক তমথীনা ইনখোকপীরক্কনি হায়বদি খল্লুদে। নুংশিবা হায়বদো ঐ শুকফং হেক ফংলক্তে হায়বদি ঐ ঙমলোই। ঐগী ইনেতোনগী ৱা য়াম্না পুক্লীংদা চেৎনা থম্লি।

অঙাং ওইরিঙৈগী ৱাফম অমা নীংশিংলকই। শান্নবা চৎপদা বীনোদগী মচেচৌবীনা লকনখি,

"নঙগী নশকসিবু কনানবু শেমলিবনো ? হযেং কনামঙনা পাম্বীরবোই। কুচুদুনা, কদাইদবু ৱাইশিল্লুবিবনো হংনবা তাবে।"

যুমদা হল্লকলগা ওঃ খোংবমখৈ কপখি। ইনেতোন্না ঐবু থেম্বাখি,

"মখোযনা কবি হেল্লদুনা ? ইমৌগী বীশিসিবু মখোযনা ফংগদ্রা ! কল্লক্লুনা তৌরিবনি।"


ইনেতোনবু ঐনা য়াম্না থাজে। পুক্লীংদা ঐসু খনখি,

"ঐগী বাশী লৈবসি মখোয়না ফংজদদুনা হায়বিবনি।"

ঐগী ইনেতোন্দু মশক থীবী ময়ামগী নোক্লফম ওইবী মমৌ ঐনুদি যাম্না নাংখিবনি। ঙসি মহাক লৈবম্না থোকলবদি ঐ উপায লৈতবীগুম লেপলমদবসু য়াই।

চহী কয়া কোয়চেন চেল্লুরবা তুংদনি, ঐনা ঙসি ফমদুনা ৱারা লীবিবসি। ঙসিদি খঙলে, নুপী ওইবগী শক যাওদ্রবদি সমাজদা চন্নফম লৈত্রিবসি শুপ্পগী মীওইববু ঈকায়বা পীবনি। লৃ-তোংনা শাবা চপ মান্নবা পোৎতা অপাম পামদা খন্দেক্লুনা মিহৌবগী অর্থবু নুংশিবনি হায়না মী কযাগী মীৎতা চাওববা নমথাক তৌবা ঙমলিবা মখোয়না যুগ কয়াদগী জয ওইবকলি। অদুগা তোল্লবী, ঐখোয়গুম্বী কয়ানা মখোযগী নীংতম্ববু লেঙদবা অচুম্বনি খন্না কোক নোল্লকলি।

মাগী খোঙচৎতা শান্নরিবা মচাশিংগী নিয়ম নাইদবা মশান্নসি ঙসি ফাওবা পৃথিবীনা য়ানীংলিদবা ? নত্ত্রগা মাসু থৌইনশিন পীবিবা নুংশি হৈতবা অমরা ? ঐসু হিংলি, মাগী খোঙচৎতা থোকখিবা অথীবা বদনাম ম্যুথীবা পৃম্বা পুদুনা। ঐগুম্বী কয়ানসু মাগী খোঙচৎপু নিন্দা তৌবমগদ্রা ?



মে, ১৯৯৫